ভারতকী সাহিত্য শেমগৎলম্বশিং

# বাল্মীকি

আই. পাণ্ডুরঙ্গ রাও

MN
891.202 092
V 245 R

MN
891.202 092
V 245 R

সাহিত্য অকাদেমি

ভারতকী সাহিত্য শেমগৎলম্বশিং

# বাল্মীকি

## আই. পাণ্ডুরঙ্গ রাও

হন্দোকপা

রাজকুমার মণি সিংহ

সাহিত্য অকাদেমি

VALMIKI : Manipuri translation by Raj Kumar Mani Singh of the same title in English by I. Panduranga Rao in the series of Makers of Indian Literature, Sahitya Akademi, New Delhi, 2001.
Price : Rs. 25

Library IIAS, Shimla
MN 891.202 092 V 245 R
00117837

© সাহিত্য অকাদেমি

অহানবা ফোঙবা, ২০০১.

ISBN 81-260-1118-1

MN
891.202 092
V245 R

সাহিত্য অকাদেমি
রবীন্দ্র ভবন , ৩৫ ফিরোজশাহ রোড, নিউ দিল্লী-১১০ ০০১
লাইরিক ফংফম : 'স্বাতী' মন্দির মার্গ, নিউ দিল্লী-১১০০০১
'জীবন তারা' ২৩এ/৪৪ এক্স ডায়মন্দ হারবার রোড কলকাতা ৭০০ ০৫৩
সি আই টি ক্যাম্পস, টি.টি.আই পোষ্ট, তারামণি, চেন্নাই ৬০০ ০১৩
১৭২ মুম্বাই মরাঠি গ্রন্থ সংগ্রহালয় মার্গ, দাদার, মুম্বাই ৪০০ ০১৪
সেন্ট্রেল কোলেজ ক্যাম্পস, ইউনিভর্সিটি লাইব্রেরি বিলডিং,
ডা. আম্বেদকর ভীথি, বাঙ্গালোর ৫৬০ ০০১

Indian Institute
117837
21/12/04

টাইপ সেটিং : ধনী কোপিয়র এণ্ড কোম্পাইটর্স কৈশামপাৎ,
ইম্ফাল ৭৯৫ ০০১

ছাপা নম্ফম : বসু মুদ্রণ, ১৯এ সিকদার বাগান স্ট্রীট, কলকাতা ৭০০ ০০৪

# য়াওরিবা

| | |
|---|---|
| মহাকাব্যগী শক্তম | ১ |
| বাল্মীকিনা পামজবা মীওই | ৭ |
| খ্বাইদগী পূমহেন হেনবা ফিদম | ২৪ |
| শক্লোন অহুমগী অপূনবা শক্তম | ৪১ |
| মী অমা ওইবগী মতৌ | ৫৯ |
| খুৎশেম হৈবা কলাকার | ৬৯ |
| পাউজেল | ৮০ |

# অমা

## মহাকাব্যগী শক্তম

“আদিকবি”নি হায়না পূম্নমক্না য়ানরবা অমসুং শীংথানরবা বাল্মীকি,ভারতকী ওইনসু মরুওইনা সংস্কৃত লোনগী কবি পূম্নমক্কী মনুংদসু, অহানবা কবিনি। থৱায়পানবা জীবশিংবু নুংশিবিবা অমসুং খোয়দাবিবা মহাপুরুষ অমগী পূক্নিংগী ঈপোমগা চূশিন্ননা মহাকাব্যগী পাকচাউরবা শক্তম, ছন্দ নাইনা ইহান হান্না ফোঙদোকখিবা কবিনি। আত্মা অমসুং পরমাত্মা অনীনা অমত্তা ওইখিবা মহাক্কী অসিগুম্বা সাধনাদগী মৃৎলরোইদবা মহাকাব্য “রামায়ণ” মহাক্কী থম্মোয়দগী শাগৎলকখিবনি। স্বৰ্গগী ঋষি নারদনা লীবিরম্বা ফিদমগী শক্লোন পুবা নুপা অমগী গুণশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহাকাব্য অমা ইননবগীদমক মশানা মচাক মরল কয়া তানশিঞ্জখ্রবনি। বাল্মীকি মশামকসু অচৌবা ঋষি অমনি, মতম কুয়না তৌজরুবা তপস্যাগী শক্তিদগী “মহর্ষি” মিংথোল ফঙলবনি, অদুবু মহাক্কী চঙখোল্লবা তপস্যাগী থবক্তা, মীওইবগী শাজৎতা স্বৰ্গগী ওইবা শক্তি হাপচিন্দুনা অচুম্বা ৱাখল্লোন্না লমজিংহন্নবা মশাগী পূক্নিং লাকশিঞ্জখ্রবনি। মীওইবা পূম্নমক্কী মঙ্গলগীদমক মী অমনা চেনগদবা অফবা গুণ পূম্নমক্কী মপূ ওইরবা নুপা অমা মখোয়গী মমাঙদা লৈরম্মী হায়বা ৱারোল নারদদগী তারবা মতুংদা ঋষি বাল্মীকিনা মহাক্না শক্তম লাংজবা নুপা অমগী ৱারী, মচুতানা অমসুং থম্মোয়শেংনা পুথোক্নবা ৱাখল খনবা হৌখি।

লাইগী গুণনা লৈতেংলবা গুরুগী কৃপাদগী চীংলেম্লবা ৱাখল্লোনশিং অদু লৌশিঞ্জবা ঙম্ননবগীদমক বাল্মীকিনা মাগী শিষ্য ভরদ্বাজগা লোয়ননা তমসা তুরেল তোৰ্ব্বান্দা কোয়থোকলম্মী। তুরেলগী ঈচেল অদুনা মাগী মীৎয়েং চিংশিল্লম্মী। ইংনা তপ্না নুংঙাইনা চেল্লিবা ঈপোমশিং অদুনা মহাক্কী নায়ক ওইগদৌরিবা নুপা অমগী মপূংফারবা অমসুং নোল্লুকপগী মগুণশিং অদু নীংশিংহনবগুম থোকখি।

(ঐ ঋষি প্রচেতসকী তরাশুবা মচানুপানি। অদোম্না চাউরবা রঘু শাগৈদা পোকপনি। ঐগী পূন্সিদা মীনম্বা অমত্তা ঙাংখি হায়বা ঐ নীংশিংজদে। ঐনা হায়জরিবসিনি অঙাং অনী অসি অদোমগী নচানুপা ঙাক্তনি। ঐ চহী লিশিং কয়া তপস্যা তৌজরক্লবনি। মৈথিলীদা করিগুম্বা মখলগী দোষ অমত্তং লৈরবদি ঐনা তৌজরুবা তপস্যা পূম্নমক্কী মহয় ফঙজরোই। ঐ করিগুম্বা ফত্তবা ৱাখল খঞ্জদে, ঐ কনাদসু অরানবা তৌজখিদ্রি অদুগা নাতৈ চাদবা ৱাঙাং অমত্তসু ঙাংজরক্ত্রি। পূম্নমক অসিগী কান্নবদু, মৈথিলীনা পাপ চেল্লমদ্রবদি ঐনা ফঙজগনি।)

পাকচাউরবা মীওইবগী জাতিনা খঙজনবা, লৌশিঞ্জনবা অমসুং মতৌ তমজনবা ফিদমগী মশক ওইবা নুপা অমা অমসুং নুপী অমগী মমল য়াম্লবা খুদম অমা থনম্নবগীদমক, মপূন্সি চুপ্পা বাল্মীকিনা তৌরম্বা তপস্যা অমসুং অখাঙকনবগী মনূং হুনজিনবা শক্তম অমা, মথক্কী ৱাহৈ পরেংশিং অসিনা ঐখোয়দা উৎলি। লোয়ননা ঙাংথোরক্লিবা ৱাফম অসিনা রাম অমদি অতৈ ঋষিশিংনা, মখোয়গীদমক বেদনা য়ারবা ঋষি বাল্মীকিগী বিচার অদুদা থাজবা থম্বগী মওং তাকলি। তশেংনমক মহাক্না তৌজরুবা তপস্যাগী খুদক্কী ওইবা মমল নাইদ্রবা মহয়দি বেদগী ৱারোলশিং, খ্বাইদগী ৱাংলবা কাব্যগী মরোলদা পুথোরক্তুনা রামায়ণগুম্বা মতম পূম্নমক্কী ওইরগদৌবা মহাকাব্য অসিনি। য়াম্না নোল্লুক্না মরীকচূম্বা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা রামগুম্বা, মহাকক্কী খোঙচৎ না (আয়ণম) রামায়ণগী মপূংওইবা শরুক ওইরিবা, মতীক চাউরবা মহাপুরুষ অদুদা হঙ্গৎখিবা মশামক্কী ৱাঙাং অসিদগী ঐখোয়না লাকশিঞ্জরিবা বাল্মীকিগী মূর্তি অদু মসিনি।

অদুবু, অকোনবা পুথোরকপা রামায়ণশিংদদি, বাল্মীকিগী মরমদা মান্নদবা ৱারী কয়া লীনরকই। পুরাণশিংদা বাল্মীকিগী ঙল্লিঁঙৈ পূন্সিগী ৱারী শেমদোক শাদোক্তুনা পুথোরকই, ৱারীশিং অদু পাবদা নুংঙাইরবসু, তপস্যাগী মূর্তি ওইরিবা বাল্মীকিগী মতীক মঙালনা লৈতেংলবা শক্তম অদুদা অকায়বা কয়া চাউনা থোকহল্লী। মহাক্তি ধ্যানগী মূর্তিনি, মহাক্না কৎথোকচরিবা অমসুং বিচার তৌজরিবা অদুগী অমত্তা ওইবা পান্দমদি মী অমখকনি। মী অদুনা মশাগী খন্দুনা হিংবা নত্তবা জগৎক্কী সৃষ্টি অসিদা পূল্লপ পূনশিল্লবা সংস্কৃতি অসিগা মশামক্কা অমত্তনি খঞ্জদুনা অতোপ্পশিংগীদমক হিংবনি। বৈজ্ঞানীক ওইবা মীৎয়েংগা লোয়নরবা পুকচেলদা, নুংগী ওইবা ফজবা অমসুং কবিগী অথোইবা গুণগা নীংথিনা ময়াল শেল্লবা, পূন্সিদা মহাকাব্যগী অথূপ্পা সাধনা তৌরিবা অসিগুম্বা মতীক মঙাল চাউরবা ঋষি অসিবু অঙাং ওইরিঁঙৈদা পোৎলাকপা অমা ওইরম্মী, তুংদা ঋষি তরেৎনা মহাকপু লাইনীংবা মুনি অমা ওইহনখিবনি হায়বসি ৱারীগী ওইনদি নুংঙাই, অদুবু মসিগী প্রমাণ ইতিহাসতা ফঙদে। অদুবু পদ্মপুরাণ, স্কণ্ড পুরাণ অমসুং অধ্যাত্ম রামায়ণ ফাওবা য়াওনা পুরাণ পূম্নমক্না ৱারোল অসি শন্দোকই, মীচম অমনা বাল্মীকিবু

হৌজিকসু অসুম্না য়েংলি ।

"বল্মীক" হায়বা ৱাহে অসিগী মপানগী ওইবা অর্থ "লৈশৌপৃং" হায়, অদুবু অকনবা ধ্যান অমসুং তপস্যাগী লেংদয়বা ফিরেপ অদুবু খঙনৈ । কবি বাল্মীকিদি তপস্যা অসিগী মহয়নি । বাল্মীকিবু পামজবা কালিদাসনা মহাক্কী "মেঘসন্দেশ" তা ৱাফম অসি ফজনা উৎলি। যক্ষনা লৈচিনদুতিদা ঙক্লবা চূমথাংগী লম্বী থিননবা অসুম্না হায়খি ঃ

বল্মীকীগ্রাত্ প্রভৱতি ধনুঃ খণ্ডমাখণ্ডলস্য

(ইন্দ্রনা মচুগী লীরুং থিন্দোকহল্লক্লিবা.আদগী লৈশৌপৃং অসিদা য়েংঙু)

চূমথাং অসিনা বাল্মীকিগী কবিগী দৃশ্য অমসুং মহাকাব্যগী নীংথিবা অদু তশেংনমক প্রমাণ তৌরি। অসুম্না শেমখ্রবা চূমথাংগী মচু তরেৎ অসিনা বাল্মীকিগী রামায়ণগী কাণ্ড তরেৎপু উৎলি ।

অদুবু পুরাণশিং অসিদা হায়রিবা অসিগী মরম মশা মশানা পীঁজে । রাম হায়বা মিং অসি শোনবতনা ডাকু অমবু মুনি অমা ওইহনবা ঙম্মী হায়বগী অচুম্বা মখোয়না তাকফম থোক্লি। মসি চুম্বসু য়াই । অদুবু হেন্না মরুওইরিবদি বাল্মীকিবু তপস্যাগী মূর্তি অমা ওইনা খঙবা ঙম্বা অসিনি । বাল্মীকি রামায়ণগী অহৌবা শৈরেং তাঙ্ককমক্তদা বাল্মীকিবু তপস্বী হায় । তপস্যানা মহাক্কী অথোইবা মগুণনি, স্বর্গগী মুনি নারদনা হেনখিবদি মহাক্না পাকচাউনা চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙম্বা অমসুং কৃপ্না য়েংশিনবগী শক্তিনা জগৎ অসিগী মফম খুদিংদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক খঙবা ঙম্বগী গুণ অদুনি । মীওইবগী শাজৎপু কৃপ্না খঙজিনবা ঙম্বা "স্বাধ্যায়" হায়বা অসিনা ফোঙদোকপদা (বাগবিদমবর) হৈথোই শিংথোইখিবনি, অদুগা ফোঙদোক্তবা (মুনি পুঙ্গব) শরুকপু মপৃংফানা য়েংশিনবা ঙম্বা অসিমসুনি। গুণশিং অসিনা মী অমা (নর) থিদোকপা অমসুং মাগী খোঙচৎ (আয়ণ) না মীওইবদা পুণ্য অমসুং চীংলেম্বগী শাজৎ উৎপদা বাল্মীকিগী মীৎয়েং চিংশিনখিবা অমসুং কান্নহনবা ঙমলিবনি ।

বাল্মীকি কৌবা মী অনী নত্রগা অহুম লৈরম্মী হায়না কনাগুম্বা খরনা হায় । করম্বনা আদিকবি বাল্মীকিনো অমসুং কনানা তশেংনমক মীয়াম্না পাম্নরবা হৌজিক্কী রামায়ণ অসি ইরম্বনো হায়বসি তং তাথোকপা ঙমদ্রি । অদুবু রামায়ণ পারিবা অচম্বা মী অমদদি মহাক্না পারিবা অদু আদিকবি বাল্মীকিগী আদিকাব্য রামায়ণ অদুনি হায়না লৌজবদা অপেনবা পোক্লরি। ইচম চম্বা মরমদি লাইরিক অসিনা মীচম অমগী জ্ঞান অমদি পৃক্লিং নুংঙাইনবগী লোইনাইদ্রবা হৌরকফম ওইরি, মহৈমশিং হৈবশিংগী লৌশিংগী মৈরা ওইরি, সমাজগী হৌনবী নিয়ম অমা ওইরি, লৌশিং তাল্লিবা অমদি থোক্লগদবা খঙবা ঙম্বা কয়াগী লমজিং লমতাক ওইবা য়াবা জ্ঞানগী ঙানফম অমা ওইনা তরং-তরং লৈরি ।

হায়বা অর্থ পুরিবা রামায়ণ হায়বা মিং অসিমক্তদা মতীক মঙাল য়াওনা ফোঙদোক্লে। মসি চুম্নগী রামগী ৱারী নৎত্রগা পূন্সি ৱারী অমা নত্তে। রামনা করম্বা শাজৎ চৎপা, করম্বা ৱা ঙাংবা, মহাক্কী শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং, মুনি ঋষি, স্বর্গ অমদি পৃথিবীগী নুং-পাল অনীমক তুনা করম্না লোয়নবা - পূম্নমক অসি নীংথিনা য়েক য়েক্তুনা শীংথারবা রামায়ণনি। মহাক্কী খোঙচৎতি লাইশিংনা ফাওবা মীওইবগী থম্মোয়বু করম্বা কলাগী পোৎশক অমনো হায়না ঙক্লরিবা মীওইবগী মগুণ থিরিবনি। মহাক্তি মী অমা ওইবগী অমসুং অসুম্না খঙবিবগীদমক মতম পূম্নমক্তা চাউথোকচরিবনি। সীতাগী অগ্নি পরীক্ষা হেক লোইবগা মহাক্না হেক ঙম্বমখৈ নোঞ্জনা মহাক অসি অতৈ মীচম অমগুম্বনি হায়না শেংদোকই। মসিনা মহাক ৱাখলদা ৱাঙাংদা অমসুং থবক্তা “মপূংফাবা” মী অমা ওইহল্লী। বাল্মীকিনা মহাক্কী মহাকাব্যগী অহানবা শরুক্তা মানা শাগৎচরিবা মী অসি, সংসার অসিদা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা গুণনি হায়না খঙনরিবা অচুম্বদা পূল্লপ কথোকচরবা পুকচেল চাউরবা মপা অমগী অখন্নবা মচা অমা ওইনা পুথোরকই। মহাক্কী অথোইবা মী অসি পুশিল্লকপগী শীংথারকপা তাঙ্কক অদুমক্তদা বিশ্বামিত্র মুনি য়াওহল্লকলিবসি অর্থ লৈ। মসিনা তাক্কদৌরিবদি, রামনা পোক্লেরিবা অসি মমা মপা অমদি অযোধ্যাগী প্রজাশিংবু হরাও হরাও লৈহন্দুনা অমসুং পূক্লিং হূনিংঙাই ওইনা অঙাং ওইরিঁঙৈগী পুন্সি লেন্দুনা, হরাওহন্বতা নৎতনা, মীয়ামগা লোয়ননা অৱা মৈশা লাংহন্দনা মীওইবগী সেবা তৌবগী অচৌবা থৌদাংসু য়াওরিবনি হায়বসিনি। মীওইববু সেবা তৌবা ঙমগদবা মী কয়াগী মরমদা কৃপ্না খঙলবা মহর্ষি অমা ওইরবা বিশ্বামিত্রনা দশরথতা মচানুপা অহন রামবু অহিং তরাখক্তং মারীচ অমসুং সুবাহুনচিংবা হিংচাবশিংদগী মহাক্কী যজ্ঞ ঙাকপিনবা হায়জরখি। মতম অদুদা রামদি চহী তরাতরুক শুফাৎত্রি, মহর্ষিনা হায়রিবা থৌদাং অদুগীদমক্তি, মথৱাইদগী হেন্না লুনা থমজরিবা মচানুপা অসি দশরথনা মপূংফানা শেমগৎত্রিবা মতমনি হায়না খল্লদুনা, মশানা তাজবনি, মচানুপাবু থাদোকনিংখিদে। অদুবু বিশ্বামিত্রনা দশরথতা মচানুপাগী মতীক মগুণ কয়া শীংথায়, অচুম্বদা কথোকচবগী মতীক লৈরবা (সত্যপরক্রমা) মহাত্মা অমা শোয়দনা ওইরগদবা মচানুপানি হায়। লাইশিংনা থৌদাং অসিমক্কীদমক থারক্লবা মচানুপাগী অঙকপা শক্তিশিং খঙলবা শাগৈগী গুরু বশিষ্ঠগা তায়নবা মহাক্না নিংথৌদা হায়। বিশ্বামিত্রনা লাক্লিবসি মশাগী মতেঙ নীবা লাকপা নত্তে, নিংথৌবু মচানুপাবু অমদি মচানুপাগী মতেঙনা মীওইবা পূম্নমকপু মতেঙ পাংবা লাক্লিবনি হায়না বশিষ্ঠনা হায়রবদা নুংশিঁহৈরবা মপাইবুংঙোনা বিশ্বামিত্রগী ৱাফম অদু য়ানিংলক্লে। মতাঙ অসিদগী ইখ্বাকু শাগৈগী থৌদাং পোৎলূম পুরবা নিংথৌমচা রামগী অশেংবা খোঙচৎ হৌখরে। মহাক্না মনাওনুপা লক্ষ্মণগা লোয়নৈ, লক্ষ্মণদি রামগা থানবা লৈতনা লোয়নবনি, রাম য়াওদনা হিংবা ঙমদবনি, রামসু লক্ষ্মণ য়াওদনা তূম্বা ঙমজদবনি।

লক্ষ্মণো লক্ষ্মীসংয়ন্নো বহিঃ প্রাণইৱাপরঃ ।
ন চ তেন বিনা নিদ্রাং লভতে পুরুষোত্তম ঃ।।

লীরুং অমসুং লানগী খুৎলাইদা হান্ননা থোইদোক্লা হৈশিংলবা নিংথৌমচা অনীনা মথৌ পাঙথোকপদা পৃক্লিংগী থাজবা পোকই অমসুং বিশ্বামিত্র মুনিগা চীংলেম্না লোয়নজবা অমদি মহাক্কী লমজিং ফংজবদা লানগী থৌনা অমসুং পৃক্লিংগী দর্শন শাস্ত্র অনীগী তাঙলবা তিন্নফম ওই। অযোধ্যা শহর হেক লাম্থোরকপগা বিশ্বামিত্রনা রামদা শক্তি লৈরবা বিদ্যা অনী তম্বী - ঙাকশেনবা অমসুং লানবন শাবা (বল অমসুং অতিবল) । অদুদগী রামদা তাড়কা হিংচাবী হাৎননবগী চাওরবা থৌদাং অদু শীন্নে ।

নুপী হাৎপগী থবক্তা, অহানবদা চিংনদুনা তপথজখ্রবসু, চিংনবা অদু অচুম অরালগী বিচারনা হেক মাঙহনখ্রবদা মুনিগী য়াথং অদু খুদক্তা পাঙথোকই। মহাক্কী শিষ্যগী ওইরক্কদবা শক্তিশিং অদুদা পেল্লদুনা মুনিনা শক্তি লৈনা হুনবা নৎত্রগা লংবগী হেন্না ৱাংবা বিদ্যা রামদা তম্বী। অসুম্না যজ্ঞ ঙাক্লবগী বিদ্যা চপচানা হৈরদুনা অহিং তরুক পোখাবা লৈতনা লেল্লী। হিংচাবশিংদা পীরিবা চৈরাক অদু অচুম্বা মওংদা হেন্দোক হেঞ্জিল লৈতনবা চেকশিন থৌরাং কয়া রামনা তৌই। মহাক্লা সুবাহু হাৎলে, অদুগা মারীচপুনা লাপ্লবা সমদ্রগী লমদা তাম্থোকখিদুনা মথৱায় ফাওবদি মাঙহনখিদে। অসুম্না রামদা শীন্নবা মপূং ওইবা থৌদাং কয়া নীংথিজনা পাঙথোকই ।

অহিং তরাখক্তংগী ওইনা বিশ্বামিত্রনা রামবু পামলম্বগী মতম অদু হৌজিক লোইরে। অদুবু বিশ্বামিত্রগী লাইনীংফম সিদ্ধাশ্রমগী মীশিংনা জনক নিংথৌনা মিথিলাদা মচানুপীগী স্বয়ম্বর যজ্ঞ তৌরিবদু য়েংলুনবা হায়রম্মী। মফম অদুদা লৈরিবা শিবগী অঙকপনা থল্লবা লীরুং অদু শীজিন্নবা ঙম্বা পাখংদা মচানুপী থাজগদৌরিবনি। ৱাফম অসিদগী নিংথৌমচা অনী অদু মতম খরগা লৈথবা তাখি। মতাঙ অসিদা নুংঙাইরিবদি ৱাফম অসি আশ্রমগী মীশিংনা পুখৎলকপনি, বিশ্বামিত্রনা নৎখিদে, অদুবু মহাক্সু তুমীন্না য়ানিংবগী ঈঙ্গিৎতি পী। হেন্না ঙক্লিবদি অহল-লমনশিংনা হায়বা অদু নিংথৌমচা অনীনা অদুম য়াশিনখি। মখোয়নদি আশা তৌজরুদবনি, হায়রকপা অদুদা পৃক্লিং থৌগৎপিবা ওইবা থোকখিবনি। বাল্মীকিনা য়াম্না তোয়না পল্লিবা "যদৃচ্ছা" ( থোক্লবা ) হায়রিবসি, আশাসু তৌরুদনা, অকিবসু পোক্লুদনা, লাইগী অনীংবা অমগী মখা পোন্না তৌফম থোকই হায়বসিনি। ঐখোয়না অচুম্বা লম্বী চৎতুনা, অচুম্বা মতমদা, মওংচুম্না অচুম্বা তৌরিবমখৈ থোক্লক্লিবা থৌদোক খুদিংমক খ্বাইদগী অফবনি হায়না থাজবা অসিনা রামনা লেঞ্জরিবা পৃন্সিগী দর্শন অদুগী লমজিং-লমতাকনি হায়না উৎপা মাল্লি ।

অহানবদা অহিং তরাদগীনি হায়রম্লগা রামনা বিশ্বামিত্র মুনিগা নুমিৎ কুম্মরি

লৈমিন্নখি। কুন্মরি অসি বিশ্বামিত্রনা পুথোকচবা মন্ত্র গায়ত্রী মন্ত্রগী খোঙ্হোক কুন্মরি অসিগা চান্নররি। কুন্মরিনিশুবা নুমিৎতা, হেক লুহোংলবা মতুংগী অয়ুক অঙনবদা বিশ্বামিত্রনা অৱাংলোমদা লৈবা মহাক্কী চীংগী আশ্রম (উত্তর পর্বত্তম) গীদমক খোঙশানখি।

বিশ্বামিত্রগা লোয়ননা রামনা কোয়চৎ চৎলিঙৈ মতমদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদোক অমা থোকখি। রামগা সীতাগা লুহোংদ্রিঙৈগী হেক মমাঙদা থোকখিবা অহল্যাগী ৱারী মতাঙ অদুনি। জনককী শাগৈগী পুরিৎ অমসুং অহল্যাগী মচানুপা শতানন্দনা মিথিলাদা বিশ্বামিত্রদা হংবদা থোকফম থেক্লেবদু থেক্লেবনি হায়না বিশ্বামিত্রনা অর্থ লৈনা তেন্না পাউখুমখি। পাউখুম অসিনা মরুওইবা থৌদোকনি হায়বা তাক্লে। মসিনা উৎলিবদি পূম্নমক হান্ননা শেম শারবনি, তুংদা থেক্লগদবা থৌদোক কয়াগীদমক মাঙজৌননা থবক থৌরমগী কায়াৎ নিংথিনা শেম্লবনি হায়বসিনি।

বাল্মীকিগী মোত মতুংইন্না অহল্যা নূং ওনখিদে, গৌতম মুনিনা রাম উদ্রিবফাওবা মতম পূম্নমক্তা উবা ঙমদনা লৈসনু হায়না শাপ তৌখিবনি। মরম অদুনা রামগী খোঙথাং মখোল তাবা ফংদ্রিবফাওবা উৎ মঁপে অমগুম্না অহাঙবা লৈমায়থক্তা হিপতুনা নুংশিৎ নৎতনা করিমত্তা চাদ-থক্তনা মতম শাংনা তপস্যা তৌদুনা লৈখিবা মতাঙনি। মঁমৈদা নোংমা রাম লেংলক্লে, অপাম্বগী উফুল মরক্তা লোৎতুনা লৈরম্বী ফজবী অদুগী মাঙলুরবা মতীক মঙাল হাঞ্জল্লে, হান্নগী ওইরম্বা ফীভম অদু অমুক ওইরে। রাম লৈবা মফমদা নুংশিবা লৈ, অপীকপা ৱাখল অমসুং অপাম মিহৌগী ৱা করিশু লৈতে। অসিগুম্বা মীওই অসিতনা জনককী ধর্ম লৈরবী মচাইবেম্মগী মতীকচাবা মপুরোইবা ওইফম থোকই। অসুম্না জানকী অমসুং দাশরথী অনীগী পূন্সি লৈপুন ওইবগী মাঙওইননা অহিল্যাগী ৱারী অসিনা বাল্মীকিনা ফজবা মওংদা পুশিল্লকখিবনি। পুন্সি লৈপুন অদু পৃথিবীগা স্বর্গগীনি, খাঙবা কনবগা মশেক মঙালগগীনি, ঙাইবা ঙম্বা অমসুং তপস্যাগগীনি, ফজবা অমসুং অচুম্বা অনীগীনি।

লুহোংবগী মতুং তারকপদা, নুংশি-নুংওনগী মতৌ য়াম্না চেকশিন্না অমসুং মপূংফানা বাল্মীকিনা ফোঙদোকই, য়াম্না অর্থ লৈহল্লি। থম্মোয় অনীগী লোন অদু তুংকোইনা লৈহৌরগদবা শেংলবা মওংদা ফোঙদোকই। মতাঙ অসিদা বাল্মীকিগী মরুওইবা ৱারোল অমদি - রামনা সীতাবু খ্বাইদগী হেন্না পামজৈ, মহাক্কী থম্মোয়দা সীতানা খ্বাইদগী হেন্না নকশিনখি হায়বসিনি; মসিগী মরুওইবা মরম অমসু মপা ইবুংঙোনা মহাক্কীদমক সীতাবু খনখি হায়বসিনি।

রামায়ণগী অনীশুবা তাঙ্কক অযোধ্যাকাণ্ড দা পুকচেল ফজরবা মপাগী পুকচেল ফজরবা মচা রাম, মপূং ফারবা শক্তম অমা ওইনা পুথোরকই। নুমিৎ খুদিংগী রামগী তাঙলবা মগুণশিং অমসুং ফজরবা শাজৎশিং হন্না-হন্না শীংথাদুনা হৌরকই। হঞ্জিন্না শীংথারক্লিবা অসিনা ইমুং মনুং অমদি লৈবাক শীন্না মহাকপু পাম্নরকপা

অদু উৎলিবনি। খোঙলৈ য়াঙশীন্না মহাক্কী "নয়ণাভিরাম" (য়েংবদা চঙখোনবা) অদু " লোকাভিরাম" (মীয়ামদা নুংশিহনবা) ওইহল্লকই। ময়ুমদনা মথক থোংবশিং অমসুং মখা থাবশিং পূম্নমকপু নুংঙাইহল্লি, মপান্দনা প্রজাশিংগা অরোন-অথুপ য়াওদনা লোয়নৈ, হরাওমিন্নবগী থৌদোক খুদিংদা য়াওরুই, তেমশিংনরক্লুবা ফাওবদা অশাউবা উত্তে, অকনবা ৱাহৈ কৈদৌঙৈদা শীজিন্নদে। অহানবা উন্নবদা মরুপ মপাং ওইনা লোয়নৈ, মখোয়গী খ্বাইদগী চান্নবা মরুপনি হায়বা উৎলি, হায়রবসু হায়দ্রবসু দরকার লৈবা মতমদা মতেং পাংনবা শেম-শাই, মীগী য়ায়ফনবা শান্তি লৈনা অফবা ৱাখল শন্দোকই, অরৈ-লৈত পূম্নমক্কী চপ মান্নবা মীৎয়েং থম্নগা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনৈ। পূম্নমক অসিগী লীচিং মখাদা মহাক্না চংশিনখিবা খুদিংদা মায় ফজনা পাকখি অমসুং মীনা তানবা ফংদবা হায়বদু ওইখি।

মগুণশিং অসিদগী প্রজাশিং অমসুং লৈবাক্কী অঙম-অথৌশিংনা মাগী মাগী থম্মোয়নুংদা রামবু থুনমক লৈবাক্কী শাসন পুহননিংখি। দশরথকী মফমদনা খ্বাইদগী হেন্না পুকচেল ফজরবা মচানুপা অহলনা মাগী খুভম শীলহৌবা হায়বসিদগী হেন্না নুংঙাইবা অতৈ লৈরমদে। মহাক্না ৱাফম অসি মহাক্কী অঙম-অথৌশিংদা হৌদোক্লুবদা মখোয়না থম্মোয় শেঙনা য়ানিংলকই। খুদক্তা ফম্বাল কাবগী নুমিৎ লৈপ্লে। ৱাফম অসি রামগী পোকপা নুমিৎতা পোকপগী থৱাম্নিচাক থোক্লিঙৈ মতমদা হৌদোকখিবনি। মথংগী নুমিৎতা ফম্বাল কাবগী থৌরম পাঙথোকপা হায়না লেপ্লখি।

মসিদা রামনা করম তৌরকপা হায়বদু হৌজিক নুংঙাইনিংঙাইনি। মপা ইবুংঙোনা ৱাফম অদু মঙোন্দা হৌদোরক্লুবদা, মাগী হৌনবী, করিমত্তা মোং হাদে, ভক্তি অমসুং ব্যবহারগা লোয়ননা মহৌশাগুম্না মখোঙ পায়দুনা খুরুমজৈ, নুংশিজবা অমদি তাকপিরক্লিবা থৌদাং অনী তুন্না খন্থজরগা য়ানিংবা ফোঙদোকলকই। মমাইবেম্মদা পাউ অসি তম্লুবদসু মশাগী ফিরেপ অদু হোংদনা নোল্লুকপা ৱাঙাং শীজিন্নৈ, মপাইবুংঙোনা প্রজা ঙাকানেবগী থৌদাং (প্রজা পালন কর্মনি) শীন্নবিরক্লে হায়না তমজৈ। মহাক্না ফঙগদৌরিবা ঈজ্জৎকী তাংবল অদুগীদি চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না মহাক্না থোয়না খল্লুদে, ফঙবা তারবসু মহাক্না য়ারুরিবদু মমাইবেম্মা, মচিন মনাও অমসুং মাগী নুপীগীদি লেমজনিংঙাইনি, হরাওনিংঙাইনি। মথংগী অয়ুক্তা ফীবম অদুগী চপচানা ওন্ন-তৈনবা অমা থেক্লুরে, ফম্বাল কাবগী মহুক্তা বনদা চৎলো হায়রক্লে। মঙোন্দা করিশু নূংনাংদে, মমা অতোনবীগী ৱা অদু মপাইবুংঙোগী য়াথংগুম্না হরাওনা ফিগাও শানা য়াখি। খঙহৌদনা হোংলক্লিবা ফীবম অদুনা ইমুংহৃপ্না অমদি লৈবাকশীন্না ঈরাং থোকহল্লে ; অদুবু রামনা লৈবাকমচা তানা, চীং লেমনা অমসুং পূন্সিগী হেন্না ৱাংবা গুণশিংদা মশা কত্থোকচদুনা থৌদাং লৌরে। মমাইবেম্মা কৈকয়ীদা মহাক্না খুদক্তা বন চৎনবা থৌরাং তৌজরে হায়জৈ, অশেংবদি মপাইবুংঙোনা হেক পেনগদবা অদুতা তৌজনিংখিবনি। কৈকয়ীগী মঙককনবা

মতৌ অদুদা নুংঙাইজদ্রদুনা মপাইবুংঙোনা মাগী মাতুলগী ময়ুমদগী ভরতনা হল্লক্লিবা ফাওবদং রামবু ঙাইহনবা পামখি, অদুবু রামনা বন চৎপা অদু থেঙথখিবা তারবদি কৈকয়ীনা নীংজরিবা অদু কায়খ্রগনি খনবদা মেন তাফম খঙখিদে ।

মতাং অসিদা রামনা লোন্নবী মমাদা সংসারগী ওইবা লন থুম অমসুং অচৌ অশাং ওইবা করিমত্তা পামজদে হায়না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা হায়খি। মহাক্না পামজরিবদি পাকচাউরবা সংসার অসিদা ইচম চম্না বনদা লৈজদুনা মুনি ঋষিশিংগী মরক্তা তাঙলবা পুন্সি লেঞ্জরুবা অমসুং ধর্মবু তশেংনা য়োকখৎনবা হোৎনজরুবা অদুনি হায়খি । মানা হায় ঃ

নাহমর্থপরো দেবি লোকমাবস্তুমুৎসহে ।
বিদ্ধি মাং ঋষিভিস্তুল্যং বিমলং ধর্মমাশ্রিতম্ ॥

মহাক্না হায়রিবসি কৈকয়ীদতা নত্তনা জগৎপূম্বদা হায়বা মাল্লি । মহাক্না হকচিন্না হায়নিংলিবসি "নাহম্" (ঐ নত্তে), " লোকম্" (সংসার অপূম্বা) অসিনি। মসিনা বাল্মীকিনা পামজরিবা মী অসি অযোধ্যাগী নিংথৌমচাগী থাক্তগী মীয়াম্না পামজবা মীগী থাক্তা পুখৎহল্লি। মহাক জগৎ অসিদা লৈবনি, জগৎ অসি মহাক্কীনি। রামনা পুকচেল ফজরিবসি মপাইবুংঙোগী য়াথং অমুক ঙাইবা তৌদনা লোন্নবী মমাগী ঈঙ্গিৎ খজিক্তং ফংবগা বনদা নুংঙাইনা পূন্সি লেঞ্জরুরগে হায়না কৈকয়ীদা হায়রকপা অসিনি। খুদক্তা মপাইবুংঙো অমসুং কৈকয়ীগী মখোঙ পায়দুনা খুরুম্নল্লগা বিদায় লৌরে অদুগা মমাগী বর নিজনবা চৎলে । লম্বীদা মহাক্কী ফম্বাল কাবগী কুম্মে য়েংগনি হায়দুনা ঙাইনদুনা লৈরম্বা প্রজাশিংগা হৱাও-হৱাও উন্নে, মাগী মায়থোংদা ওন্ন-তৈননা থোক্লিবা থৌদৌ অদুগী মমি করিমত্তা তাখিদে ।

থাজদনা ওইরক্লিবা থৌদৌ অদুদা মমাইবেম্মা কৌশল্যা অমসুং মনাও লক্ষ্মণ অনীদি অৱা মৈশা লাংঙি । লক্ষ্মণদি নিংথৌগী য়াথং অদু ফোংনা শীঙনৈ, মশানা ফংফম থোক্না ফম্বাল কাগদৌরিবা রামদা শাথিনা অরানবা তৌরকপা অদুদা মপূংফানা লালহৌনিংবগী ৱাখল ফোঙদোকই । অদুবু পুকচেল চেৎলবা রামনা মহাক্কী ৱারেপ হোংখিদে, মপা ইবুংঙোগী উপাই লৈতবা মওং অদু মমাইবেম্মা অমসুং মনাওনুপা অনীমক্তা ভাব তাহল্লী, নিংথৌ কোনুংগী মীওই অমত্তবু ৱারৌহনবা তৌদনা বনদা চৎপগী খোঙথাং অদু মী খুদিংমক্তা য়ানিংহল্লী । ইমুং মনুংগী অমদি লৈবাক্কী থৌগল্লোন অমসুং ব্যবহার কায়হন্দনবা, পূন্সিগী মপূংওইবা গুণ অচুম্বা অমসুং নিয়ম কায়দবা হায়বসি চেৎশিনহন্নবা রামনা থৌনা ফরবা খোঙথাং অসি লৌখিবনি। তশেংনমক কৈকয়ীনা গুণ অনী অসিগী লুরবা চয়েৎনবা অমা থোকহল্লে, অদুবু মতম অদুগী খোল্লাউ অমসুং দরকার মতুংইন্না চাউরবা ওইজবা থাদোকপগী থৌরাং তৌদুনা খুদক্তা চয়েৎনবা অদু কোকহল্লী ।

পুকচেল ফজরবা মী অসিগী অকনবা ৱারেপ অসিনা লৈবাকপুম্বা থিম্বা

তৌদনা ঈহৌহল্লী অমসুং শহরগী মী খুদিংনা নিংথৌমচা অসিবু থিন্দোক্লবা থৌরাংঙি। সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা লৈহৌ হায়বা য়াখিদে। রাম মথন্তা বনদা চৎখিবা হায়বসি মখোয়না খঞ্জবা ঙমজদে। মমৈদা রামনা মখোয়গা লোয়নবা তাখি। মতীক মগুণ লৈরবা বশিষ্ঠ ফাওবনা রাম য়াওদবা লৈবাক অমা হায়বসি খনফম থোক্তবা ব্রাফম অমা ওইবনা শহরগী মী পূন্নমক মখোয় অহুম্না চৎপদা য়াওবা য়াগনি হায়না লাউথোকই। মাগী মোত মতুংইন্না রাষ্ট্র (লৈবাক) অমা হায়বসি বনদা ওইরবসু নৎত্রগা শহরদা ওইরবসু, রাম লৈবা মফম অদুনি হায়। অহিং লেন্নবগীদমক তমসা তুরেল মপান্দা রামনা লেপ্পা মফম অদু ফাওবা মুনি ঋষিশিংনা মহাক্কা লোয়নৈ। গঙ্গা মপান ফাওবা দোলাইদা রামবু থিল্লবা মতুংদা সুমন্ত্রগী শগোলশিংনা দোলাই মমায় ওন্দুনা চিংঙু হায়বা য়াদ্রে। ব্রাজরবা মমা মপাদা খাঙবা কনবগী শক্তি লৈরক্তরে, রামগা কায়নবদা দশরথকী মমীৎ অদুম উখিদ্রে, পূন্সিগী ওইনা তাঙখরে। থৌদোকশিং অসিনা তাক্লিবা বাল্মীকিগী শাঙলবা মীৎয়েংদি - মীওইবগী গুণ পূন্নমক্কা তিল্লবা লাইগী গুণদকী ফাওবা হেল্লবা মী অথোইবা অমগী শক্তম য়েক্লি হায়বসিনি।

চিত্রকূটকী থৌদোক্তা বাল্মীকিনা পামজরিবা মী অসি অৱাংবা পূক্নিং অমসুং অফবা লমচৎকী লেংদ্রবা খুভমদা লৈতানা লৈরবা হেন্না লেমজনিংঙাই ওইবা মীওইবগী থাক্তা পুখৎলি। মীওইবগী ব্রাখলবু হৈশিংনা শেমশাবা ঙম্নবা কলাকার অমা ওইনা বাল্মীকিনা - রাম অমসুং ভরত অনীগী শক্লোন অসি, করম্বনা হেন্না অৱাংবা থাক্কীনো হায়বা হায়ফম খঙহন্দনা শাগৎলকই। মচীন মনাও অনীমক্কা অশেংবা ব্রায়েলগী মায়গৈদা লেপ্পী, অচুম্বগী মতীক ময়াইবু থাঙ্গৎলি, থোকফম থোক্তবনা থোকহনবা, লূরবা সমস্যাবু প্রজাগী য়ায়ফগদবা মওংদা নীংথিনা তাইশিনবা য়ানবা ব্রা ঙাংঙি। অদুবু ময়েকশেংনা য়ানবসু ঙমদ্রে, য়ানদবসু ঙমদ্রে। মমৈদা, রামনা অশেংবা ব্রায়েল অমসুং অচুম্বা অনীমক অঙকপা মওংদা চুংশিন্নবা য়াবা ব্রাফম থাঙ্গৎলকই। মানা হায়, " ঐখোয় অনীমক্কা পানবা য়াবা মওংদা লৈবাক অসি য়েন্নরসি। অযোধ্যাগী মপান্দা লৈরিবা চাউরবা লমদমশিং উমং-ব্রামং অমদি শা উচেকশিংগী নিংথৌ ঐনা ওইরগে নহাক্না অযোধ্যাগী নিংথৌ ওইনা মীওইবগী হেন্না য়ায়ফবা অমসুং চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনরো।" মসিনসু ভরতপু পেলহনবা ঙমখিদে। ভরতনা ময়াম্বদা হায়জৈ - বনদা চহী তরামরি চৎলিঙৈ মনুং, যুমদা হল্লক্ত্রিঙৈ ফাওবা অদুদি ময়াম্বগী মহুৎ ওইনা মহাকপু অযোধ্যা ঙাকশেলহনবিয়ু। রামগী শেঙলবা খোঙনেৎ ওইনরিবা খুরুম অনী অদু ভরতনা লৌজহৌরে। রামনা শহরদা হল্লক্ত্রিফাওবা খুরুম অনী অদু ফম্বাল থক্তা থম্লে। অসুম্না মচীন মনাও অনীনা মশাগী ওইজবা থাদোক্লদুনা লূরবা সমস্যা অদু মশা মশাগী থৌদাং য়েন্নদুনা য়ানবা পুরকই। বাল্মীকিগী পূক্নিংগী ওইবা হৈশিংলবা নীংথিবা থৌরাংনা চিত্রকুটতা

থাক ৱাংনা ৱারী শান্নহন্দুনা পুরকখিবা মায়পাকপা অদু মসিনি ।

রামগী খোঙচৎকী (আয়ণম) অহুমশুবা মতাংদি - পূক্লিং হুনা ফজরবী নুপী অমা লোয়নরগা লম্বোইবা শাদুনা চৎলিবা রামগী শেঙলবা পুকচেল অদুবু বিরাধনা শীঙনরদুনা মখোয় অহুম্মক্তা খঙহৌদনা লান্দারকখিবা অদুনি । রামনা মশাগী ৱাফম শেংদোক্লিৈঙদা বিরাধনা সীতাবু খুদুম চনশিল্লগা নিংথৌমচা অনী অদু মথৱাই হিংনবা চেনখ্রো হায় । অদুবু নিংথৌমচা অনী অদুনা হিংচাবা অদু তম্না কন্না চেনশিল্লক্তুনা খুৎ থানবা হোৎনরক্লবদা, বিরাধনা মখোয় অনীমক মরেংবান্দা থাঙ্গৎলগা চেনবা হৌরকই । হিংচাবা অদুগী কা হেনবা শাজৎ অদু উবদা লক্ষ্মণগী পূক্লিং খোয়রাংঙি । লক্ষ্মণগী মতৌ অদু উরগা রামনা মোমোন নেক্লেদুনা অসুম্না থেমজিনখি - করিমত্তা খঙদ্রিবা বন অদুদা হিংচাবা অদুনা মখোয়বু লমজিংবিগে হায়রিবসিগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎফম থোকই । বিরাধনা চৎলিবা লম্বী অদুগী মতুং ইন্না চৎসি হায়রিবা রামগী ৱাফম অসিনা রামগী মোং-হাদবা পূক্লিংগী শাজৎ উৎলি । অদুবু সীতানা কিজরদুনা হিংচাবা অদুদা লাউখোংলক্লবদা মখোয় অনীনা হিংচাবা অদুগী মরেংজুম ককথত্তুনা চৎপা ঙমহন্দ্রে । তুংদা, মরাইবক থীরবা হিংচাবা অদু শাপ অমদগী গন্ধর্ব্ব অমনা ওনখিবনি হায়বা খঙলক্লে, শাপ অদু কোক্লবগীদমক মহাক্লা নিংথৌমচা অনী অদুবু ঙাইজরম্বনি । থৌদোক অসি, লাইনা হান্ননা নীংথিনা শীন্দোকপ্রবা থৌদাং পাঙথোক্তদৌরিবা মী অসিগী কান্নরবা খোঙচৎকী অহানবা তাংককনি । মসিসু অঙকপনি - সরভঙ্গ কৌবা অচৌবা ঋষি অমনা রামবু খৌরাংনা ঙাইরি, দণ্ডককী থৌনাফরবা খোঙচৎতা মহাক্কী মতেং পাংনবা থৱায় য়াওনা শেম শারিবনি হায়নসু বিরাধনা শিদ্রিৈঙদা রামদা হায়রম্মী ।

দণ্ডক বনদা লৈরিৈঙগী রামগী শাজৎ শাওং পূম্নমক অসি তপস্যাগী মফম ওইরিবা লমদম অসিদা হিংচাবশিংনা ওৎ নৈবদগী কনদুনা শান্তি থম্নবা ঈশ্বরগী অনীংবা অমগী মতুংইন্না হান্ননা শেম শাখিবা মাল্লি । বিরাধ থেংনরুরবা মতুংদা লম অদুগী মুনি ঋষিশিংগা উন্নরে, মখোয়গী অৱাবা ৱারীশিং ইংনা তপ্না তারে, মফম অদুদা হান্নগুম্না তেক্ত-কায়দনা লৈহনগনি হায়দুনা থাজবা পোকহল্লে । মহাক্লা লাইগুম্লবা মীওই অনী হায়বদি সরভঙ্গ অমসুং সুতিক্ষনা থেংনবদগী মফম পূম্নমক অদু চহী তরা চঙনা য়েংশিনবা ঙমখি । মসিগী তুংদা অগস্ত্যগী মনাক্তা চৎলে । অগস্ত্যনা রামদা গোদাবরী তুরেল মপান্দা লৈবা পঞ্চবটী কৌবা মফমদা লৈননবা তাকপিরে । মতম অসি ফাওবদা বিন্ধ্য চীংজাওগী অৱাংথংবা পূম্নমক হিংচাবশিং অমদি মখোয়গী মচা মশুশিংনা ওৎনৈবা পূম্নমক্তগী কনবা ঙমলে । হৌজিক তশেংনা ৱাগদবা মতম লাক্লে । মহর্ষি অগস্ত্যনা মসি উরদুনা বিশ্বকর্ম্মনা বিষ্ণুগীদমক শাবা লাইগী লীরুংগা ব্রহ্মদত্ত কৌবা মায়থিনিংঙাই ওইদ্রবা তেন অমগা রামদা পীরে । থাঙ অমসু পীখি । জনস্থানগী মচি মচিদা লোত্তুনা লৈরিবা

হিংচাবশিং তাম্থোক্তুনা মুনি ঋষিশিংগী লাইনীংফমশিং কনবদা খুৎলাইশিং অসি শীজিন্নৌ হায়না হায়খি । অতোপ্পা মরুওইবা পাউতাক অমসু পীখি - নিংথৌ কোনুংগী নুংঙাইবা পূম্নমক থাদোক্তুনা মতুং ইঞ্জরক্লিবী সীতাগী পেন্ননবা তৌবা য়াবা পূম্নমক তৌগদবনি হায়নসু তাকপিখি । রামগী ধর্মচেনবা শাজৎ অমসুং মপা লৈত্রবা মপাঙ্গল অদুগী মতেংনা মহাক্লা পামজরিবা থবকশিং অদু শোয়দনা পাঙথোকপদা শান্তিগীদমক্তা পোক্লকুবা মী অমা ওইনা মায়পাক্কনি হায়না অগস্ত্যনা রামদা থাজবা পোকহল্লী । পূম্নমক অসিনা ময়েকশেংনা তাক্লিবদি ঋষি অসিনা তুংদা থেক্লকক্কদবশিং অদু উরদুনা রামদা নীংথিনা শেম শানবগী থবক চৎথনবা হায়রি হায়বসিনি । অসুম্না, তুংদা থেক্লগদবা উরবা ঋষি অগস্ত্যদগী পাঙ্গল অমসুং থৌনা হাপ্লদুনা পঞ্চবটী তম্না চৎনা চৎনা অযোধ্যাগী নিংথৌমচা অদু লাইগী থৌইনশিনগী মপাউ পুবা মী অমা অসুম অসুম ওইরক্লে ।

পঞ্চবটীদা লৈবা হৌরকপা মতমদু হেমন্ত ঋতুগী নুংঙাইরবা মতমনি । ঋতু অসি লক্ষ্মণগী ৱাখলদা রামগী খ্বাইদগী পামজবা মতমনি । ইখ্বাকু শাগৈগী লিরবা মরুপ জটায়ুসু অহুমগী নাক্তা লৈররে, নিংথৌমচা অনীনা চৎথোকখিবা মতমদা মহাক্লা সীতাবু ঙাকশেল্লি । গোদাবরীগী ইংলবা ঈচেলগা মায়য়োক্লনা লক্ষ্মণনা শাবা, পিক্তি পিক্লগা পূক্লিং হুনিংঙাই ওইনা নীংথিজরবা পর্নশালাদা (লৈকোলগী য়ুম) লৈবদা অযোধ্যাগী মহৌশাগী নুংঙাইজবদু মখোয় অহুমদা নীংশিংহল্লি । হৌজিক্তি অদুগুম্বা অযোধ্যাদুদা ভরতনা রামগী মহুৎ শীন্দুনা লৈঙাক শাসন পায়না পায়না লাইনীংবা মী অমগী শাজৎ চত্তুনা মপুন্সি লেল্লি । নোংঙাল্লকপদা গোদাবরীদা ঈরুজথেক্লগা নুংঙাইরবা ৱারী ৱাতাই কয়া শাই, খোন্থাং য়ৈনা লৈহৌরবা রামগী ৱারোইশিনশিং অদু তুরেলগী ঈচেল ফাওবনা ফাজিন্দুনা থমহৌই । মহৌশাগী শক্তম পূম্নমক্তা শকউদবা কনাগী মপান্থোংগী, পূক্লিংগী অমদি লাইগী ৱাখল্লোন পূম্নমক অসিগী অপূনবা মমি তারি ।

খঙহৌদনা, নোংমা সূর্পণখা লাকপদগীদি বাল্মীকিগী ৱাহৈদা, শিব, পার্বতী অমসুং নন্দী মাল্লি হায়রিবা মী অহুম অসিগী পূন্সিদা অকায়বা পীররে । লাইনীংফম ওইরবা য়ুম মচা অদুদা নুপী অদুনা কল্লক মিহৌবগী ৱাখলনা মাঙ থারদুনা চংশিল্লকই । রাম ফারগে, ফংদ্রগনা লক্ষ্মণ নৎত্রগা ঙম্লবদি অনীমক ফারগে, দরকার লৈরগদি সীতাবু মাগী অনীংবদগী তাম্থোকখিগে হায়না মহাক্লা লেপলে । মসিনা পূম্নমক্তা অকায়বা ওইহল্লে, অকিবা ফংলবা লান অমা থেক্লকুবগী অনৌবা ফীভম অমা লাকহল্লে । অহানবদা রামনা থৌদোক অসি তরাই-তরাই লৌরম্মী, শকখঙদবী অদুদা ফাগী তৌনবফাওবা হোৎনখি । অদুবু, নুপী অদুনা সীতাবু ফারগা অয়ুক্কী চরা ৱান্নরগে হায়রকপদা রামনা লক্ষ্মণদা নুপী অদুবু পাড়া তম্বীনবা হায়খি ।

পাড়া ওইনা নুপী অদুগী মনাতোন অমসুং মনা মচেৎ খরা ফকখরে । মহাক্না লাউ খোংলদুনা চেনখ্রে, মবুং খড়দা তক্লুরে, খুদক্তা লান্দাবা হৌরক্লে । হিংচাবা তরামরিগা পীক্না লান শোক্লুরম্বদগী মখোয় লীশিং তরামরিগা অকিবা ফংনা লান শোক্লুরে ।রাম মথন্তনা লোয়না হাৎলে । মমৈদা লুচিংবা অহুম খড় (ৱাঙাং কনবা), দূষণ ( চৈ-থাংবগী মকোক), অমসুং ত্রিসিরা (মকোক লোঙবা) লোয়না হাৎলে। পূম্নমক অসি মতম খজিক্তগী মনুংদনি, লাইশিংনা য়াম্না থাগৎলি, মনাওনুপানা মঙ্গলগী মশক ওইনা মোমোন নোকই, মাগী নুপীনা খংকোন অমুক্তং কোনশিঞ্জে।

অদুবু মসিনা কোমথোক্লিংঙাইদি ওইখিদে । থোয়নদুম রামগী হেন্না চাউনা শীংনবা অমা হৌরকপনি; রাবণগী মরুম থুপ্পুনা জনস্থানদা লিংখৎখিবা হিংচাবশিংগী লৈফম অমা মীৎকুপ অমদা মাঙহনখিবা অসিনা হিংচাবশিংদা চপ চানা অৱা পাউজেল অমা ওইরে । অকি অখং লৈত্রবী সুর্পণখানা খঙহৌদনা ওইরক্লিবা ফীবম অসি থোকহনখিবনি; মহাক্না মবুং রাবণবু থৌদোক অসিগী মখা তাহল্লকপনি । মচনদগী পাউ তারে, লানদা হিংহৌবা মাগী লাম্নী অকম্পনদগীসু তারে । রাবণনা রামদা মতীকচানা লমন খুম্নবা থৌরাং তৌরে । অদুবু মাগী লাল্লোংদি ফোংনা রামগা লাম্বা তৌনবগী মহুত্তা লোন্ন-থুপ্না ফত্তবা মওংগীনি । মমৈদা, সীতাবু মথন্তা তোঙান্না থম্নবগী থৌরাং মায় পাক্লে, অশোক বনদা মহাক্না শেন্নদুনা সীতাবু থমখ্রে; অদুবু তৌরিবা অদুনা মাগী লৈবাক, মাগী শাগৈ অমসুং মশামক্কী পূম্মাঙ মাঙনবা ওইরক্কদৌরি হায়বসিদি মহাক্না খঙখিদে ।

বাল্মীকিনা লূরবা তাংফম অসিদা রামনা চৎলিবা শাজৎ অসিগী মপান্না রামগী নুংগী ওইবা মগুণশিং ফোঙদোক্লি । সীতানা সনাগী শজি অদু মঊনতা ওইরবসু ফংজনবগী য়াম্না পামজবদু উৎলি, মদুদা লক্ষ্মণনা রামদা শজি অদু অশেঙবা নত্তে, হিংচাবশিংনা মখোয়বু নমথাক তৌননবা শাজিন্নবা শজিনি হায়খি। রামনা মদু খঙলবসু অগস্ত্যনা তাকপিখিবা মতুংইন্না মাগী নুপীগী অপাম্বদু থুংহল্লগে হায়না মপূক্লিংদা লেপখি । শিংলবা মনাওনুপা লক্ষ্মণগী চেকশিনৱা অদুদগী ঋষিগী ৱাফম অদুনা মঙোন্দা হেন্না লূমনা থোকখি । মাগী য়েক্লবশিংনা তৌরক্লিবা শীঙনবা অদু মহাক্না মায়য়োক য়ানিংঙি, অশেঙবা খঙদোক্লিংঙি, হোৎনরক্লিবা অদু মরু ফংনা মাঙহন্নিংঙি । স্বর্গ-লমদমগী থৱান্মিচাক্কী শজিনা (তারা মৃগ) ওইহল্লক্লিবা শাশিন্নবা শজি (মায়ামৃগ) অদুনা পুকচেল ফজরবী সীতাগুন্বী অমগী পূক্লিংবু শুমহৎনবা হোৎনরি হায়বা মহাক্না খঙঙি । খাংপোকশঙ্ অদু থাদেক্লমদাইদা লক্ষ্মণদা, খুদোংথিনিংঙাই কয়া অকোয়বদা লৈরকপা য়াবনা, য়ারিবমখৈ কৃপ্না শেন্নদুনা মমীৎ-মনা শিংহল্লম্মী । করিগীদমক্তা সীতানা ঙহাক্কী অপাম্বা অমগী মখা পোনখিবা অমসুং করিগীদমক্তা রামনা পোলোই ফরোই হায়বা খঙনা খঙনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অসি থাংখিবনো হায়বসি লক্ষ্মণনসু খনবদা লাম্বা ফংখিদে,

রামায়ণ পারিবা মীশিংদসু ৱাহং অসিনা চম্মমনবা পোকহল্লি । মসিগী পাউখুমদি রামগী তুররিংবা শাজৎ অমসুং মথক্ থোংবশিংবু ইকায় খুম্নবগীদমক পূন্সিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা থেংনবদা হালেংদবা, পুকচেল তিংনা লোয়নরিবশিংবু পেলহনবা অমসুং অচুম্বা অমদি ফজবা ৱায়েলগী ফিরাল পাইহনবা—পূম্নমক অসিনা ওইগনি । পূন্সিগী অচৌবা থৌদোক পূম্নমক্তা লাইগী থৌইনশিন য়াওই হায়বসি মহাক্না চেৎনা থাজে । মসিনি রামগী খোঙচৎকী খ্বাইদগী শাথিরবা তাংফম; তাংফম অসিদা থৌনা লৈনা অমদি ইংনা তপ্না পাঙথোক্লবগীদমক মহাক্না পূক্লিং মকা লামনা শেম শাদুনা লৈ ।

অদুমকপু তুংগী ফীভমশিংগা মায়য়োক্লরকপা মতমদদি রামগী হায়নিংঙাই লৈত্রবা থৌনা অদু মতম খরদংদি খঙহৌদনা মীচম অমগী মতৌ ওইরে, মহাক্কী চান্নথোইবীগী লৈফম থিননবগী ঈখৌ লাংলকপা উত্তুনা চুম্নগী মপুরোইবা অমতমক ওইরক্লে; চীং, তুরেল, উচেক অমসুং লৈ পূম্নমক্তা অৱাবগী স্বর হোন্দুনা কপ-লাউরক্লে । মশাশিং অদু ঈ তৈরদুনা লৈরম্না জটায়ু উবদা, থাজনা থন্নিবা উচেক অদুনা নত্তবা থবক তৌরব্রা হায়দুনা চিংনরক্লে । অদুবু থাজবা মাঙহনখিদ্রবা উচেক অদুনা রাবণগী তমথীরবা মখুত্তগী সীতাবু কন্ননবা হোৎনজবদা পাম্মুজরবা মথৱায় কৎথোকশ্রবনি হায়বা খঙলক্লবদা, মাবু পোকপা মপাইবুংঙো ফাওবদা তৌররোইদবা চাউরবা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা উচেক অদুগী সংস্কার তৌখি । মাগী চান্নথোইবীবু থিবদা মনাওনুপাগী লেংজুম কোন্দুনা কপখি । ময়ুম, মরৈবাক, পূন্সিগী লোয়নবী অমসুং মাগীদমক অমদি মাগী ঈজ্জৎকীদমক মপূন্সি কৎথোকপা ঙম্নবা মিনুংশি চাউরবা উচেক — পূম্নমক অসিবু মঙোন্দগী কায়নহল্লিবা মাগী মরাইবক অদুগীদমক ৱাদবা ঙমখিদে । রামগী লমচৎতা অসিগুম্বা মীওইবগী শাজৎপু মমি তাহনবা ঙন্নিবা অসি মাবু শেন্নিবা লাইপোক অসিগী মগুণনি । মহাক্কী মহাকাব্যদা য়েক্লিংলিবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা লেঙদনা লৈরগদবা অমসুং অৱা খোঙথাং খুদিংদা মপু ওইরগদবা মী মখল অদু মসিনি ।

দণ্ডক বনদা রামনা কোইচৎ চৎলিঙৈ মতমগী অচৌবা শক্লোন অমদি মহাক্কী য়েক্লবশিংসু মহাকপু শেন্বীবা মীওইশিং ওইখি হায়বসিনি । অহৌবদা, বিরাধনা রামবু ওকচনবগী খৌরাংনা ঙাইরিবা সরভঙ্গগুম্বা মুনিশিংগী লৈফম তাক্লমদুনা মহাক্কী বনগী খোঙচৎ থুজিনহল্লম্লে । অরণ্যকাণ্ডগী লোইরমদাইদা মতৌ অদুগুম্না কবন্ধানসু ( লোইশিন্দবা শক্তম) কিষ্কিন্ধারোমদা চৎনবা হায়রম্মী, মফম অদুদা সুগ্রীবগা মরুপ শান্নৌ, মহাকসু রামগী মতেং ঙাইরি, লোয়ননা মতেংসু পীরক্কনি হায়না তাক্লম্মী । অসুম্না, রামগী শীংথানিংঙাই ওইরবা খোঙচৎ অসিগী পম্বুংফম য়ৌনবা হান্ননা য়াৎথোক্লুনা থন্নবা পরিঙ অমদা মরুপ মপাং অমসুং য়েক্লবশিং, ঋষিশিং অমসুং হিংচাবশিং, শাহিংচাবশিং অমসুং লাইওইরক্লবশিং, মী অমসুং

য়োং — পুম্নমক্কী মতেংনা তপ্না তপ্না চংশিল্লক্কি। রাম মশামক্নসু ওইরক্নিবা অঙকপা থৌদোকশিং অসিদা মতম কুইনগী য়েক্নবশিংনা মশানা য়ানিংনা মাগী ফনবা তৌবা মী ওইরকপদা ঙকচৈ। "মসিনা নঙগী য়ায়ফনবগী লম্বীনি (এষ রাম শিব পন্থ:)" হায়বসি কবন্ধদগী বিদায়গী খুদোলপোৎ ওইনা রামনা ফংঙি। -মশামক মীগীসু লাইগীসু গুণ অনীমক চেনবা রামগী নোল্লুকপগী অয়ৌবী থাক মসিনি।

কিষ্কিন্ধাদা সুগ্রীবগীদা লৈরিঁঙেদা রাম অসি হেন্না নোল্লুকপা অমসুং মীওইবগী শাজৎ চৎপা মী অমা ওইনা উৎলি। মহাক্না সুগ্রীবগী মতেং পান্বদগী সুগ্রীবনা মহাক্কী মতেং হেন্না পাম্মী হায়বসি মহাক্না খঙঙি। অদুবু মহাক্কী খুদক্তা তৌগদবদি সুগ্রীবদগী মহাক্না হেল্লী হায়বা ৱাখল থাদোক্তুনা রাবণগী চান্নরবা মরুপ অমা ওইরিবা ময়াম্বা বালিনা মাগী লৈফম অমসুং য়ুম্বানবগী পুন্সিদা অকায়বা কয়া পীরিবা অসিদগী সুগ্রীববু কনবা হায়বা অসিনি। লৈঙাক্লোনগী হৈশিংবা উত্তুনা রামনা মরুপ সুগ্রীবদা মাগী (সুগ্রীবগী) হান্না হোৎনরগা তুংগীদি মানা (রামনা) থোকপা তৌজগে হায়না থাজবা থম্মবা লেপ্লে। রামগুম্বা অচৌবা মীওই অমগী পুকচেল চাউবা অসিনা সুগ্রীবগী পূক্নিংগী পাঙ্গল হাপখি, শক্তি মুন্নবগী চাউরবা সমস্যা পুম্নমক অদু অকক্নবা মতমগী মনুংদা ফল তাহনখি। মতাং অসিদা হনূমানগী থৌদাং য়াম্না মরুওই। মহাক্না রামবু উবমক্তদা অমসুং মীৎকুপ অমক্তং রামগী ৱাঙাং ইহান হান্না তাবতদা মহাক্কী ওইরক্নদৌরিবা লাইগী শক্তি অদু রামনা মঙোন্দা উবা ফংখি অমসুং হনূমাননা রামদা হেন্না হেন্না নকশিল্লকই। রামনা বালি উহন্দনা করম্না থেংনসিগে হায়বসু লেপথোক্লে। উগী মরুমদা থুপ্লগা রামনা বালিদা তেননা থাবা মতমদা ধর্ম চেল্লী হায়রিবা রামগী শাজৎ অদু বালিনা করেম্লে। অদুবু রামনা মথৌনা লৈতবগুম্না মসি তৌখিবদি নত্তে, মহাক মফম অদুদগী চেনখিদে, য়েক্নবা অদুগা ইফোং ফোংনা লৌথুপ লৈকোই লৈতনা উঁন্নে, করি মরমগী অদুম্না তৌরিবনো হায়বদু শন্দোক্না হায়খি। তশেংবদি রাবণগুম্না বালিবু খুদক্তা শিদনবা তেনগী খুৎকাপ কাপখিবনি। রামগী ৱারোল বালিদা মরীকচুম্না মতম চঙনা তাহল্লী, অরানবা তৌদে হায়বগী থাজবা পোকহল্লী। বালিদা মাগী নুপী অমসুং মচানুপাগসু ৱারী শান্নহল্লী। রামগী ফজরবা ৱায়েল অমসুং নীংথিনা শেমশারগা পাঙথোকখিবা থবক অদুনা কিষ্কিন্ধাগী লৈঙাক শাসন্দা শান্তি ওইনা চাউ্না অহোংবা পুরকই। ময়াম্বগী মহুত্তা সুগ্রীববু নিংথৌ ওইহল্লিবা মতুংদসু মীতা থিরুনবগী ৱাশক্নখিবা থবক অদু চৎথদ্রিঁঙেদা মশাগী ফীভম চেৎশিন্নবা থা মরিগী মতম মপুংফানা পী। থা মরিমক অদু রামনা প্রস্রবণ চীংগী গুফাশিংদা মতম অদুগী মহৌশাগী পূক্নিংহুনা ফজরবা শক্তমশিং অদু য়েংদুনা লেল্লী।

হায়নখিবা মতম লোইরবফাওবদা সুগ্রীবনা থুনা য়াঙনা তৌফম থোকপা

তৌরক্লবদা, রামনা লক্ষ্মণবু মাগী মনাক্তা থায়, মহাক্লা শকখিবা ৱাশক অদু নীংশিংহল্লুই অমসুং মহাক্লা অসুম খঙশিন-তাশিন্নদনা লৈথোক্লবদি তুংগী অৱাবা কয়া লাক্কনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ তৌহল্লুই। অথোৎপা অমসুং অর্থ লৈবা ৱাঙাং শীজিন্নদুনা রামনা সুগ্রীবদা বালিগী মতৌ তমদনবা হায়খি, মরমদি হৌজিকফাওবা বালিগীদমক মহাক য়াওনা মী খরদি অদুম মরৈরি। ৱাঙাং মতেক অসিমত্তংনা কিষ্কিন্ধা পুম্নমক মীৎকপ থোকহল্লে, লালহৌবা য়োংয়াম লাখ লাখ কয়া সুগ্রীবগী অথুবা য়াথং ফঙলদুনা খুদক্তা পূল্লরে। য়োংগী লান্মী তেঙ্গোল অদু মাগী মরুপ রামগী খুত্তা শীন্নরে, য়াথং তৌবিনবা হায়জরে। রামনা য়াম্না নুংশিনা সুগ্রীবদা য়াথংদি নিংথৌনা তৌগদবনি, মরুপ্না তৌফম থোক্তে হায়খি। অচম্বা হৌন-শাজৎশিংদা রামনা কয়া য়াম্না কৃপ্না হৈশিংনা অমসুং নোল্লুকনা চৎপগে হায়বদু থৌদোক অসিনা উৎলে।

মায়ৈগে মরিমক্তা লান্মী লাখ লাখ থানবা হোৎনরবসু কনানা থবক চপচানা ঙমগদগে হায়বসি রামনা মাগী থম্মোয়নুংদা খঙবা ঙম্মী। মহাক্লা হনূমান কৌথোক্লুনা মাগী মিং হক্লবা খুদোপ অদু শীন্নরে, সীতা থেংনবা থোক্লবদি খুদোপ অদুগী মপান্না মাগী শক খঙনবা থৌরাংনি। রামনা হনূমানবু হকচিন্না থাজৈ হায়বসি মতাং অসিদা উৎলি। রামনা তুংদা মায়পাকপা হায়বসি হনূমানগী পাঙ্গল, লৌশিং অমসুং পুক্নিংগী লোইবা নাইররোইদবা শক্তিদা পূল্লপ লৈরবনি হায়না হনূমানদা (য়োং পুম্নমক্কী মনুংদা মণিমুক্তা ওইরবা) মঙ্গল আশীর্ব্বাদ পীবগী মওং অসিনা রামদি তশেংনা মহাত্মা অমা ওইবগী পুকচেল চেল্লি হায়বদু নীংথিজনা তাক্লি।

মায়ৈগে কয়াদা য়োংগী তেঙ্গোলশিংনা সীতা থিবা চৎথ্রিঙৈদা রাম অমসুং লক্ষ্মণনা ইংনা তপ্না মখোয়না হল্লকপা ঙাইদুনা লৈরি। অদুবু "সুন্দরকাণ্ড" দা অতৈ পুম্নমক্কী ৱাখল অমসুং থবক্তা রামনা মফম পুম্নমক্তা লৈবগী মওং থৌদোক অয়াম্বদা উবা ফংঙি। লঙ্কাদা তৌরিবা পুম্নমক্তা মাগী শক্তি উৎলি, মখোঞ্জেলদি তাদে। মহাক্লা হনূমানগী লমজিংবনি, মাগী মমিংনা সীতাগী থম্মোয়গী মিহুল ওইখি, মাগী ৱাখলনা রাবণদা অহিং নুংথিল নাইদনা লেপ্তুনা অকিবা পোকহল্লী, অশোক বনদা সীতাগী নাক্তা ঙাকশেন্দুনা লৈহল্লিবী অহল ওইরবী নুপী ত্রিজটা ফাওবনা অয়ুক অঙনবদা রামগী মঙ মঙঙি, মাগা লোয়ননা ঙাকশেল্লিবীশিংদা মাগী মঙ অদু শোয়দনা চুম্লগনি, রামনা রাবণবু হাৎলরগনি লঙ্কা অসি বিভীষনদা শীন্নরল্লগা সীতাবু অযোধ্যাদা পুখ্রগনি হায়না তম্মী। রামনা হনূমানবু তৌবিমল য়াম্না খঙবগা লোয়ননা কোনখি, মহাক্লা ঙমজবী মওংদা য়াম্না তোম্ব্না, মতম অদুদদি, কোনবা অসিতমক নত্তনা অতৈ লমন শীংনিংঙাই লৈত্রি হায়। সীতানা হনূমানদা রামগা থুনমক থুংনজনবগী খুদম ওইনা শীন্নরকপা কোকথক্কী মণি (চুড়ামণি) অদু উবদা রামগী মীৎলুদগী অতৎপা লৈতনা পিরাং শিন্থখি।

মী অমা ওইবগী থোৎ নৌরবা পুকচেল অসি চেন্দুনসু রামদি তশেংনমক

থবক্কী মীনি — শাজৎ হৈ, তৌথোরকপদা পূক্লিং শেপতে। লঙ্কাগী অরোন অথুপশিং অমসুং লম অদুগী নিংথৌগী মওং-মতৌ পুম্নমক হনূমানদগী খঙদোক্লে, অদুগা থুনমক রাবণগী মথক্তা লান্দানবা লান্মী তেঙ্গোল শেমগৎলে। মচিন মনাও অনীনা সমুদ্র তম্না খোঙশাল্লকপদা অতিয়াদা য়েংখৎলি, অচুম্বা অমদি মীচং মীখাই নাইদ্রবা শিৎলিবা নুংশিৎতা মখোয়গী মঙ্গল পীবিনবা নিঁজে। অদুবু রামগী চাউরবা মগুণ অমদি লঙ্কাগী নিংথৌনা অরানবা তৌরগা মরাল লৈজদ্রবা প্রজাশিং অদু করম্না মাঙ তাকহনগদগে হায়না চিংনবা পোকখিবা অদুনি। অদুমকপু মীওইবগী লমচৎ অমসুং চিংলেম্বগী গুণদা থাজবা থম্নবগীদমক পাকচাওনা হোৎনরকপদা থৌদাং অসি পাঙথোক্তবা য়াদ্রবনি হায়না লেপখি। মহাক্কী মপূং ওইবা পান্দমদি মহাক্কী নুপীগা থুংনবা নৎখিদে, সংসার অসিবু অচুম্বনা মায় পাক্কনি, নমথাক্লা মাঙ তাক্কনি হায়বসি উৎপনি, ৱাখল অসিদা মশাবু লাকশিঞ্জখি। মরম অদুনা, মশাগী কান্নবগী নৎতবা পূম্নমক্কী ওইনা য়ায়ফনবগীদমক লান তৌবদা লেপ্লে। ৱাখল অসিনা লানগী লমজিং ওইখি, লান্দা মায় পাক্লবা মতুংদসু ৱাখল অদি থাদোকখিদে।

অচুম্বা, মীচং মীখাই নাইদবা অমসুং শান্তিগী অহানবা খোঙচৎতা রামগী অহানবা অৱাবদি থবক ওইনা পাঙথোকপদা লুনা থেক্লবা, মতৌ করম্না মাগী লান্মীশিংনা সমুদ্র লাম্থোক্কদগে হায়বসিনি। অঙাওবা ঈশিং ঈপাক্তা অহানবদা ৱাকৎচৈ। মদুনা থবক ওইরক্লবদা, ঈশিং ঈপাক্তা কিহল্লে, লম্মী অমঃ 'পুথোক্লে, অঙকপা থোং অমা শারে। লাইগী শক্তি চংলবা মহাক্কী সেনাপতি নলগী মতেংনা থবক অসি পাঙথোকই। অকনবা থৌইনশিন অমা তশেংনমক য়াওই।

রাবণগী কাংবুদগী বিভীষণনা রামগী মীচংদা য়াওশিল্লকপা অদুনা রামনা হোৎনরিবা অদুগী মায়পাকপা পুরকপদা অচৌবা মতেং অমসু ওই। হনূমান নত্তনা য়োংগী অঙম অথৌ পূম্নমক্লা বিভীষনগী মরমদা চিংনদুনা রামদা মাবু লৌশিন্দনবা হায়জে, অদুবু মখোয়না হায়রিবা অদু ফোংনা ককথৎলুবা তৌদনা, হনূমানবুসু থোইনা য়োকখৎলুদনা, রাজনীতিগী হৈশিংলবা মীশক অমা ওইনা, চিংননিংঙাই লৈতবা মওংদা, মূন্না খল্লবা মতুংদা, রামনা হায় — হিংলিবা জীব অমনা মঙোন্দা তশেংনা চংজরক্লবদি মহাকপু চপচানা ঙাকশেনগনি, মীচং মীখাই নাইদনা শোয়দ-ঙামদনবা হোৎনগনি। মসিদগী অমুক মখা তানা রাবণনা করিগুম্বা চংজরক্লবসু খ্বাইদগী হেন্না হরাওনা ওক্কনি হায় রামদি হায়বু হায়দোকখ্রবদি থবকসু অদুম পাঙথোকপনি। খুদক্তা লক্ষ্মণদা বিভীষণবু লঙ্কাগী নিংথৌ খুবম লাম্থোক্লবা হায়খি। বিভীষণবু অসুম্না ইকাই খুম্নরিবা অসি মহাক্কী ধর্ম অমসুং অচুম্বদা পূক্লিং লূপচবা অদুগীদমক্তনি। মহাক্তি ধর্মাত্মানি, অদুনা ফীভম অদুদা (ঐশ্বর্য্য) মহাকপু ধর্মগী অবতার ওইরবা রামগুম্বা অমনা থাঙ্গৎলিবনি।

রাবণগা অহানবা লাম্থেংনবমক্তদা, রামনা য়াম্না কৃপ্পা লাল্লোংগী হৈশিংবা

উৎলি । মহাক্কী অহানবা তেন্না রাবণবু খুদক্তা জ্ঞান মাঙহল্লী, মখুত্তগী লীরুং নমদুনা তাহল্লী । ইন্দ্রগী বজ্রনা পানবা ফাওবদা মহাক্কা অশুক ৱানা খাঙখিদে। মহাক চপচানা চোকথরে, লানফমদা তুবগী মতাংফাওবা য়ৌরক্লে, অদুবু রামনা মোমোন নোক্না রাবণদা ময়ুমদা চৎলগা নুমিদাং অদু পোত্থারুনবা হায়, পাম্নবদি মথংগী নুমিত্তা লানফমদা হল্লকউ হায়নসু খঙহল্লী। মদুগী তুংদগী রাবণনা মহাক্কী শ্বাইদগী নুংশিজরবা মচানুপা ইন্দ্রজিৎ য়াওনা লাম্নী পূম্নমক লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা রামগা লানফমদা মায়য়োক্নবগী শক্তি লৈখিদ্রে ।

খুদোংথিবা মতাংদসু রামনা চপমান্নবা মওংদা শাজৎ চৎলি । সুগ্রীবনা রাবণবু অহানবা হেক উবদা চোংশিনখিবা মতাংদুদা রামনা চেকশিনৱা হায়খি, মশামক চপচানা চেকশিন্না লৈনবা তাকপিখি । মতম অদুগী তঙাইফদবা গুণদি থৌনা অমসুং পূক্নিং লাকশিনবা অসিনি, লাক্কদৌরিবা মতমদা অচৌবা অৱাবা অমসুং মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরকপা য়াবগী মতাং পল্লী । শম্মা অমসুং থৌনা ফনা অঙ্গদদা পাউ চেনখিবা অদু মওং ফজনা তারবনি। রাবণগী মফমদা অঙ্গদনা তমখিবা পাউ অদু চিৎথনা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না তমখিদে। মঙোন্দা চংজরকউ, জানকীবু মপুরোইবগী মফমদা ব্যবহার লৈনা থারকউ নৎত্রগনা রাবণ মশামক তুম্না মাঙজবা তাই, পুকচেল চাউরবা মনাওনুপা বিভীষণনা মাগী মহুৎ শীনবা তাই । রাবণনা মাগী হৈনজবী মওংদা পাউ হল্লকহল্লী -তেমশিংনবা, মন্ত্র যন্ত্র অমসুং তুংদা মী হুনবগী লোল শীজিন্নরকই । শেমজিন শাজিনবা থবকশিং অসিদা মচানুপাবু শীজিন্নে । অদুবু রাম অমসুং লক্ষ্মণদি অচুম্বগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা খোঙফম চেৎনা চপ য়ুংনা লৈখি । ইন্দ্রজিৎকী শিনিংঙাই ওইরবা খুৎলাই নাগপাশনা মখোয়বু পুল্লবদা গরুড়গী মতেংনা নাম্থোকপা ঙমখি । রাবণগী শক্তিশেলনা পানদুনা লক্ষ্মণ জ্ঞান মাঙলদুনা অশিবগা মান্ননা তুদুনা লৈরবদা রামনা পূক্নিং চোইখিদে, মাগী মরুপ মপাংশিংদা শীন্নরম্লগা মতম মাঙহন্দনা রাবণদা পাড়া তন্নীখি, লানফমগী ৱাংমদা নাইতোম তাহন্দুনা থমখি । অসিগুম্বা অৱাবা মতমদা হনূমাননা রামগী য়েৎথংবা পাম্বোম ওইখি । অকক্নবা মতমগী মনুংদা হিমালয়দগী শঞ্জীবনী পুরক্তুনা লক্ষ্মণগী থৱায় কনখিবা হনূমানগী থৌনা অদু রামনা থাগৎলি । ইন্দ্রজিৎনা সীতাগী অশাবা মুর্তি অমা হাৎতুনা শেরান্নবা ফীভম অদু উহল্লকপদা হনূমান অমসুং রামনা বুদ্ধি চোইরকই; অদুবু বিভীষণনা থবক অদুদা শীজিন্নরিবা মিত্রংগী মওং অদু শন্দোক্না হায়খি ।

অহানবা লানফম অদুসু রামদা শীংনবা অমনি, শিবা নাইদবা লাইগুম্না রাবণ হাৎপদা ৱাগদৌরি । অদুবু পুন্সিগী আদর্শনা শাগৎলকপা অচুম্বগী শক্তি (সত্যপরাক্রম) অমসুং নুংদগী শেমগৎলকপা লাইগী শক্তি শীজিন্নদুনা ধর্মগী অবতার ওইরিবা রামনা রাবণবু মায়থিবা পীরে, শিগদবা হকচাংনা লোইরবদা ফৎতবা

117837

পুন্নমক মাঙখিবগুম চিংনবা লৈতনা রাবণগী হকচাং অদু বিভীষণদা সংস্কার তৌনবা রামনা হায়খি। ফৎতবা শাজৎ চৎপদু নমথবগী থবক মপুংফারে। ইতিহাসতা মমিং লৈরবা লান অসিদা রামনা পামজবা পুন্নমক মসিনি। রামগীদি ফৎতববু অফবনা জয় তৌবা হায়বসিনি। মরম অদুনা মসি মী অমখক্কী মায়পাকপা নত্তে, মীওইবা পুন্নমক্কী ওইনা হেন্না য়ায়ফনবা লাম্লেংনদুনা মায়পাকখিবা থৌওং অমনি।

মতুং তাবদা সীতাবু মৈ ইকখিবা অসি অসিগুম্বা অপাকপা মীৎয়েং অমদগী য়েংগদবনি। মতাং অসিদা রামদি চুম্নগী সীতাপতি ওইবতা নত্তে, জগৎকী ওইবা মীৎয়েং অমসুং মীয়ামগী থৌদাং পুরিবা গুণ অদুনা লমজিংদুনা জগৎপতি ওইরিবনি। লানদা মায় হেক পাকপগা মহাক্না লঙ্কাদা চেনশিন্দুনা মাগী নুংশিজরবী সীতাবু য়েংলুনবা অমসুং থেমজিল্লুনবা খুদক্তা হোৎনখিদে। মহাক্কী অহানবা থৌদাংদি বিভীষণবু রাজসিংহাসনদা থাঙ্গৎপনি, লৈবাক অদুনা ফংফম থেক্লবা অনৌবা নিংথৌ ফংজরবদা, নিংথৌ অদুগী অয়াবা লৌরগা সীতাদা পাউ তম্লুনবা হনূমানদা হায়খি। সীতানা মপুরোইবগা থুংনজনবা মতম কুয়নদগী খৌরাংনা ঙাইজরি হায়বা পাউ অসি হনূমানদগী ফংলবা মতুংদা রামনা মীয়ামগী ব্রাখল (জগতিম অবলোকয়াৎ) তৌখি, অদুগা বিভীষনদা তিল্লিবা মীয়াম্না উবা য়াবা ময়ামগী ওইবা মফম অমদা সীতাবু পুবিরক্লবা হায়জে। চহী অমা চুপ্পা কায়নরুরবা মতুংদা মাগী নুপীবু মীয়াম তিনবা মফমদা উন্নবা পাল্লিবসিনা তাক্লিবদি ব্রাথোক অদু মঙোন্দদি সংসারগী ওইনা পাকচাউনা থোকখ্রে হায়বনি, মসি মাগী শকফমদা উবা ফংঙি। অদুবু পুন্নমক অসি ওইদুনসু মতম শাংনা কায়নরুরবা মতুংদা উন্নবদা মহাক্না মাগী নুপীদা অকনবা ব্রাহে শীজিন্নরিবা অদুদি মতাং চাই হায়বা য়াদে, গতি লৈজদ্রবী নুপী অদুনা নুংঙাইজমনখিদ্রদুনা মাগী হকচাং অদু মপুরোইবদা থোয়না দরকার ওইদ্রবনা মৈদা কখোকচনবা ব্রারেপ লৌখি। খঙহৌদনা ওইরক্লিবা রামগী অঙকপা শাজৎ অদুনা মীওইবগী মতৌ ওইরক্রবদা লাইগী থৌইনশিন চঙহন্দুনা কোকহন্নবা হোৎনখি। বাল্মীকিনা শাগৎচরিবা মীওই অসিনা মীওইবগী শাজৎ চৎহন্দবগুম তৌরিবা অসি লাইশিংদা ফাওবা ঙক্লিংঙাই ওইহন্দুনা য়াম্না মীথোই মীহেনবা মী অমা ওইনা তশেংনা পুথোকচনিংবদগীনি। মৈগী লাইনা সীতাগী মক্রবা শাজৎকী প্রমাণ তৌদুনা রামগা হজিন্নহল্লে, লাইগী ব্রায়েল অদু রামসু য়ারে, অদুগা তরাম্না অমসুং নোঞ্জবগী মওংদা মাগী লোয়নবীবু থেমজিনজরে।

মতাং অসিদা বাল্মীকি নৈনবা মী অমনা নীংশিংবা য়াবদি সীতানা রামগী মতেং পাংননবা (অশেংবদি মারীচনা রামগী খোঞ্জেল মান্না হায়রকখিবা) খোঞ্জেল অদু তাবদা পূক্লিং লৈতাদ্রদুনা অকনবা ব্রা শীজিন্নখিবা অদুনি। মহাক্না লক্ষ্মণদা খুদোংথিরিবা মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চত্তুনা রামবু কল্লুনবা হায়খি। লক্ষ্মণনা ময়াদ্রবদা মহাক্না লক্ষ্মণবু চিংনখি। অসুম্না ইকাইবা পীরকপা অদুদা লক্ষ্মণনা খাঙবা

ঙমদ্রদুনা রামগী য়াথং ইন্দনা সীতাবু মথন্তা থনমখি। সীতাগী অসিগুম্বা অশোয়বা অসি মশানা খঙজনবা রামনা হোৎনরম্বা য়াই। সীতাসু মাগী থম্মোয়দা ধর্মগী অবতার ওইরবা রামনা হৌজিক্তি অচুম্বা ৱায়েল তৌরে হায়না শোয়দনা খঞ্জরম্লগনি।

পুষ্পক অসি লোইরবা মতুংদা পুষ্পক দোলাই মথক্তা রামনা সীতাগা নকশিন্ননা ফমদুনা হরাওনা চৎমিন্নে। সীতানা লৈত্রিঙৈদা মফম পুষ্পমক্তা থোকখিবা থৌদোক পুষ্পমক লীখি, মফমশিং অদুসু উৎলি। দোলাই অদুনা কিষ্কিন্ধা মথক্তা পাইরিঙৈদা সীতানা তারা অমসুং রুমাবুসু মখোয়গা লোয়ননা চৎমিন্নখিদুনা রাজঅভিষেক্কী থৌরমদা শরুক য়াহন্দুনা হেন্না মগুণ হেঙ্গৎহন্নবা রামদা হায়জে। রামনা হরাওনা য়ায়, অদুবু মতম শুদ্রিঙৈদা মখোয়না তহা তহানা অযোধ্যা য়ৌবদি পামখিদে। হায়নখিবা চহী তরামরি অদু শুগদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলি। মরম অদুনা রামনা ভরদ্বাজগী আশ্রমদা পনখি। ভরততা পাউ তম্লুনবা হনূমানবু মাঙজৌননা থায়। মসিনা ভরতকী পূক্লিং লৈতানবা মতম খরা ফংহল্লি। অকুপ অকুপ্পা থবকশিংদসু রামনা কয়া য়াম্না হৈশিংবগে হায়বসি কুবেরদা মাগী দোলাই পুষ্পক হনবিরম্লগা নন্দিগ্রামদা কুমথহৌবা অসিনসু প্রমাণ ওইরি। দোলাই অসি রাবণনা কুবেরদগী হান্ননা নমদুনা মুনখিবনি। হৌজিক্তি কুবেরদা লঙজখিবা মরাল অদুসু চুমথোক্লে।

সীতাবু বনদা থাদোকপগী থৌদোক অসিনা রামগী নাতৈহক্তবা থৌদৌ অমসু অমুক মালহল্লি। অদুবু মসিসু অপাকপা মীৎয়েং অমদগী রামনা তৌরিবা পুষ্পমক অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন খঙজিনফম থোকই। মী অমা তশেংনা ওইজরবসু মীথোই মীহেনবা নুপা অসিনা অচুম্বা, মীচং মীখায় নাইদবা, শাজৎ চুম্বা,ঈজ্জৎ, চিংলেম্বা, ফজবা হৌন-লোনচৎকী মতাং হেক হেক লাকপদা মরক মরক্তা মীওইবগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমা লাম্থোকই। মসিগী শাজৎ অসি অয়াম্বনা খঙনদে, সীতানা শাজৎ অসি মাগী পুন্সিগী খোঙলোই ওইমিন্নরিবা রামদগী খঙঙি, মদুসু মমৈদা বাল্মীকিনা নাওকোন্দুনা লমজিং লমতাক্লবা মতুংদনি। বাল্মীকিনা মহাক্কী নায়ক অমসুং নায়িকা অনীবু শাজৎ-শাওং অসিদা পুশিনবনি, মসিনা রামায়ণ হায়বা মহাকাব্য অসিগী মচি ওইবা ৱারোলনি। মসিদি থম্মোয়তনা খঙবা ঙম্বা থম্মোয়গী শাজৎনি। বালকাণ্ডগী অরোইবা শরুক্তা থম্মোয়গী শাজৎ থম্মোয়তনা উৎপা ঙম্বা কলা অসি ঈঙ্গিৎ তৌরম্মী :

অন্তর্গতমপিব্যক্তং আখ্যাতি হৃদয়ং হৃদা

( অমনা অমগী নুংশিনবগী ঈহুল অসি মনুংদা ফুমজরবসু থম্মোয় থম্মোয় অনীনা ফোঙদোক্লিংলবা মতমদদি উৎথোরকই ।)

মহাকাব্যকার অসিনা মহাক্কী ৱাখলগী মীওই অসি য়েকপদা কুপশীন্না হোৎনখিবা অসিনা মহাকাব্য অসিবু থৱাই পানবা শক্তম অমা ওইহল্লে। মহাকাব্য অসি ধর্মগী ওইবতা নৎতনা পূক্লিংগী ওইবা শিবা নাইররোইদবা অহিংবা পোৎ অমসু

ওইহল্লে । মরম অসিননি — অচুম্বনা মপাঙ্গল ওইরবা অফবা শাজৎনা ফিরেপ শেন্নবা রামনা অহোংবা নাইবা সংসার অসিদা লৈরিবা ভাব তারবা মীওই খুদিংগী থম্মোয়দা তুরেলশিংনা চেল্লিবমখৈ অমসুং চীংশিংনা লেপ্লিবমখৈ মতমচূপ্পদা মহাক্কী লেঙদ্রবা লৈফম ওইদুনা লৈরি ।

# খ্বাইদগী পূমহেন হেনবা ফিদম

নোল্লুকপদা, অর্থনা থল্লবা অচম্বা শাজৎতা, হৌনবী খঙবা অমদি চিংলেমজবগী অপুনবা গুণদা অমসুং তৌহে-তৌহেদবগী অচেৎপা নিয়ম ঙাকপদা ফিদম্লিংঙাই ওইদুনা অয়ৌবা থাক্কী নুংশিবগী তোমথিন খুদম ওইরবী অমদি নুংশিহৈবগী তাঙলবা তুংনফম ওইরিবী সীতাগী শক্তম্ য়েকপদা বাল্মীকিগী ৱাখল অমসুং ৱাঙাং খ্বাইদগী হেন্না ফজৈ। গুণশিং অসিনা পূজা তৌনরবা রামগী চপচাবী লোয়নবী অমা ওইহল্লি, করিগুম্বদা রামদগী ফাওবা হেনবা মতাং য়াওই ।

নুপী ওইবগী অফবা গুণ পূম্নমক্না তিল্লবী, মসিনা মরম ওইদুনা সংসারগী নুপী সমাজগী লুচিংবী ওইহল্লবী নুপী অমা ওইনা মহাকবি বাল্মীকিদা স্বর্গগী নারদ মুনিনা সীতাবু অহানবা ওইনা  শকতাকই , লোয়ননা গুনশিং অসিনা পুন্সিগী তৎন-থানবা য়াররোইদবা তালোয় অমা ওইনা রামদা অপাম্বা পোকহল্লী। বালকাণ্ডগী অরোইবা শরুক্তা রামগী নাক্তা সীতাবু থিনজিনবগী মতাংদা বাল্মীকিনা মহাক অসি লাইগী মশক ওইরবী খোঙ্হোক "শ্রী " হায়বদুগী শায়োন্নি হায়না হায়খি। নারদনসু মহাক্নুম্বী মীওই অমা, মশক নাইবা উরিবা সংসার অসিদা লৈবা ঙম্মী হায়বসি থাজবদা ৱাগদৌবা লৈবনা, অঙকপা লাইগী শক্তি অমনা মহাকপু শেম্লেকখিবনি হায়না  শীংথারম্মী। মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী থোইদোকপা মরলদি ফোঙদোক্তনা অৱাবা খাঙবা হায়বসিনি; মাগী ইমুং-মনুংগী অমদি সমাজগী হেন্না ফগৎনবগীদমক মহাক্না ওইজবা থাদোকখিবশিং অদুগী মমল নৎত্রগা মিংচৎ অমত্তা পামজবা উৎখিদে।

মহাক্না কনাবুসু তাথী তাওইনা তৌখিদে, মাগীদি মঙোন্দা লান্না য়েংলকপা মীশিংদা নুংশিবিবা অমসুং ঙাকপিবনি; মহাকপু মাঙহন্নবা অমদি ওৎনবা হোৎনরকপশিংদফাওবা খক অখাবা মীৎয়েংনা য়েংখিদে। মঙোন্দা অরানবা তৌখিবশিং করিশু থৌশাদনা অচুম্বা থবক তৌননবা পূক্লিং চপযুংনা মতম পূম্নমক্তা লৈ অমসুং অচুম্বা লম্বী থাদোক্নুনা মশাগী নুংঙাইনবা নৎত্রগা খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনখিদে। মাগী পুন্সিদি ফরক তাবা অমদি খুদোংথিবা ঙাক্তনি, থম্মোয় কায়না তৌবা চাংয়েং ঙাক্তনি; পূম্নমক অদু মথন্তনা মায়য়োক্লজে অমসুং নমথবা ঙম্মী। মী পুম্নমক্না মহাকপু ফোংনা নৎত্রগা থম্মোয়নুংদা থাগৎনবা ঙাক্তনি । সূর্পণখাঁ ফাওবনা মাগী

চেংলৌ হেনবদুদা য়াম্না থাগৎলি অমসুং মরোল অহুম্মক্তা মাগী কুচু কুমেন অদু থোইদোক্লা অতাঙবনি হায়না মবুং রাবণদা তমখি। রাবণনসু মহাকপু "সর্ব্বলোক মনোহারী " হায়না কৌখি অমসুং মপুরোইবা নীংবদা পৃক্লিং লোঙদবী অমদি কথোকচবগী মগুণ অদুগীদমক য়াম্না ব্যবহার তৌজে। হৌরকফমদা, ফজবদা অমসুং পুকচেল চাউবদা সীতাদগী মানা হেল্লি হায়না মশানা খঞ্জরিবী মণ্ডোদরীনা সীতাবু "ভূদেবী" অমসুং "শ্রীদেবী" অনীমক্কী মুর্তিনি হায়না থাগৎলি অমসুং মতৌ লৈবদা অমদি সতী ধর্মদা "রোহিনী" অমসুং " অরুন্ধতী" দগী হেনবীনি হায়না লৌই। অদুবু লাইবক্লা তম্লিবদি অসিগুম্বী ফজবদা, সতী ধর্মদা অমসুং পৃক্লিং চেৎপদা ফিদম্মিংঙাই ওইরবী অসিনা মপুন্সিচুপ্পা ৱানা লেনখি অমসুং পৃথ্বীমাতাগী লৈরোন্নুংদা চঙজখি। তৌবগীদি অফবা হায়বা পূম্নমক অদুগী লেঙদনা লৈরগদবা শক্লোন পুরিবা রাম অমদি সীতাগী অপুনবা খোঙচৎকী পৃক্লিং হুরবা অমসুং পিরোই পিখম্নরবা "রামায়ণ" হায়বা ৱারী অসিগী তরু তরুবা শক্তমদি মসিনি। নিংথৌ দশরথ অমসুং মাগী মহারানী কৌশল্যাদা সুমন্ত্রনা থেমজিনখিবা মতাংদা চুম্না হায়খিবদি রাম অমদি সীতাগী অৱাবা ৱারীশিং অসিগীদমক তেংথাগদবা নত্তে, লাক্কদবা যুগ পূম্নমক্তা মীওইবা অমসুং মীওইবগী লেমজনিংঙাই ওইরবা গুণশিংদা মতম পূম্নমক্কী ওইনা থনম্লিবা মখোয়গী শাজৎ-শাওং অসিগীদমক থাগৎফম থোকই।

রামায়ণগী মথং মথং মখা তানা লীথরক্লিবা ৱারীগা মান্নদনা বাল্মীকিনা, নুমিৎ অমত্তদা, মফম অমত্তদা, সীতাগা রামগা অতৈ লুহোংবা অহুমগা লোয়ননা লুহোংখিবা অসি বেদ- শাস্ত্রগী অকুপ্পা নিয়ম চেৎনা ঙাকখি, য়াম্না চম্নসু পাঙথোকহল্লি। থৌদোক অসিগীদমক পূন্না শ্লোক নিফু, তাঙ্কক অমখক্তংদা ই অদুগা অশেঙবা যজ্ঞগী মতাংদি তাঙ্কক তংখাই অমখক্তনি। মহাকবি অসিনা বর কন্যা অনীগী ৱারী শামিন্নবা, নৎত্রগা মখোয় মশেল মখোয়গী মরমদা ৱারী ৱাতাই শান্নহনবগী মতাং অপাবশিংনা খঙজনবগী খুদোংচাবা অমত্তা পীখিদ্রে। অদুমকপু মখোয়গী থম্মোয়গা থম্মোয়গা তিন্নজবা অমসুং থম্মোয় শেংনা নুংদা ৱারী ৱাতাই শারিবা মখোয়গী থম্মোয়তনা খঙফম থোকপা মতাং অদুদি ইরম্মী।

মহাকাব্য অসিদা শ্রীস্বরূপিনী (শ্রীগী শায়োন) সীতানা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙহনখিবা মতাংদি মপাইবুংঙো অমসুং কৈকেয়ীনা সুমন্ত্র থারক্তুনা রাজ অভিষেক তৌগদবা নুমিৎ অদুদা রামবু ওকপগী তাঞ্জা অদুদনি। পাউ থারক্লিবা কোনুং অদুদা তৌরমগদবা মওংশিং অদু সাধারন জ্ঞান লৈবশিংনা লাকশীনবা ঙম্নবনি, রামনা অদুগা হেক্তা চাননা য়াম্না ঈঙ্গিৎ য়াওবা লোন্দাদা ফোঙদোরকই। সীতানা ঈঙ্গিৎ অদু খুদক্তা খঙঙি, রামগী থোইদোকপা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা মহাক্লা হেক খঙজবা লাই পূম্নমক্কী থৌজাল নিজদুনা মপুরোইবগী মঙ্গল নিজে। মহাক্লা মপুরোইববু থোঙ্গাল ফাওবা থিন্দোকই। তুংদা অনুসুয়ানা অথোৎপা ৱাঙাং শীজিন্নবী

(মধুর্ভাষিনী) , রামনা মঙ্গলগী খোঞ্জেল খোঙ্হোক্লবী (কল্যানতারাবাদিনী) অমসুং হনূমাননা পূক্নিং থৌগৎপগী সুর য়াওবী (অদীনা ভাষিনী) হায়না চপচানা শীংথানরবী জানকীগী থোৎলবা, অর্থ লৈরবা, ঈঙ্গিৎ য়াওরবা অমসুং মওং তারবা ৱাঙাং বাল্মীকি পারিবশিংনা অহানবা ওইনা তাবা ফংলিবসি মতাং অসিদনি ।

নুমিৎ অদুদগী মতম খরা লৈরবা মতুংদা রামনা ইতোপ তোপ্পা মওংদা ৱা হায়রকপগী মতাং অমুক থেংনৈ । অভিষেক্কী মহুৎতা খঙহৌদনা বন চৎপা তারকই । নুমিদাংৱাইরম অদুমক্তদা রামনা বনগীদমক খোঙশানবা তায় । মমাগী য়াথং অমসুং আশীর্ব্বাদ হান্ননা লৌরক্লবনি । অদুবু সীতাদদি হায়দোকপদা ৱাখি। সীতাগী মনাক্তা পূক্নিং ৱানা অমসুং ফীবম কায়না চংশিল্লকই । ৱাখললৈবী অমসুং অশিংবী সীতানা রাম উবদা পূক্নিংগী ৱা অদু খঙবা ঙম্মী অমসুং মোংহাদনা হায়রকই : " করি তৌবিরবগে, ইবুংঙো !" য়াম্না চিংনবগা লোয়ননা অৱাবা পাউ অদু রামনা সীতাদা তম্লে, মপাগী য়াথং ঙাক্লনবগীদমক মহাক্না বনদা চঠী তরামরি লৈরিঙৈদা য়ুমদা লৈদুনা অহল লমনশিংগী সেবা তৌহৌনবা সীতাদা হায়রে। মপুরোইবদগী হেন্না থৌনা লৈনা অৱাবা অদু খাঙলদুনা সীতাগী অশেঙবা শাজৎ উৎলক্লে, মপুরোইবগী সেবাগীদমক তিংখং তুম্মৌনচিংবা য়াওনা অপন-অরাক খুদিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মহাকসু মপুরোইবগা লোয়ননা বনদা চৎকনি হায়রে । রামনা সীতাদা মরম কয়ামুক হায়দুনা মাগা লোয়ননা চৎতনবা তক্লে, বনদা থেংনরুগদবা অৱাবা পুন্সি মরেল অদু শুগায়না লী । অদুবু সীতানা মাগী থৌনা লিংজেল খঙবিদবা অদুদা মোমোন নোকই । অযোধ্যাগী থৌনা ফরবা নিংথৌমচা মান্দে, মপাইবুংঙো জনকনা মমাক নুপাবু শাওং শাদাদা নুপা মাঞ্জরবসু ঈচঙ থৌবদা অমসুং শক্লোন কয়ামুক পুননবা হোৎনবদদি, নুপা মান্দে হায়বসি খক খঙহৌদবনি হায়না রামদা হঙ্গৎনা খুম্মী । ৱাঙাং অসিদগী রামনা মখা তাবা ঙমখিদে, বনদা সীতাগা লোয়নবা তাখি । অসুম্না কৈকেয়ীগী অপাম্বদা মহাকপু কোনশিনজদ্রবসু মপুরোইবগা লোয়নজবগী অধিকার সীতানা লৌই । অদুবু রামগা লোয়ননা অরুবা মতাংশিং অসিগী ৱারী শাবদা সীতানা অঙকপা মওংদা পূক্নিংগী খোয়রাংবা লাকশিল্লী, কোক নোঞ্জবগী নিয়ম ঙাকই, নিংথৌ কোনুংগী চিং লেমজবা অমত্তা কায়হন্দনা মশাগী ওইবা অৱাংবা ৱাখল চেনখি । রামনসু মাগী অতিংবা পূকচেল অদু থাগৎখি । অসিগুম্বা পূকচেল অসি সীতাগী হৌরকফম ইমুংগী তশেংনমক চাউথোকচনিংঙাইনি অমসুং মাগী পুন্সিগী লোয়নবী ওইনা অসিগুম্বী পূকচেল চাওরবী নুপী অমা ফঙজবগীদমক রামনা পূক্নিংদা তশেংনা চাউথোকচবা ঙমখি । শা কৈ মরক্তা লেল্লুগদবা বনগী পুন্সিগী মতাং রামনা শুগায়না লীরকপা মতমদা সীতানা মপা লৈতনা ফজরবা ৱারোল অমা অসুম্না হায় : " অকিবা পূম্নমক্কী হৌরকফম অমদি লোইশিনফমগী মতম লাক্লবদা অকিবা লৈবা মফম অদু অনকপদনি ।"

রামনা অঙকপগা লোয়ননা নুংঙাইজখিবদি সীতানা মপুরোইবগী অকিবা কোকহন্নবগীদমক মাগী পিরাংবু অরোইবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরক্তুনা পিরাংশিং অদুফাওবা অকিবা লৈখিদ্রে, রামগী থম্মোয়নুংদা ফাওজিনখিদুনা চিংলেম্লবা পৃকচেল চাওবগী ঈপাক্তা তিনশিনখ্রে ।

কৈকেয়ীনা সীতাদা রামগুম্না উকু ফিজেৎননবা হায়রক্লবদা বাশিষ্ঠনা খাম্মী অমসুং কৈকেয়ীগী হায়ফম থোকপগী ৱাংমদনি হায়না চৈ, লোয়ননা মপুরোইবনা বনদা চৎখ্রিঙৈদা আইনগী হৌনবী মতুংইন্না মপুরোইবগী মহুৎশিন্দুনা সীতানা লৈবাক ঙাক্কনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকই । ফিজেৎশিং অদু উবদা অমসুং থম্মোয়গী ঈথক ঈপোম্না থল্লবা বশিষ্ঠগী ৱাঙাংশিং অদু তাবদা সীতানা মরাল লৈজদবা অমগুম্না লৈ । দশরথনা বিদায়গী বরগুম্না পীবিরকপা ফিজেৎ লৈতেংশিং অদু য়াম্না তৌবিমল খঙবগা লোয়ননা লৌজরবসু উকুগী ফিজেৎ অদু মহাক্না শেৎচিল্লে অদুগা মপুরোইবগা লোয়ননা বনগীদমক খোঙশানখি । মহারাণী কৌশিল্যানা সীতাদা পাউতাক কয়া পীরকই-বনদা লৈরিঙৈদা রামবু ব্যবহার লৈনা লোয়ননবা হায়রকই । পাউতাকশিং অদু সীতানা ফিগাও য়াজৈ অমসুং রামগুম্বা পৃকচেল চাওরবা মপুরোইবা অমগী হায়বা ইল্লবী পুন্সি খোঙলোয় অমা ওইনবগী হৌনবী লমচৎ-শাজৎ চৎচগনি হায়জৈ । ৱাহৈশিং অদু য়াম্না নোল্লুকপা অমসুং চেকশিঞ্জবগা লোয়ননা হায়রকপা অদুদা কৌশল্যাতা নৎতনা তিল্লিবা মীয়াম পৃম্নমক্কী মীৎলুদা পিরাং শীহ্নখি । গঙ্গা তুরেল লানবদা সীতানা শেঙলবা তুরেল অদুবু খুরুমজৈ, বাল্মীকিগী লোনদা হায়রগা "সীতাঞ্জলী" কৎচৈ - মপুরোইবনা মপাইবুংঙো অমসুং মমাইবেম্মগী অনীংবা থুংহনবিদুনা বনগী হায়নখিবা মতম মায়পাক্লা লোইহনবিয়ু হায়না নিঁজৈ।

ভরদ্বাজ মুনিনা সীতাদা য়াম্না নুংশিনা বর কয়া পীরকই, মপুরোইবগীদমক বনদা পুন্সি লেল্লুনবা লাকচরবা সীতাবু মাগী অনীংবা পৃম্নমক থুংহনবিনবগীদমক নিংথৌমচা অনী অদুদা হায়খি । অগস্ত্যে মুনিনসু অৱাবা তারবা মতমদা মপুরোইবগী সেবাগীদমক খুদোংথিবা কয়া থৌশাদনা সীতানা লেপ্লিবা ফিরেপ অদুদা থাদোকপগী চেল্লিবা পৃকচেল অদুগীদমক মহাকপু থাগৎখি । পৃণ্য চেল্লবী অনুসুয়াগী বর ময়াম সীতানা ফংজবা উবদা রাম ফাওবনা কল্লকই । মতাং অসিদা বাল্মীকিনা সীতাবু অনুসুয়াগী থাক্তা পুখৎলি, অনীমকপু অনুসুয়া হায়না কৌই । অনুসুয়ানা অনুসুয়াদা (বাল্মীকিগী ৱাহৈনি) ৱা ঙাংলি । খেন্নবা মাল্লিবসি অমনা অনুসুয়ানি অদুগা অতোপ্পা অমনা অনুসুয়া শাগৎলিবনি হায়বা ওইরম্বা য়ায় । সীতাগী লুহোংবগী ৱারী অদু সীতা মশাদগী তাবদা অনুসুয়ানা থোইদোক্লা হরাওজখি । সীতানা লীরিবা মাগী লুহোংবগী ৱারী মতেক অদুদা অনুসুয়ানা য়াম্না থৱায় তাজখি,তাঙলবা থৌদোক্কী মীৎকুপশিং অদু মশক নাইনা মপাম্বোংদা উবা ঙমখি । তপস্বী মপু মনাই অত্রি অমসুং অনুসুয়া অনীনা অসুম্না নহা ওইরিবা ওইরিবী তপস্বী অনীদুবু নুংশি নুংশিরবা

ৱাঙাং অমসুং হেন্না নুংশি নুংশিরবা পৃক্লিংগী ঈঙ্গিৎকা লোয়ননা দণ্ডক বন ফাওবা থিন্দোরকই।

হান্না খন্নখিবগুম বনগী পুন্সি অদুদা শক্লোন অহুম অদুনা (সীতা, রাম অমসুং লক্ষ্মন) খুদোংথিবা কয়া থেংনখি , খ্বাইদগী হেন্না শাখিথ্রবা মতাং ফাওবদা সীতানা খক ৱাখল চোইখিদে। অহানবদা থেংনখিবা অরুবা তাংফমদি বিরাধনা সীতাবু ফাদুনা চেনখিনবা হোৎনরকপা অদুনি। নিংথৌমচা অনীনা মাবু তান্নরক্লবদা বিরাধনা সীতাবু থাদরগা মনঙ্গন্দা নিংথৌমচা অনী অদু থাঙ্গৎলগা চেনবা হৌরক্লে। সীতানা হিংচাবা অদুদা নিংথৌমচা অনীদুবু থনম্লগা মখোয় অনীগী মহুত্তা মাবু পুনবা হায়জৈ। নহা ওইরিবী নুপী অমনা কয়াদা থৌনা লৈনা অমদি থাজবগা লোয়ননা অসুম্না হায়খিবা : " ঐবু পু, নিংথৌমচা অনীদু থনম্মু, ঐনা খুরুমজরি হে অথোইবা রাক্ষস" (মম্ হরোৎশ্রিজা কাকুটশৌ নমস্তে রাক্ষসোত্তম)। দণ্ডক বনগী অহানবা ৱারী অসিদা তুংদা উৎলিবা সীতাগী খাঙবা কনবা অমসুং পাইরক্কী লৌশিং উৎলিবা অসিনা তুংদা থোক্লগদবা হেন্না লুবা মতাং কয়াগীদমক শেমশারবনি। মহাক্লা রাম অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মুনি ঋষিশিং অমদি হিংচা য়াইতম্বশিংগী শাজৎ-শাওংশিং লেপ্তুনা য়েংশিন্দুনা লৈ। থবক্কী মতাং লাকপদা লম্বোইবশিং অমসুং হিংচাবশিং অনীমক্লা খুন্দাদুনা লৈরিবা অঙকপনা থল্লবা লমদম অসিদা চৎলিবা রামগী অতম্লবা খোঙচৎতা সীতাগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

লম অদুদা লৈবা হিংচাবশিংনা ওৎনৈবিরবা মুনি ঋষিশিংনা রামদা ঙাকপি শেনবিনবা হায়জরক্লবদা মহাক্লা চিংনবা লৈতনা ওৎনৈবদগী কন্ননবা তৌফম থোকপশিং তৌই। মসিগীদমক দণ্ডকপৃম্না য়েংথোক্লুনা কান্নররোইদবা কয়া লাকশিন্দুনা শান্তি থম্লবা হোৎনৈ। মতাং অসিদা, ওৎনৈরদবা কাংবুগী মথক্তসু লান তৌবা তাবরা হায়না সীতানা রামদা হঙ্গৎলি। য়াম্না থোৎপা অমসুং অমেঙবা ৱাঙাং শীজিন্নদুনা সীতানা রামগী ৱারেপ অদু শীঙনৈ অমসুং চয়েৎনরিবা অদু শেংদোক্লবা হায়জৈ। সীতাগী ৱারোল অদু রামনা তারগা শন্দোক্লা হায়খি — হায়রবা হায়রদবা থিদনা আইন অমদি মীচং মীখাই নাইদবগী থৌশীল থৌদাং পুরিবশিংনা ধর্ম লৈবশিংবু ফত্তবা মীশিংনা ওৎপি-নৈবিবদগী কনবিগদবনি। তশেংনমক মাগী বনগী খোঙচৎ মনুং অসিদা থবক অসি মহাক্লা পাঙথোকপা ঙম্লবদি মথম্মোয়দা মায়পাক্লবনি হায়না খনখি।

রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণগী খোঙচৎ য়াঙশিল্লকপদা পঞ্চবটীনা লৈখায় তাফম মফম অমা ওইখি। ফীভম কয়াগী চয়েৎনশিল্লকপদা সীতানা ময়ায়দা লেপ্লরে। হাইজিল্লক্লিবা সূর্পণখাঁগী অহানবা পান্দমদি রামনি। সীতাদি ফীভমনা য়াদদুনা চেন্নরকপনি। তৌবগীদি সূর্পণখাঁনা রামবু মাগী ওইননবগীদমক মাগা সীতাগা চাংদম্নখি, সীতাগী অৱাৎপা পুথোকই। অদুবু ঙক্লিবদি রামনা ফাগীগুম খন্দোকই।

কামগী ঈখৌ লাংলবী সূর্পণখাঁনা নিংথৌমচা অনীগী করেম্নবগী মতৌ অদু খঙদদুনা য়াম্না অৱাবা তাখি, সীতাবু চাথোক্কুনা মাগী লম্বীদা অয়েৎপা লৈতনবা হোৎনৈ। অদুবু সীতাদি তুমীন্না অদুম লৈ, লীশাং শীৎনা মীচং অমত্তদা য়াওদনা লৈথোকই। মদুগী মখা তারকপা ওইনা রাবণনা মহাকপু হৃদুনা পুখি । তৌবগীদি পঞ্চবটীদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদু আইন্না য়াদবনি, ৱাখল য়াওদবনি অমসুং তৌহৈদবা থবকশিংনি। অদুবু লাইবক্না তম্লরিবদি মরাললৈজদ্রবী সীতানা অতৈনা শোয়রকপদগী ৱানা খাঙজবা তাখি । সীতাগী অশোয়বা অমত্তংদি শজিগী মন্ডল পামলুবা অদুনি; অদুগা লক্ষ্মণদা থুনা য়াংনা তক্লদুনা মরম ইচা চাদনা রামগী মনাক্তা চৎতুনা খুদোংথিবদগী কল্লুনবা হায়খি । মাগী মীৎয়েংদগী মানা নীংলিবা অদুবু অশেঙবনি, মরম চায় হায়না খঞ্জরবসু মসিদি তশেংনমক মাগী য়াম্না চাউরবা অশোয়বা অমনি । অদুবু রাম অমসুং লক্ষ্মণসু মশা মশাগী ৱাখল নীংথিনা শীজিন্নখিদে। মশা মশাগী য়াম্না লৌশিং লৈরবা অমসুং ৱাখল চোইদ্রবা মী অহুম অসিগী ৱাখলদা, ৱাহৈদা অমসুং তৌথোরকপদা লাইবক্না তম্বগী থিংঙমদ্রবা লিচিংনা হূমদুনা পুখিবা মাল্লি। রাবণবু মারীচনা থম্মোয় শেংনা থেমজিন্নবা হোৎনখিবশিং, জটায়ুনা থৌনা ফনা লাম্বেংনখিবা - পুম্নমক অরেম্বদা তাখি, লাইবক্না তমখিবা অদু থেক্লরে, খুদক্কী অৱাবা নংলিবনা মরাল লৈজদ্রবী জানকীগী থৱায়না ওইররে ।

অদুবু খাংপোকশঙ অদুদা লম্বোইবা শাদুনা লাকখিবা রাবণনা অশেঙবা মশক উৎথোক্কুনা মহাক্কী ফৎত্রবা থৌরাঙ অদু ফোঙদোক্লক্ত্রিবা ফাওবদি সীতানা মশাগী অশোয়বা অদু খঙখিদে । অশোয়বা অদু খঙবদা থেঙমনখ্রবসু মহাক্না মশাগী ঈজ্জৎ ঙাক্লা থৌনা লৈনা অমসুং ব্যবহার কায়দনা ফীভম অদু মায়য়োক্লখি। মহাক্না উখিবা অদুদা থাজরদুনা লম্বোইবা শারিবা রাবণবু লম্বোইবা অমা ওইনা ব্যবহার তৌই। হৈ-রা অমসুং ঈশিং পুথোক্কুনা মপুরোইবা হল্লকপা ফাওবা ঙাইনবা হায়জে। লম্বোইবা অমগী অশেঙবা শাজৎ অদু উরুরগা থাজবা অমগা লোয়ননা মহাক্কী ৱারী ৱাতাই অকুপ্পা কয়াফাওবা লীথোকই । অদুবু রাবণগী অনীংবা অদু হেক খঙলকপগা সীতানা মহাকপু লেমনা থাদ্রে । অকিবা লৈতনা রাবণগী থবক অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোকই অমসুং মপুরোইবগী মখুত্তগী মহাক্না ফনা তৌদুনসু শুকনান নাম্থোকলোই, মথৱায় মাঙজগনি হায়না কিহল্লী । রাবণনা পাল্লিবা অদু মহাক্না তশেঙনা ঙম্লোই হায়জে অদুগা মপুরোইবগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণশিং অমদি তৌবা ঙম্বশিং মথং মথং লীখি । রাবণগী মখুৎ তশেঙনা চল্লবদা, মহাক্না মহাক্কী মতেং পাংবিনবা লাউ খোংঙি । উপায় লৈরক্ত্রবা মতমদা, মহাক্কী অশোয়-অঙাম ঙাক্লবগীদমক জটায়ু খুদক্তা উবা ফংঙি । জটায়ুগী কল্লবা থৌনা লিংজেল অমসুং মশা কথোকপগী পূকচেল অদু উবদা থাগৎলি, অদুবু জটায়ুগী মথৱাই মাঙলগদবা ফীভম অদু য়েংলুরগা হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাজে । রামদা পাউ তমজবা

ঙম্বা ফাওবদংদি মহাক হিংবা ঙম্বা ওইসনু হায়না ঈশ্বরদা খুরুম্জে। লম্বীদা, মপুরোইবনা লীখুন লীরকপদা মতেং ওইনবগীদমক মহাক্কী লৈতেংগী শরুক খরা চীংমচা অমগী মথক্তা থাদরম্মী। মমৈথংদা রাবণগী অশোক বনদা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখি। মতাং অসিদগী অশেঙবা রামায়ণ হৌরে। শক্তা, চুদা, মগুণদা মশাগী ওইজবা থিদনা মপুরোইববু নীংজবদা অমসুং অকিবা লৈতনা পূম্নমক কথোকচবদা মপা লৈত্রবী পূমহেন হেল্লবী মাগী নুংশিজরবী সীতাগী খোঙ্গুল লীরকপা রামগী খোঙচৎনি ।

অচুম্বনা ফজবা থিবা - খোঙচৎ অসিনা রামায়ণগী মপুংওইবা শাফুনি। শাফু অসি মতম খরদংগী ওইনা অচুম্বদগী ফজববু কায়নহনবনা হৌরি। অদুগা পুন্সিগী মরুওইবা শক্তি অনী অসি মতম পূম্নমক্কী ওইনা তিন্নহনবগী মতীকচারবা পাম্বে অমা ওইনা বাল্মীকিনা হনূমানদা উবা ফংঙি, মীৎনা তশেঙনা উরগদবা নুংঙাইরবা পোলোইশিন অমনি। নিংথৌমচা অনী -রাম অমসুং লক্ষ্মণনা পঞ্চবটীদগী কিষ্কিন্ধা ফাওবা খোঙলেংলে। খঙজিনবদা মরুওইরিবদি অগস্ত্য মুনিনা রামবু পঞ্চবটীরোমদা চৎহল্লে, কবন্ধনা নিংথৌমচা অনী অসিবু কিষ্কিন্ধারোমদা চৎননবা ঈঙ্গিৎ তৌরে, মখোয়গী মতেং পান্নিবা সুগ্রীবগা তিন্নরুনবা হায়রে, অরোইবদা সুগ্রীবনা অমুক মখোয়গী মতেং ওইরক্কনি হায়বা খঙহল্লে ।

সুগ্রীব উন্ননবগীদমক কিষ্কিন্ধাদা রামনা মপুংওইনা চৎচরবসু সুগ্রীবদা শীন্নরিবা থবক অদুদি হনূমাননা হেন্না মরুওইনা পাঙথোকই, মমৈদা মহাক মথন্তনা সীতাগী লৈফম থিদোকপা, মশক খঙদোকপা অমসুং পুক্লিং লাঙহন্দবদা মায় পাকই, মহাক তেক্ত-কায়দনা লৈহৌরি হায়না রামদা তমলৈ , রাম সীতা অনীগী নুংঙাইনা উন্নহন্নবগী পাম্বে ওই । থবক অসি পাঙথোক্লকপদা হনূমাননা অনীমক্কা হেন্না নকশিন্নজবা ঙমখি । অনীমক্না মহাকপু থাগৎলি, নুংশিবি অমসুং য়াইফ মঙ্গল পী। কল্লবা য়োংয়াম খিবিক্তা শীন্নখিবা থবক পূম্নমক মথন্তনা শীল্লাংঙি। খঙদ্রিবা লম অদুদা য়াম্না চেকশীন্না অমসুং হৈশিংনা অহিংচুপ্পা সীতাগী লৈফম থিরুরবা মতুংদা অশোকবনদা মহাক্না সীতাবু অহানবা ওইনা উজবা ফংজখি। পূম্নমক্তগী থোইদোক হেন্দোক্না ফিদমনিংঙাই ওইরবী পূণ্যগী শক্তম অদু অশেঙবা রামমক মাল্লি, গুণ পূম্নমক্না তিল্লবা শক্তম অদুনা হনূমানগী শিংলবা ৱাখল ফাওবা চোইহন্দুনা শক্তম অনীমক অসিনা অসুক মান্নরিবসি করিগীনো হায়বা খঙবা ঙমখিদে, ঙক্না থোকখি। শক্তম অনীমক অসিনা অসুক মান্নরবনিনা অনীগী ৱাখলসু অমত্তা ওইরমগনি হায়না থাজে। উগী উনা মরুমদগী সীতাবু নক্না য়েংজবদা, নুংশিরবা মপুরোইবা রামগী, উবদি ঙমদ্রবা লাকশিনবদি ঙম্বা, শকফম অদুমক সীতাগী মায়থোংদা মমি তারি। হনূমাননা সীতাগী মায়থোংদা রামতমক উবা ফংজৈ, মরম অদুনা বাল্মীকিনা সীতাবু "রামেক্ষণী" ওইনা চুম্না উবা ঙম্মী । সীতাগী

মায়থোংদি অকোয়বদা লৈরিবা অমম্বা পূম্নমক মঙালতনা মাঙহনবা ঙম্বা থানিন্নি। মহাক্কী শক্তমদি থাজবগী শায়োনগুম্মী, আশাগী মূর্তি মাল্লি; অদুবু লাইবক্লদি মফম চাদনা মহাকপু লান্না থল্লি। মরোল অহুম অসিগী মনুংদা মহাক্কা মান্ননা ফজবী, চিংলেম্বী নোল্লুকপী, ধর্ম চেনবী অমসুং মায়থোংগী অচম্বা শক্লোনপুবী অমা হনূমাননা খঙ্হদুনা য়েংবদা অরেম্বা তাখি। সীতাগী ঙাম্হোইরবা মায়থোং অদুদা পূক্নিং লৈতাবগী চপ চাবা শক্লোন অমা উজবদা হনূমাননা ঙকই। হনূমানগী পূক্নিং খুদক্তা রামগী মনাক য়ৌখি অমসুং মঙোন্দা ফাওরক্লিবা পূক্নিংগী শাহুম পূম্নমক খোঞ্জেল থোক্তনা তম্লুনবা হোৎনৈ। হনুমাননা অসুম্না ৱাংলবা ৱাখলগী ঈপাক্তা লূপ্তুনা লৈরিঙৈদা, মমাঙমক্তদা রাবণনা বন অদুদা চংলক্তুনা সীতাগী মপুরোইবা ওইনবা থেৈম্লে, মকোকথোংবী মহারানী ওইনবা হায়রে। ৱারোল অদুনা হনূমানবু শাউহল্লী অমসুং চিংলেম্লবী নুপী অদুনা হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা মওংগী মিহৌহল্লকপা অদুদা করি তৌরকপগে হায়বদু য়েংননবা তপথনা লৈখি। জানকীনা ৱারোল অদু খুদক্তা য়ানিংদবা অমসুং রাবণবু ব্যবহার মশক খঙনবা হায়খিবদু হনূমাননা তায়। সীতানা রাবণবু অহানবদা সাধু অমা ওইনা উখিবনি, অদুনা সাধু অমা ওইবগী মতীকচাবা ৱাঙাং ঙাংহন্নিংবনি। মহাকপু করিগুম্বা ওৎ-নৈবা থেক্লেবদি রাবণগী লৈবাক পূম্বা মশামক য়াওনা পূল্লপ মাঙ তাক্কনি হায়খি অমসুং লানফমদা লাম্বা লৈতনা কল্লবা রামগী খুত্তা শোয়দনা মায়থিগনি হায়না কিহল্লী। মশামক অমসুং মাগী প্রজাশিং কন্নিংলবদি রামগী খুয়া থম্বালদা হকথেংননা চংজৌ অমসুং ব্যবহার লৈনা মহাকপু রামগী মফমদা শীন্নৌ হায়না ময়েকশেংনা হায়। পূম্নমক অসি, রাবণগী হৌনবী, তাখিদে অমসুং থা অনীগী মনুংদা মানা হায়রিবা অদু সীতানা য়াদ্রবদি, সীতাবু থোংলগা অয়ুক্কী চরা ৱান্নগনি হায়না ধমকা তৌই। সীতানা মতুং ওন্থোক্তুনা লৈখি। অসুম্না রাবণবু হলহনখি।

অশোক বনদা উগী উরুমদা ফমদুনা লৈরিবী চিংলেম্লবী নুপী অসিমক রামনা পৃথিবী অমসুং স্বর্গ নিক্তুনা থিরিবী অদুমক্লি হায়বসি হনুমাননা হৌজিক খঙবা ঙম্লে। মপুরোইবা নীংজরবী রামগী নুপী অসিদা হনূমাননা উবা ফংলিবা অশেঙবা ফজবা হায়বদু মসিনি। মসিনা সীতাগী হকচাংগী ফজবদা অমুক্তা হেন্না চিংলেমহল্লি।

হৌজিক হনূমান্না সীতাগী মাঙদা লাক্লে, নকশিন্না খঙজবা ঙম্মনবা ৱারী শাবা হৌরে, কিষ্কিন্ধাদা হন্দুনা রামদা প্রাউ তম্লুদ্রিঙৈগী মমাঙ অসিদা অশেঙবা সীতা খঙন্নবা হোৎনরক্লে। সীতাদি হনূমানবু উদ্রি। মহাক লৈরে হায়বসি খঙননবা হনূমানন্না [illegible] কগা [illegible] কিষ্কিন্ধাদা লাক্তুনা য়োংশিংগী অঙম অথৌশিংগা উন্নরবগী মতাং অদু [illegible] লাবা হৌরক্লে। য়োং অমনা য়াম্না থোৎনা মেঙনা রামগী মিং শোনবা তাবদা সীতানা মথক্তা য়েংখৎলি। হনূমান্না কুমথরক্লগা মাগী মশক তাকই।

সীতাগী মনাক্তা লাকপগী অশেঙবা মরম অদু তাক্লবা মতুংদা রামনা পীরকপা খুদোপ অদু সীতাদা শীন্নরে। মথং মথং ৱারী তপ্লা তপ্লা শানরকপদগী অনীমক্তা কান্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া পূকচেল তিংনা ফোঙদোক্লরে। চিংলেম্নবী নুপী অদুগা পূক্লিং ফাওদোক্লরবা মতুংদা হনূমান্না মতম খরদংগী মনুংদা অৱা অনা অমদি খুদোংথিবা অদুদগী কোক্লনবা মনঙ্গন্দা লেংখৎহল্লগা খুদক্তা রামগী মনাক্তা পুরগে হায়জে। অদুবু, মরম কয়াদগী সীতানা ৱাফম অসি য়ানিংদে। মরম কয়ামুক শুগায়না হায়রকই - মরুওইবা মরম অমদি - মীনা হুদুনা পুখ্রবী নুপী অমবু মপুরোইবগী মফমদা লোন্না অমুক পুশিনবা হায়বসি রামগী ঈজ্জৎ শোক্কনি হায়রকই। মরম অদুনা সীতানা পান্নিবদি - রামনা রাবণবু লান্দা মায়থিবা পীরগা অযোধ্যাদা ঈজ্জৎকা লোয়ননা হনখিবা অদুনি হায়না ময়েকশেংনা ফোংদোকলকই। হৌজিক হনূমান জ্ঞান তারে — নুপী অসি হকচাংগী অমদি লৌশিংগীতা নত্তনা অনী অসিদগীসু হেন্না মরুওইরিবা ধর্মগী মতাংদসু রামগুম্না চাউরবা মীশক অমগী খ্বাইদগী হেন্না মতীকচারবী পুন্সিগী লোয়নবীনি। জানকীগা হনূমানগা শান্নরিবা ৱাখল্লোনগী ৱারী অসিদগী নুপী অসিগী অশেঙবা মতীক মগুণ ফোঙদেক্লবনি। নুপী অসিগী থম্মোয়দা লোত্তুনা থল্লিবা তশেঙনা ফজরিবা অসি বাল্মীকিনা মহাক্কী মহাকাব্যগী মঙাশুবা তাংকক "সুন্দরকাণ্ড" (ফজবগী তাংকক) হায়না চপ চানা মমিং থোল্লিবা অসিনা নীংথিনা ফোঙদেক্লবা হোৎনরি।

রামায়ণগী মতাং অসিদা পন্নরিবদি "সুন্দরকাণ্ড" অসিদা য়াওরিবা পাত্র পাত্রী খুদিংমক, থৌদোক খুদিংমক, খোঙথাং খুদিংমক, ৱাহৈ খুদিংমক অমসুং ৱাখল খুদিংমক ফজবগী ফজবা ঙাক্তনি হায়বসিনি। তশেঙনা ফজরিবদি খ্বাইদগী হেন্না ফিদম্নিংঙাই ওইরবী জানকীগী শক্লোন অসিদা য়াওরিবা মখল কয়াগী ফজবা অসিনি। মঙক্তা নোম্বদা ফংগদৌরিবা মপাম্থোংগী নুংঙাইবা পূম্নমক অদু পামজদদুনা মনুং মপান অনীমক্কী ওইবা মথন্তা ফোঙদোকচরক্কিবা আত্মাগী (এটোমগী শক্তিদগী হেল্লবা) শক্তি অদুনা পুন্সিগী মচি ওইরবা গুণশিংবু ঙাকশেন্দুনা থম্মনবগী হেনফদ্রবা শাজৎ অদুদা চেৎনা থাজবা অদুনি। রামায়ণগী মতাং অসিদা য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা মশাগী অপাম্বা ফোঙদোক্লিবা অশেঙবা ফজবা অদু য়াওরি।

হনূমানদা লাইগী শক্তি য়াওরে হায়বা সীতানা খঙবদা কুয়না চংখিদে। মতম খরা মহাক্কা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সীতানা থাজবা থম্বা ঙম্লে। সীতাগা রামগা অনীতনা খঙজবা মশা মশাগী ওইবা পুন্সিগী অথুপ্পা থৌদোক কয়া লীরে, মসিনা হনূমাননা সীতাগা তশেঙনা উন্নরে হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা ৱাফম রামদা ওইহল্লুগদৌরিবনি। হনূমাননা সীতাগা উন্নরুরে হায়[illegible]বনি হায়ন[illegible] নবগীদমক খুদোলপোৎ অমত্তং নিজরকপদা সীতানা মহাক্কী লূহুপকা মাণ অদু [illegible] লীরে। হনূমানগা নুংঙাইনা পূক্লিং ফোঙদোকমিন্নরকপদগী মহাকপু থাদোক্তুনা হনূমানবু

চৎহন্নিংদবগী মতাং ফাওবা য়ৌরক্নে । অদুবু রামদা থৌদোকশিং অসি য়ারিবম্মখে থুনা হনখিদুনা তম্লুবা ফৈ হায়বা খঙঙি, মরমদি অদুক্কী মতীক থুজিল্লগা রামনা খোঙশানবিরক্তুনা ওৎনৈরিবা অসিদগী হেন্না থুজিন্না কনবিরবা ঙমগদৌরিবনি । মমৈদা, ফীভম অসিদা লেপ্লদুনা মতম খরদংগী ওইনা হনূমানগা কায়নৈ ।

হনূমাননা অরোনবা লান্মী অমগুম্না লঙ্কা থাদোকখিদে । রাবণ য়াওনা প্রজা পূম্নমক্কী মফমদা মহাক লাক্নে হায়বসি খঙহনখি । রাবণদা রামগী মফমদা লাল্লে হায়জবগা লোয়ননা সীতাবু হলহনখিবা, নৎত্রগনা মাগী লৈবাক অমদি মশামক তুমনা মাঙননবা শেম শাজরো হায় । রাবণনা হনূমানগী মমৈ মৈ থাদোক্তুনা শহর পূম্বদা কোয়চিং চিংনবা য়াথং তৌরক্লবদা, হনূমাননা শহরপূম্বা মৈ থাননবগী খুদোংচাবা লৌই । মদুদা, খুদক্তা নীংশিংলক্লিবদি সীতা ফাওবা মৈ চাকপদা য়াওখিবদি ফত্তে হায়বসিনি । অদুবু প্রজাশিংনা সীতা করিশু তৌদে হায়না ঙাংনরকপা তাবদা মৈগুম্বী সীতাবু মৈনা চাকপা ঙম্লোই হায়বা হনূমাননা খঙলে । (না নাশিস্যতি কল্যানী মাগ্নিরগ্নৌ প্রবর্ত্ততে ।) তশেঙবদি হনূমানদা তমথিবা চৈরাক পীরিবা অদু তাবদা হনূমানগীদমক সীতানা ৱাঁজে অমসুং মৈ কৌবা লাইদা রামগী শান্তিগী দুত অদুবু থৌজানবিনবা খুরুমজৈ । বাল্মীকিগী ৱাহৈদা সীতানা মারুতি খুরুমজনবগী থৌদাং লৌরদুনা মশাগী লাই নৎত্রগা "পাবক" (শেংদোকপিবা) হায়না শীজিন্নরিবা লোল অসি য়াম্না মরুওইবনি । মীৎস্না কোয়দানবী নুপী **(বিশালাক্ষি)** অসিনা মৈগা মায়য়োক্লনা ফম্লদুনা শেঙলবা লাই অদুদা অসুম্না খুরুমজৈ :

য়দ্যস্তি পতিশুশ্রুষা য়দ্যস্তি চরিতং তপ : ।
য়দি ৱাস্ত্বেকপতীত্বং শীতোভব হনূমত : ॥

(ঐনা ইপুরোইববু নীংজবা অসিগী মমল অমত্তং লৈরবদি, মওং খুদিংদা চৎচরিবা ঐগী শাজৎ অসিনা শান্তি থম্লনবগী তপস্যা অশেঙবা ওইরবদি, অদুগা ঐগী থম্মোয়গী মবুংঙোগা ঐগা লৈনরিবা ঐখোয় অনীতগী ওইবা নীংনবা অসিনা অর্থ লৈবা তারবদি, লুরবা তাংফম অসিদা হনূমানবু থৌজানবিয়ু অমসুং ঈংহনবিয়ু ।)

মন্ত্র অসিগী মখাদা শৈরেং তাঙ্কক অহুম শমথরক্তুনা ধর্ম লৈরবা থৱায় অমবু ফৎতবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা লোল শীজিন্নদুনা হনূমানবু মশা ঈংহনবতা নৎতনা ফৎত্রবা মীশিং অদুগী শহর পূম্বা মৈ থাই । হনূমান মশামক্লসু য়াম্না ঙক্লা থোকখি, রামগী আশীর্ব্বাদনি । মাবু পোকপা মপাইবুংঙোমক্কী আশীর্ব্বাদতগীসু হেন্না অঙকপা মৈ অদুনা মাবু চাকপা ঙমহনখিদবনি হায়না হনূমাননা লৌই । মহাক্কী তৌবিমল খঙবগী ৱাঙাংশিং অদুসু সীতাগী লাইশোলগুম্না মতীক লৈ । মতাং অসিদা বাল্মীকিগী খোঞ্জেল অঙকপা ফংনা নীংথিজৈ অমসুং শক্তি লৈ, অচুম্বা, হৌনবী অমদি ধর্মগী চাংয়েং অসিগা চৃশীন্নবা ৱাহৈ ৱাতা পুথোকপা ঙম্মী । খোন্থাং হন্না হন্না য়ৈদুনা লৈহৌরগদবা ৱাহৈশিং অসি পারুরবা মতুংদা কবি অসিনা

করিগীদমক মতাং অসিবু "সুন্দরকাণ্ড" কৌরিবনো হায়বদু অপাবশিংনা শোয়দনা খঙঙি ।

থৌদোক অসিগী মতুংদা হনূমাননা সীতাগা অমুক্কা উন্নজে—বিদায় লৌজনবা অমসুং রামদা তম্লুনবা পাউজেল খঙজনবা । হৌজিকমক্কীদি রাম অমসুং সীতা অনীগী পৃক্লিংগীতা ওইরবসু তিন্নহন্নবগী খ্বাইদগী চাউরবা থৌদাং লৌরিবা শান্তিগী দুত অসিদা সীতানা অখাকপা লৈতনা বর পী । থা অমমুক্কা হিংনা ঙাইবা ঙমজখিগনি, মসিদগী হেন্না শাংদোক্না হিংহনবিনিংলবদি তৌফম থোকপশিং অদু রামনা তৌবিরক্কদবনি হায়না তম্বীয়ু হায়না সীতানা হনূমানদা হায় । পাউজেল অসি হনূমাননা রামদা তম্লবদা মীথোই মীহেল্লবা নুপা অসিনা হায় - আইন লৈত্রবা, মথোং মরম খঙদনা পুন্সি লেল্লিবা মফম অদুদা লৈরিবী মাগী নুংশিজবীগী অৱাবা ৱারীশিং অদু তারগা মীৎকুপ অমফাওবা মহাক মশামক্তি হিংনিংদ্রে । মথৱাইনা পোত্থা ওইরদুনা হোৎনরকপা অদুগীদমক হনূমানবু রামনা চেৎনা কোনশিনবি ।

অসুম্না নুমিদাংৱাইরম অমদগী নুমিদাংৱাইরম অমা ফাওবা চপচানা পুং কুন্মরিচুপ্পগী ৱারী য়াওরিবা "সুন্দরকাণ্ড"গী মতাং — লঙ্কা অমসুং অযোধ্যা অনীমক্তা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবগীদমক লঙ্কাদা চৎননবা অচেৎপা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা লোইশিল্লে । লান হৌরবা মতমদা, লান অসিগী মপুং ওইবা মরম ওইরিবী সীতাদা রাবণনা অঙকপা ফংনা কিহল্লী, মিহৌহল্লী অমসুং মওং কয়া থোক্লা শীঙনৈ, মচানুপা ইন্দ্রজিৎপু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নে । ফৎত্রবা থৌদৌশিং অসি য়ানিংদবা বিভীষণবু তাম্থোকখ্রে, ৱাখল মুন্না খন্থবা ফৈ হায়রকপা কুম্ভকর্ণবুনা তুমহন্দুনা থম্মী । রামনা অঙ্গদ থাদুনা অচুম্বা অমসুং নমথাক অনীগী লান হৌরমদাইদা চেকশিন-পাউজেল রাবণগী মফমদা খঙহল্লী । ফজরবা চেকশিন ৱা অদু রাবণনা তাশিন্নদ্রে, মাগী হৌনবী, নারোন্নবা, লৃজদবা অমদি কিহন্নবগী থৌওংশিং অদু পাঙথোকপা হৌরকই । সীতাগী মমাঙদা রামগী অশাবা মুর্তি অমা থম্লগা শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈনা য়াম্না থাজহনবগী মওংদা কনথৌরবা রামবু মনাওনুপাগা লোয়ননা অহানবা লানফমদা হাৎলবনি হায়রকই । চমজরবী সীতানা মদু থাজখি, অদুবু লানফমদগী অথুবা পাউ অমা লাক্কুনা রাবণ -খুদক্তা চৎখ্রে, তৌরম্লিবা মওং মতৌ পূম্নমক পূম্মাঙ মাঙখ্রবদা খুদক্তা সীতানা তৌশিন্নবনি হায়বা খঙখি । পাউ অদু অশেঙবদি সুগ্রীবগী লাম্মীনা লানফমদা শেম-শাদুনা লৈরম্বা অদুগী ওইরম্লে ।

সীতাগী পৃক্লিং চোইনবা অনীশুবা ওইনা হোৎনরক্লিবনা - সীতাবু পুষ্পক দোলাইদা তোংহল্লগা লানফমদা পুদুনা ইন্দ্রজিৎকী নাগপাশ তেননা শিবা য়ানা শোকহন্দুনা রাম অমসুং লক্ষ্মণনা ৱান্থদুনা লৈবদু উহল্লী । মতাঙ অসিদসু সীতাগী থম্মোয় কায়, তমথিরবা লাইবক্না মপুরোইবগা কায়নহল্লবনি হায়না খল্লী । অদুবু মাগী লোয়নবী ত্রিজটানা হায় - রাম অমসুং লক্ষ্মণগী মায়থোং অদুগী মচু মমেন

য়েংলগা ফজনা হিংলি হায়বা খঙঙি অদুগা পুষ্পক দোলাই অসিসু লুখ্রাবী অমতনা তোংবা য়াদবনি হায়না খঙহল্লী। মহাক্কী লৈফম অশোকবন য়ৌরবা মতুংদা সীতাগী অৱাবা অদু কোকখি।

রামগী থম্মোয় কায়ননবগীদমক য়াম্না তমথিবা মওংদা ইন্দ্রজিৎনা সীতাগী অহিংবা মানবা মুর্তি অমা শারগা হনুমানগী মমাঙমক্তদা হাৎলে হায়না খঙহনলকই। মপাবুং রাবণনা হায়বা মতুংইন্না মসিনা মহাক্কী অরোইবা লৌনম্লাংনি। হনুমানসু ফৎত্রবা নুপা অদুনা সীতাবু তশেঙনা হাৎলবনি হায়না থাজরবনি। হনুমানগী মচিন্দগী পাউ অসি তাবদা রাম ৱাষ্টে। অদুবু বিভীষননা পুম্নমক অদু মায়ানি হায়দুনা রামগী চিংনবা কোকহল্লী। রাবণনা ইন্দ্রজিৎ তুখ্রে হায়বা খঙলবদা য়াম্না নীংবা কায়না সীতাবু হাৎননবগীদমক অশোকবনদা থুনা য়াঙনা চৎলি। সুপর্শ্বনা হায়বদগী ৱাখল অদু থাদি থাদোকই। রাম রাবণগী অরোইবা লানফমদা রামনা মায়পাক্লে, রাবণ শিরে। পাউ অসি তম্লুনবা রামনা হনূমান থারুবা মতমদা সীতানা মপুক্লিংগী অৱাংবা থাক্তা লৈরম্মী অমসুং অঙকপা ফংনা ৱাখলগী চাং কায়দনা লৈরম্মী হায়বসি ঐখোয়দা খঙহনবা ঙমই। হনূমাননা মাগী মনাক্তা চংলকপা উবদা সীতানা শকফম কায়দনা ঈংনা তপনা লৈরম্মী, থা অমগী মমাঙদা শানখিবা ৱারী অদু নীংশিংলমলি অমসুং মপুরোইবনা লান শোয়দনা ঙম্লগনি হায়না খঞ্জরদুনা লৈতানা লৈরম্মী। সীতাগী ঈংনা তপনা শকফম কায়দনা লৈরম্বা অদু উবদা হনূমাননা নুংঙাইরবা পাউ অদু ৱাহৈ কয়া শীজিন্নরদুনা তম্মী অদুবু সীতাদি অদুম শকফম হোংদনা লৈখি। রামগী মপাউ হনূমাননা তম্নরবা ফাওবদা সীতানা মশাগী ৱারোল ফোঙদোকচবা ফাওবা ঙমখিদে। মমৈদা, হনূমাননা মঙোন্দা হংজে - "করি খনবিরিবনো পুকচেল চাউরবী ইবেম্মা ? ঐঙোন্দা ৱা অমত্তা ঙাংবিদ্রিবা করিগীনো ?" পিরাংগা লোয়নরবা খোঞ্জেলদা সীতানা খুম্লকই - " ঐ কা হেন্না হরাওবনা থুমহৎখ্রে, ঐ ঙহাক্তি ৱা ঙাংবা ঙমখিদ্রে, তশেঙবদি নহাক্লা ঐঙোন্দা পাংবিরিবা নতেং অসিগী লমন করিনা খুম্লসিগে হায়না খন্দুনা লৈবনি।" জানকীগী ৱাঙাং অসিনা হনূমানদা হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা ওইখি। হৌখিবা চহী অমা চৃপনা মহাকপু ওৎনৈরকখিবী রাক্ষসীশিং অদুনা হৌজিকসু সীতাবু কোয়শিন্দুনা লৈবা অদু হনূমাননা উরগা সীতাদা মখোয় অসি হাৎপা য়াহনবিয়ু হায়না হনূমাননা ঈঙ্গিৎ তৌজে। পূকচেল চাউরবী নুপী অদুনা হনূমানদা মদু চুমদে হায়, মরমদি মখোয় মশানা তৌগে হায়না তৌবা নত্তে, থবক অসি মখোয়গী মবুংঙোগী য়াথংদগীনি, মখোয়দি চুমনা মথৌ পাঙথোকচবতনি। মসিমসু হায় - পুম্নমক অসি মাগী তমথিরবা লাইবক অদুননি, কনাদসু তাইনফম থোক্তে। জানকীগী অয়ৌবা চিংলেমজবগী মতৌ অমদি মহাক্কী নীংথিজরবা ৱাঙাং অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী — " জগৎ অসিদা অরানবা অমত্তা তৌদববু কনানো !" মহাক্লা হনূমানদা হৌখিবা

অপূন্বা কাউথোক্লবা অমসুং মরাললৈজদ্রবী নুপীশিং অদুবু ঙাকপিনবা হায় । মহাক্না পামজবদি য়ারিবমখৈ থুনা রামগী অরংবা মায়থোং অদু য়েংজনিংঙি, পাউ অসিতমক তন্বীয়ু হায়না হনূমানদা হায় ।

পাউ অসি রামদা তন্নরবদা মী পূম্নমক্না উবা য়াবা মফম অমদা সীতাবু লৌবিরুনবা রামনা বিভীষন থায় । অসিমসু হায়খি — নীংথিনা ঈরু মায়থজরগা ফিজেৎ-লৈতেং তৌদুনা সীতানা লাক্কদবনি । সীতাদি পূম্নমক অদু তৌদুনা মতম মাঙহনবা পান্নমদে, খুদক্তা রামগা উন্নজনিংখি, অদুবু রামগী য়াথং অদু ঙাক্লনবা বিভীষননা হায়জৈ । পূম্নমক অদু শেম শাজরবা মতুংদা বিভীষনগা লোয়ননা সীতানা উন্নফম অদুদা য়ৌরক্লে । অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মতৌ অদু ওইদুনসু, হরাওবা, অঙকপা অমদি নুংশিবা পূম্নমক অসি ইয়ান য়ানশিন্নরদুনা সীতানা রামগী মনাক্তা চংজরকই । মতম কুয়রবগী তুংদা মবুংঙোবু উজবদা সীতাগী মায়থোং অদু লৈচিল থাংদ্রবা অতিয়াগী পূর্ণিমাগী মতৌগুমখি । হকচাংগী অমসুং পূক্লিংগী চোকথবা পূম্নমক খূদক্তা মাঙখি, মপুরোইবগী মায়থোং য়েংজরদুনা আশাগী ময়োল নৌহৌননা চোংখি । অদুবু লক্ষ্মণ, সুগ্রীব অমসুং হনূমাননা মবুংঙো রামগী অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মায়থোং মকশিনখিবা উবদা অৱাবগী ফিরুক খুম্মী । সীতাসু পূক্লিং চপয়ুংনা মবুংঙোনা করি হায়বিরক্কদগে হায়না ঙাইজদুনা লৈখি ।

হৌজিক্তি অশেঙবা পরীক্ষা হৌরে । রামনা মনাক্তা মায়থোং লূকথনা লেপ্লিবী সীতাদা মপুরোইবা ওইনা নৎতবা, জগৎকী মপু ওইনা ৱা হায়বা হৌরক্লে । মশামক্কী ফীভম নৎত্রগা হায়বা ইল্লবী মাগী নুপীগী ৱাফম তোক্তুনা রামনা ময়েক শেংনা সীতাদা হায় — লান অদু মাগী নুপী ফংনবগীদমক শোক্লখিবা নত্তে, মরুওইনা মাগী ঈজ্জৎ শোকহনখিবা অদু কোকননবা অমসুং ফৎতববু মাঙহন্দুনা অফববু য়োকখৎকনি হায়খিবা অদু সুগ্রীব, হনূমান অমদি বিভীষনগী মতেংদগী থবক ওইনা পাঙথোক্লেবনি হায়খি ।

ৱাহৈশিং অসিনা সীতাগী মীৎ লাওনা পাঙহনখি অমসুং পিতনা পূমথন থনখি । অৱাবা কয়া খাঙদুনা কুয়না কায়নরুরবগী মতুংদা অসিগুম্বা ৱাঙাং অসি তাগনি হায়না সীতানা খক খল্লুদবনি । আইনবু ঙাকশেনবা অমা ওইনা রামনা মখা তারকই, মতম কুয়না মীগী ময়ুমদা লৈরুরবী অমা ওইনা, অদুগা মাগুম্বী শক-চু হেল্লবী নুপী অমনা রাবণগুম্বা ঈরাং পুবা নুপা অমগী মখুৎতগী মশাবু কঞ্জবা ঙম্লমগনি হায়বসি ওইথোক্তবনা সীতাবু অমুকহন্না লৌশিনবা ঙম্লরোই হায়রকই। মমৈদা রামনা সীতাদা মহাক্না অপাম্বা তৌবা য়ারগনি, মহাক্না পান্নবদি লক্ষ্মণলা, ভরতলা, সুগ্রীবরা নৎত্রগা বিভীষনলা অমা খল্লগা লৈখিবা য়াগনি হায়রকই ।

রামগী পুন্সিগী লন ওইরিবী সীতানা ৱা ঙাংলিবা নুপা অদু মহাক্কী চান্নথোইবনি হায়না থাজবা ঙমখিদে । তানিংদবা ৱাঙাং অদুনা মহাকপু য়াম্না তুকথহনখি অমসুং

শামু অমনা নেৎথৎখ্রবা উরী অমগুম্না মরা তৎখ্রে হায়না খঞ্জখি । মতম কুয়না কপতুনা লৈখি, অদুক য়াম্বা ময়াম অদুগী মমাঙদা হায়খিবা অদু তারুরগা ইকায়জখি। ৱাহৈগী নুংশি হৈত্রবা তেনশিং অদুনা পাল্লদুনা পি য়াম্না শিহুখি, মরেংজুম নীক্রুদুনা লৈজবা পাঙ্গল পুথোকচদুনা পিরাংনা লূপ্লবা মায়থোং অদু শেংনা তৈথোকচরগা ৱা ঙাংনবা শেম শারকই, অদুগা মপুরোইবদা হায়, “ অদুম্না তাকপিরিবা করিগীনো ইবুংঙো ! অয়ম্বা নুপা অমনা অয়ম্বী নুপী অমদা হায়বগুম্ন ঐঙোন্দা করিগী হায়বিরিবনো ? ইবুংঙোনা খনবিরিবা অদুদি ঐ নচ্চদে। ঐবু অদুক হস্থনা খনবিরবদি ৱাফম অদু হনূমানদা হায়বিরক্রম্বা য়াবনি, হোৎনবিখিবা কয়া অসি হোৎনবিরমদবা য়াবনি, ঐনা ঐগী হকচাং পোলাং অসি হন্দোকলম্বা য়াবনি । ঐনা নুংঙাইজদ্রিবদি ইবুংঙোনা ঐবু নুপী অমখক্তা ওইনা উবিরে, ইবুংঙোগী মফমদা থৱায় কৎচখ্রবী পুন্সি-খোঙলোয় ওইখ্রবী তালোয় অমা ওইনা উবিদ্রে। লুহোংবগী শেঙলবা থম্মোয় তিন্নখিবা, ঐগী সতী ধর্ম অমদি ফজবা লমচৎকীদমক নুংশিবিখিবা কয়া অদু পূম্লপ কাউথোকপিখ্রে ।”

নোল্লুক্লা ৱাকৎচবা অসিদা রামনা খুন্নক্ত্রবদা সীতানা লক্ষ্মণদা ওনশিল্লে, অদুগা অৱাবা অসিদগী অমত্তা ওইরবা কোক্লবা উপায় ওইনা মাগীদমক চিত্তা অমা শেম শাবিনবা হায়খি । অসুম্না শাউরকপা অসিদা লক্ষ্মননা য়াম্না নুংঙাইতনা রামদা য়েংখি, অদুগা মাগী মায়থোংগী ফীভম য়েংদুনা থবক চৎথখি । মিথিলাগী রাজকুমারী অদুনা রামদগী ফাওবা ঙাকপিয়ু হায়জখিদে। মহাক্লা পাল্লিবদি মঙোন্দা তৌবিখিদবা অচুম্বা অদু ফংজবনি । অদুদগী মপুরোইবনা পাম্বিদ্রবা হকচাং অদু মৈদা কথোকচনবা থৌরাং তৌরক্লে । মৈ কৌবা লাইদা খুরুমজবদা শোনখিবা মরুওইরবা লাইশোল অদুদা সীতানা হায় :

> য়থা মে হৃদয়ং নিত্যং নাপসর্পতি রাঘৱাত্ ।
> তথা লোকস্য সাক্ষী মাং সর্বত: পাতু পাৱক: ॥

(ঐগী থম্মোয়না রামদগী খক থাপতোকচদে মরম, অদুনা মৈ কৌবা লাইনা ঐবু মায়গৈ পূম্নমক্তা ঙাকপিয়ু ।)

অসিগুম্বা শৈরেং তাঙ্কক অহুম শোল্লগা তিল্লিবা ময়াম - অউবসু উদবসু পূম্নমক অদুগী মমাঙদা অকিবা লৈতনা মখুৎ লোন্নরদুনা মৈনুংদা চঙখ্রে । মায়গৈ পূম্নমক্তগী খোঞ্জেল হৌনা লাউরকই, থম্মোয়নুংদা য়াম্না ৱাজরবা রামনা ধ্যান তৌদুনা লৈখ্রে, পূক্লিংদা করিগুম্বা অঙকপা খরগী ৱাখল তৌখ্রে, অদুদগী খঙহৌদনা লাইয়াম পূম্নমক তিল্লরে অদুগা মৈগুম্না শেংলবী সীতাগী শেংলবা নুংগী শক্তম অদু খঙবিনবা রামদা তক্লখি । মমৈদা মৈ কৌবা লাইনা রামদা সীতাবু শিন্নরদুনা হায়, “পাপ চেন্দ্রবী নহাক্কী সীতা ’সিদা লৈরে। মহাকপু মীরাইবিদনা লৌশিনবিনবা ঐনা নঙোন্দা হায়রি ।” রামনা মৈ কৌবা লাই অমদি অতৈ লাইশিংগী য়াথং

অদু ইল্লে, অদুগা সংসার অসিনা সীতাবু কয়া য়াম্না শেংবা নুপীনো অমসুং মপুরোইবা অসি কয়া য়াম্না হৌনবী খঙবনো হায়বদু খঙখিনবগীদমক অসিগুম্বা শেংলবা পরীক্ষা অসি তৌবনি হায়খি ।

অসুম্না পরীক্ষা অদু ইংনা লোইশিল্লে । অদুবু রামগী অকনবা ৱাহৈশিং অমসুং সীতানা মৈনুংদা চঙখিবা মতমদা মহাক্না মেন মান তাদনা তুমীন্না লৈখিবা মতাং অসি হৌজিকসু রামগী থোইদোক হেন্দোক্না ফজরবা লমচৎপু কন্না থাগৎচবা কাঙবুনদি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরি । অদুবু রামগী মায়থোংগী ঈঙ্গিৎ য়েংদুনা লক্ষ্মণনা থবক চৎথখিবদা মহাক্না তুমিন্না লৈখিবা অদুনা রামগী অঙকপা শাজৎ অদুগী মরম অমদি পী । সীতাসু মাগী থম্মোয় লকানুংদা ফাওরম্বা য়াবা ৱাখলদি সনাগী শজি শারিবা মারীচকী মখুৎতগী রামবু কল্লুনবা লক্ষ্মণদা চেনখ্রো হায়রবদা লক্ষ্মণনা সীতাবু থাদোক্তুনা চৎনিংখিদবা মতাং অদুদা সীতানা লক্ষ্মণদা অসিগুম্বা অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নখিবা অদুগীদমক রামনা সীতাদা পাড়া তম্বীনবা হোৎনরম্বা য়ায় । অদু ওইদুনসু তৌরিবা পূম্নমক অসিদি শেংলবী নুপী অসিদা ফজদবা মওং অমা ওইহল্লবনি হায়বসিদি লেঙদনা লৈরগনি । অদুগা, অসিগুম্বা অৱাংবা থাক্কী নুপী অমনা অশুক কল্লবা পরীক্ষা অসি মায়পাক্না মায়য়োক্লখি হায়বসিমসু অচুম্বনি ।

অদুবু, হেন্না কল্লবা পরীক্ষা অমনসু জানকীগী খাঙবা কনববু অমুক শীংনররি । মমাঙগী অদুদগী মখা তারকপনি । লঙ্কাদা তৌখিবা মৈগী পরীক্ষা অদুনা তাঞ্জা অদুদা লৈখিবা পুম্নমক্তা সীতাগী মগুন খঙহনখ্রে । অদু ওইদুনসু অযোধ্যা অমসুং লৈবাক অপুম্বগী প্রজাশিংনদি সীতাবু চিংনরি, মসিনা মীচম প্রজাশিংগী মরক্তা ৱাথোক অমা ওইরকই । নিংথৌ অমা ওইনা রামনা মসি খাঙবা ঙমদে, অদুনা য়াম্না থাদোক্লিংদনা অমদি লৈতাফম খঙদনা সীতাবু থাদোকপা তাখি । মতাং অসিদসু সীতানা হেন্না ৱাংবা ধর্মগী থাক্তা কাখি । মহাকপু থাদোক্লবনি হায়বসি য়াম্না কোন্না খঙলক্লবসু সীতানা রামবুসু লক্ষ্মণবুসু ৱারৌখিদে । থোইনদুম রামবু থাগৎখি মরমদি মহারাণী জানকীবু খ্বাইদগী হেন্না নুংশিবিনবগী অধিকার লৈজরবসু লৈবাক্কী মপী মপা ওইবগী থৌদাং য়াদুনা প্রজা পূম্নমকপু চপমান্ননা লুনা তৌজরিবা রামগী ৱাখল অদু সীতানা য়াখি । অদুবু রামগী পুন্সি খোঙলোয় ওইরিবী সীতানা মশাগী ওইজবা, নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং মতীক মগুণ, লৈবাক অনী অযোধ্যা অমসুং মিথিলাগী ঈজ্জৎকীদমক হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লোয়না থাদোকই । মহাক্তি লৈবাক অনী অসিগীনি, লৈবাক অনী অসি মহাক্কীনি ।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু রামনা মাগী চান্নরবী নুপীদা উপায় লৈত্রে হায়বা খঙলবসু অমুকসু অরানবা তৌরে । মাগী নুপীগী গর্ভদা অযোধ্যাগী ফম্বাল কারগদবা মচাগী মিহুল চোংলে হায়বা খঙলবদি মহাক্কী ৱারেপ অদু খরদি কোমথেক্লম্বা য়াবনি । অঙাং উন্নবগী তাঞ্জা অদু নিংথৌ কোনুংগী মনুংদা অখঙ-অহৈ কয়াগী

মতেং লৌহল্লম্বা য়াবনি। অদুবু মহৌশাগী খুৎতা হেক্তা শীন্নথোক্লে। মহৌশাগী থৌজালদগী সীতাবু থবক অসিগীদমক মফম খ্বাইদগী ফবদা অমসুং খ্বাইদগী ফবা মীগী মনাক্তা ওইহল্লরে। তাঞ্জা অসিগীদমক মহর্ষি বাল্মীকিনা থৌরাংনা ঙাইজরক্লিবনি। গুণ চেনবদা ফজবদা অমসুং ধর্ম লৈবদা পূমহেন হেল্লবী ফিদম্নরিবী অসিগী অরোইবা চংজফম বাল্মীকিগী আশ্রমনা ওইখি।

জগৎকী মপুনা অৱা-অনাশিংগী মরক্তা তুমীন্না ৱা ঙাংঙি। মতম পুম্নমক্কী ওইনা চুম্লবা ৱাফম অসি পূকচেল চাউরবী অমদি চিংলেমনা তপস্যা তৌরিবী ফিদমগী মশক ওইরবী মিথিলাগী রাজকুমারী অসিগী পুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা থবক ওইনা পাঙথেক্লরে। বাল্মীকিগী হৈশিংলবা থৌশিল মখাদা মানা পোকচবা মচানুপা অনী মহৈ তমহল্লে। রামমক্লা নিংথৌ ওইজরবসু মমল য়াম্লবা খুদোংচাবা অসি ফংলম্মোইদবনি। মচানুপা অনী অমসুং মমাইবেম্মনা মাগী মনাক্তা লৈদুনা আশ্রমদা লৈরিবা মী কয়ানা মখোয়বু মচামশুগুম্না ঙাকশেনবিদুনা লৈবা অসিদগী বাল্মীকিগী পূক্লিংদা অরেপ্পা লৈতনা ঈথক-ঈপোম হৌহনখিবনি। স্বগগী ঋষি নারদনা রামদগী হেনবা অতৈ নায়ক অমা লৈররোই হায়খি, নায়িকাসু বাল্মীকিগী মনাক্তা অদুম লৈরবনি। বাল্মীকিগী মীৎয়েং হেন্না কনশিলহন্নবা অমসুং খোঞ্জেল হেন্না থোৎহন্নবগীদমক শেম্বীবা মপুনা মহৈগী লাইরেম্বী সরস্বতীবু থারক্লবনি। অযোধ্যাগী তুংগী নিংথৌ খুবম ফংলগদৌরিবা মচানুপা অনীনা মহাকাব্য অসি মীয়াম মমাঙদা মওং চুম্না থীননবা শেম শাখ্রবনি। খোঞ্জেল অদু অরোইবা পম্থুংফমদা তিনখ্রবনি।

লব অমসুং কুশ অঙাং অনীনা বাল্মীকিনা লেংবা রামায়ণ নুংশিরবা খোঞ্জেলদা শকলকপদা রামগী চাউরবা অশ্বমেধ যজ্ঞগী পাক চাউরবা মাণ্ডব পূম্বা খোম্থাংনা পূমনীল নীলখি। তিল্লরিবা মুনি ঋষি, নিংথৌ অমসুং প্রজা কয়ামুক্লা লাউরকপা মফমগী খোম্থাং ঙাক্তনি। অঙাং অনী অদু মচানি খঙলকপদা রামনা য়াম্না ঙকখি অমসুং হরাওজখি। অদুমকপু খুদক্তা মচানি হায়নদি লৌশিনবিখিদে। প্রজা মীয়ামগী মমাঙদা সীতানা মশক তাকপা ঙমজনবা, রামনা বাল্মীকিবু সীতাগা লোয়ননা লেংশিনবিরক্লবা হায়জে। রামগী মরমগীদমক সীতানা হায়ফম খঙদনা ৱাজরবসু মপুরোইবগী য়াথং ইনবদগী হেনবা পূণ্য চেনবা থবক অতৈ অমা লৈত্রবনা বাল্মীকিনা হায়বিবা অদু হরাওনা য়াখি।

রামগী মহুৎ শিলহৌগদৌরিবা মণিগুম্লবা মচানুপা অনী পোক্লবা মতুংদা মশাগী সতী ধর্ম ঙাক্লবগীদমক অহানবা দৃশ্য অদু অঙকপা মওংগী ওইবা তাবনি। মতম অসিদা সীতাদি খ্বাইদগী হেন্না ৱাংলবা ৱাখলগী থাক্তা লৈরে, হকচাংদগী পূক্লিংনা হেন্না লাকচবা, পুন্সিগী লূরবা মীৎয়েং অমগী মখা পোনখ্রবীনি। মহাক্তি হৌজিক তশেংনমক "বৈদেহী" (হকচাংগী মখা পোনদ্রবী) ওইরবীনি। ৱাখলগী অসিগুম্বা শক্লোন পুরবী সীতানা মহাক্কী থোরকফম পৃথ্বীমাতাগী লৈরোন্নুংদা চংজখি। লৈরোন্নুং অদুদগী থোকলকখিদুনা চাউরবা গ্রহ অসিদা লৈরিবা পূণ্য চেল্লবা জীব

পূম্নমক্তা নুপা অমসুং নুপীনা খ্বাইদগী হেল্লবা পুন্সিগী শক্তমনি, মখোয়না থেংনরিবা নুংঙাইবা অমসুং অৱাবা পূম্নমক -শক্তম অসিগী মওং মতৌ ঙাক্তনি - করিগুম্বদা মচু শেংদবা, করিগুম্বদা মওং চাদবা, অদুবু মতম পূম্নমক্তদি অশেঙবা শক্তমগী মওং ওইনা শেংনা উৎথোরক্লি ।

পৃথ্বীমাতাদা হায়খিবা মহাক্কী অরোইবা ৱাহৈশিং অসুম্ননি :

যথাহং রাঘবাদন্যং মনসাপি ন চিন্তয়ে ।
তথা মে মাধবী দেবী বিবরং দাতুমর্হতি ॥
মনসা কর্মণা বাচা যথা রামং সমর্চয়ে ।
তথা মে মাধবী দেবী বিবরং দাতুমর্হতি ॥
য়থৈতত্ সন্যমুক্তং মে বেদমি রামাত্ পরং ন চ ।
তথা মে মাধবী দেবী বিবরং দাতুমর্হতি ॥

(ঐগী পুক্নিংদা রামগী ৱাখল নৎতনা অতৈ খঞ্জদ্রবদি, ইমা মাধবী নঙোন্দা ঐগী চংজফম পীনবিয়ু । ঐগী পুন্সিচূপ্পা— ৱাখলদা ৱাহৈদো অমদি থবক্তা রাম অমসুং রামতবু লাৎচরক্লিবী অমা ওইরবদি ইমা মাধবী নঙোন্দা ঐগী চংজফম পীনবিয়ু। ঐনা হায়জরিবা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি অমসুং রামনা মসি খঙবিরবদি, ইমা মাধবী নহাক্কী ইংলবা নশাইগোল অদুদা ঐগী মফম অমা পীনবিয়ু ।)

রামনা পাম্বা অমসুং তাকপিবগী মতুংইন্না মতম পূম্নমক্কী পুন্সিগী লোয়নবী ওইরিবী নুপী অদুনা মশাগী অশেঙবা অমসুং সতী ওইবগী প্রমাণ তৌনবগীদমক মুনি ঋষি কয়া অমসুং প্রজা মীয়াম তিল্লিবা অচৌবা সভা মমাঙদুদা চিংনবা লৈতনা থেক্লকখি, তৌবতবু মমৈদা মমা মাধবীনা লৌশিনবিখি, অযোধ্যাদা হল্লকখিদরে, সংসারগী ওইবা নুংঙাইবা কয়া লৌখিদরে । মহাক্লা মতাংচানা বেদগী বিচারসু উৎলম্লে - থবকশিংতনা মচা-মশুশিংতনা অমদি লনথুমতনা শিবা নাইবশিংনা শিবা নাইদবা ওইখিবা নত্তে, থাদোকপা, কথোকপা অমসুং ইশানা য়ানিংনা সংসারগী নুংঙাইবশিং হুন্দোক্লম্বা— মখোয় অসিননি শিবা নাইবশিংনা শিবা নাইদবা ওইবা ঙম্লিবা ।

মৈথিলীগা মমা ওইরিবী মাধবী, অশেঙবদি, অমম-অঙান খায়রিবা পৃথিবীগী মচা-মশু পূম্নমক্কী মমা ওইরিবী মাধবীনা তিল্লিবা ময়ামগী মাঙদা লেংথোরক্লে, খ্বাইদগী পূমহেন হেল্লবী সীতাবু কোনশিনবিরে অমসুং খুদক্তা মাঙমিন্নখরে ।

মশাগী নুংঙাইবা অমত্তা থিদনা মপুরোইববু অৱাংবা থাক্তা থম্লম্লবী মপুরোইবা নীংজরবী নুপী অদুবু রামনা মমীৎতা পিরাংনা থুমহৎলগা অরেম্বদা য়েংখি । মী অমা ওইনবগী চাউরবা থৌদাং নুপী অমখক্তনা ঙমগদবা অদু সীতানা মপুন্সি চূপ্পা হোৎনদুনা লৈখি । সীতাগী মগুণনা হেনখিবনা রামগী মগুণ হাপলিবনি । মুৎপা নাইররোইদবা রামায়ণ মহাকাব্যবু সীতাগী চিংলেম্লবা ৱারীনি হায়না পূম্নমক্লা হায়নরিবসি মরম অসিননি (সীতায়াশ্চরিতংমহত্) ।

## শক্লোন অহুমগী অপূনবা শক্তম

রামায়ণদা মরুওইবা শক্লোন অহুমনি - বিশ্বামিত্র, লক্ষ্মণ অমসুং হনূমান। অযোধ্যাদগী মিথিলা, কিষ্কিন্ধা অমসুং লঙ্কা য়ৌখিবা রামগী খোঙচৎতা মখোয়না অচৌবা থৌদাং য়াখি ।

বিশ্বামিত্রনা রামদা য়াওরিবা লাইগী শক্তি অদু খঙদোকপা ঙম্মী অমসুং মীওইবা সমাজগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক মপালগী সংসারদা শকতাকলি। মতম অমদা বিশ্বামিত্রনা লাইগী শক্তি ফংনবা হোৎনবদা বশিষ্ঠগী লান্বা অমা ওইরম্লবসু প্রজা মীয়ামগী য়েংদুনা রামবু মহাক্কা লোয়ননা চৎননবা দশরথতা তক্লরকপদা বশিষ্ঠ মুনিগী শিংলবা পাউতাক অমসুং য়ায়ফ-ৱাখলগী মপূংওইবা মতেং ফংদুনা মায়পাকখি। লমহেল্লবা রাক্ষসশিংনা মহাক্কী যজ্ঞ থুগায়নবা হোৎনরকপদু থিংননবগীদমক মহাক্লা রামগী মতেং পামখিবদি নুমিদাং তরাখক্তগীনি, অদুবু থাখায় অমগা শাংদোক্লুনা রামগা জানকীগা থুংনহনল্লী। মপাম্বোংদদি তাড়কা হাৎপদগী মিথিলাগী মপা লৈতনা ফজরবী রাজকুমারী মরিগা অযোধ্যাগী রাজকুমার মরিগা পূণ্যগী মশক ওইনা লুহোংখিবগী থৌদোকশিং অসি হেক্তা ওইখিবগুম উই। অদুবু থবকশিং অসি লাইগী থৌইনশিন অমা য়াওই হায়বসি হেক্তা খঙনরবনি, থৌইনশিন অসি তপস্যাগী অহিংবা মূর্তি ওইরবা বিশ্বামিত্র মুনিনা পাঙথোকই। শতানন্দগা বিশ্বামিত্রগা মিথিলাদা ৱারী শানবদগী অহল্যাগী ৱারী মতাং অদুসু মাঙজৌননা ফজনা শেমদুনা থম্লবনি হায়বসি লায়না খঙবা ঙম্মী। তুংগী থৌদাং নীংথিনা পাঙথোক্লবগীদমক সমাজগী, সংস্কৃতিগী অমসুং ধর্মগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া বিশ্বামিত্রনা রামদা তম্বিখিবা অদু য়াম্না ফজনা শীনখ্রে অমসুং থৌরাং তৌখে, তুংদা দণ্ডক অমসুং লঙ্কাদা লেল্লুরগদবা রামগী হায়ফম খঙদবা পূন্সি খোঙচৎ অদুগীদমক নীংথিনা খঙজিল্লগা অযোধ্যাদা রামবু হল্লকহল্লী ।

মতাং অসিদা বাল্মীকিবু মশক খঙগে হোৎনরিবশিংনা খঙজিনগদবা অরুবা ৱাফম অনীনি। অহানবদা, বিশ্বামিত্রনা অখন্নবা থবক অমগীদমক রামতবু মহাক্লা লোয়ননিংখিবনি, অদুবু মপাইবুংঙো দশরথনা মনাওনুপা লক্ষ্মণগা লোয়নখিনবা হায়রকপদা বিশ্বামিত্রনা হরাওনা ঙাংথোক্তনা য়ানিংবা উৎখি। অনীশুবদা রামনা

সীতাগা লুহোংলবদা বিশ্বামিত্রনা মাগী আশ্রমদা খুদক্তা হনখি। অসুম্না, চৎখিবদসু হল্লকপদসু অহুমগী খুজিল থৌরাং অমা শেমলী। বিশ্বামিত্র, রাম অমসুং লক্ষ্মণ অহুমনা মিথিলা য়ৌখি, অমুকসু সীতা, রাম অমসুং লক্ষ্মণ অহুম্না অযোধ্যা য়ৌরকই। রামগী খোঙচৎ পূম্নমক্তা ( বাল্মীকিনা রামায়ণ — রামনা লাকপা নৎত্রগা খোঙচৎ হায়না কৌরি ), অরোইবা লানফমদা মায়পাক্কুনা সীতাগা থুংনরবা মতম অদু ফাওবা, ঈশ্বরগী শক্তম অহুম লেঙদনা লৈহল্লি । বাল্মীকিনা "অহুম" শেম্নগী মরুওইবা ফীভম অসি, নিংথৌমচা অনীনা বিশ্বামিত্রগী মতুংইনবগী মতাংদা অসুম্না শীংথাখি — ব্রহ্মানা লাইফাইবোক অনী অশ্বিনীকুমারগা লোয়ননা লাকপা অদু মকোক অহুম লোঙবা লীন জুরা মানবা অদুগুম্মী হায় ।

মিথিলা চৎপগী লম্বীদা রামনা তোঙান তোঙানবা মখলগী নুপী অহুম থেংনৈ। অহানবদা "তম" গুণগী শক্লোন পুরিবী তাড়কা মাঙহল্লি, অনীশুবদা "রজ" গুণনা মকশিনহনবদগী অহল্যাবু হান্নগী মওংদা হঞ্জিনহল্লী। অরোইবদা চীংলেম্লবী, মতীক মগুণ লৈরবী, চপচানা ধর্ম চেল্লবী সীতাবু ফংঙি অমসুং ব্যবহার তৌই।

দশরথকী মহারানী অহুমসু শক্লোন অহুমগী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎলি। বাল্মীকিনা মখোয়বু হৃ, শ্রী, কীর্ত্তি হায়না মিংথোল্লী। অহুম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চমজবী কৌশল্যাবু লাইরোন-তিল্লোনগী খোম্বোক (হৃ) গা চাংদম্নৈ, অদুগা মায়গৈ খুদিংদা লাইগী দুত ওইরবী সুমিত্রাবু শ্রীগী শক্তম লাংঙি হায়রি। ৱাঙাং শাঙাংদা থোৎচবী, খজিক খজিক্তা ঙাংজবী, থম্মোয়দা নৌজবী অমসুং শেংজবী, থবক্তা মশাগী ওইজবা থিদবী অমসুং খল পুবা ঙম্বী, অফবা পূম্নমকপু থৱায়তানা পামজবী সুমিত্রানা মহারানী অহুমগী লাংদাইনি। মহাক্কী মচানুপা অনী লক্ষ্মণ অমসুং শত্রুঘ্ন, রাম অমসুং ভরতকী অপাম্বা মওংদা চপচানা শীন্নদুনা থম্মী। মীয়াম মমাঙদা বশিষ্ঠ মুনিগুম্বনা কৈকেয়ীবু চৈরবদা মহাক্না কৈকয়ীদা য়ানিংদবগী ৱা অমফাওবা হায়খিদে। মচানুপা লক্ষ্মণবু রাম অমসুং সীতাগা লোয়ননা থম্মোয়শেংনা বর পীদুনা বনদা চৎহল্লী। য়াম্না অর্থ লৈবা লোল শীজিন্নদুনা মহাক্না হায়:

রামং দশরথং বিদ্ধি মাং বিদ্ধি জনকাত্মজাম্ ।
অযোধ্যামটবীং বিদ্ধি গচ্ছ তাত যথা সুখম্ ॥

(রামবু নপাবুং দশরথকুম্না খল্লু, জানকীবু ঐনি হায়না লৌ, অদুগা বনবুনা অযোধ্যাগী কোনুংনি হায়না লৌ। নংনা চৎপা মফম পূম্নমক্তা নুংঙাইনা লৈয়ু ।)

সীতাবু মশামক্তা মান্নে হায়না হায়বসিদা জগৎনা খনবদা ৱারবা শেঙলবা খুদম অমা সুমিত্রানা ওইরে। মরম অসিদগী বাল্মীকিনা সীতা অমসুং সুমিত্রা অনীমকপু ধর্মগী ওইবা মওংদা "শ্রী" ওইনা পুথোক্লিবনি ।

মপূম ওইবা শক্তমগী অহুমশুবা শক্লোন — কৈকয়ীবু বাল্মীকিনা "কীর্ত্তি" (মিংচৎ) হায়রি। কবিনা হায়নিংলিবসি "মিংচৎ, নংগী মিংনি নুপী" হায়বগুম্মী।

কৈকয়ীনা মহাক্কী হেক ঙমজবী মওংদা কেনা নৌনা, শক্তি লৈনা, নাপল তৌনা, পুন্সি লেনবা পাল্লিবা অদুদগী হেন্না অতৈ ৱাখল খনবা ঙমজদনা মঙোন্দা বাল্মীকিনা বেদগী ওইবা খুদম অমত্তা মিংথোল্লমদ্রিবসি খঙজিনবদা য়াম্না কান্ননিংঙাই লৈ।

থৌদাং, কখোকপা অমসুং থাদোকপগী ৱাখলগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী ওইবা পুন্সি অমসুং নিংথৌকোনগী নুংঙাইবা পূম্নমক হন্দোক্কুনা শক্তম অহুমগী কাংবু অমনা অমুক বনগী পুন্সিবু হরাওনা য়ানিংহল্লী। অহানবদদি সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা বন চৎপগী ৱাখল কৈকয়ীনা তৌখিদে। মখোয় মশা মশানা রামগী সেবা তৌজনবা অমদি মাগী পুকচেল চাউবগী মতৌ অদু উবদা বনদা চৎচগে হায়দুনা চোংথোকচরকখিবনি। মখোয়না ৱারুগদবা অদু খন্দুনা রামনদি মাগা লোয়নবা পামখিদবনি। অদুবু বাল্মীকিগী অথোইবা নুপা অসিদি মতম পূম্নমক্তা নাইতোম তাদে। য়ামদ্রবদা মী অনীদি মাগা লোয়নবা তায়, মতাং মতাংগী মতুংইন্না হোংদোক হোংজিন তৌরবসু লক্ষ্মণগদি ইলোয়তা লোয়নৈ। অহৌবদনা বিশ্বামিত্রগা লোয়নৈ, হৌজিক্কা সীতাগনি। লক্ষ্মণগী মমাঙদা সীতানা মপুরোইবগা লোয়ননবা য়াথং লৌজরবসু মতাং অসিদদি রামনা সীতাদগী হেন্না লক্ষ্মণগা লোয়ননিংঙি। মমৈদা অহুম অসি খোঙশানবা হৌরক্লে। কদোমদনো ?

অহান অকোনগী হায়রুরবদি, সীতাসু লক্ষ্মণসু মশা মশানা তরুজরকখিবনি। তৌবগীদি লক্ষ্মণনা হায়রক্ত্রিঙৈদা সীতানা হান্না হায়জদুনা বাল্মীকিনা অনীমক অসিগী চূনবা ৱাহৈ য়াম্না ফজনা শীজিন্নরকই। মমৈদা সুমন্ত্রনা দোলাই পুশিল্লক্লবদা নিংথৌমচা অনী অদুগী খুৎশু-খুৎলাইশিং অমসুং দশরথনা অরোইবা খুদোল তৌরকপা মফি মরোল, লীককোলশিং অদু পুখৎতুনা সীতানা দোলাই হান্না কাখৎলি। সীতানা দোলাইথক্তা থৌরাং তৌবা লোইরবা মতুংদা নিংথৌমচা অনীদুসু দোলাইথক্তা কাখৎলি। রামায়ণগী মরুওইবা শক্লোন অহুম সীতা, রাম অমসুং লক্ষ্মণগী নীংশিংনিঙাই ওইরবা অযোধ্যাদগী লাপ্পা চৎখিনবগী শেম শারক্লিবা মতাং অসি মহাকবি অসিনা শাজৎ শাওং খুদিংমক্কী থোইদোকপা মতৌ, মফোঙদোক অমদি পূক্লিংদা নীংনরিবশিং য়াম্না কৃপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মীওইবগী ইতিহাসতা লেঙদনা লৈহৌরগদবা ঈরাং অমা শাগৎলকই।

নিংথৌ কোনুংগী মীওই অহুম অসিনা অযোধ্যা থাদোকপা মতম অদুদা শহর অদুগী মী পুম্নমক্কা মতুং ইন্নিংঙি। প্রজা অয়াম্বনা মখোয় অহুমগা লোয়ননা তামসা তুরেল খোঙবান্দা অহানবা অহিং অদু লেকমিন্নে। রামনা প্রজা ময়ামদুগা কায়ননবা থৌরাং তৌরগা মখা চৎথনবা থৌরাং তৌই। গঙ্গা তুরেল লাম্থেক্লবা মতুংদা সুমন্ত্রসু য়াম্না হন্নিংদনা অযোধ্যাদা হনখ্রে। হৌজিক্তি মখোয় অহুমতা ঙায়হৌরে।

লক্ষ্মণনা রামগা বনদা লোয়নরিবা অসি চুম্নগী তাঞ্জাগী মতুংইন্না নত্তে।

মহাক্তি লোয়ননবা পোক্লক্লবনি । মমা ইবেম্মা সুমিত্রানা ঋষিগী ৱাঙাং শীজিন্নদুনা লক্ষ্মণদি বনগী পুন্সি লেল্লুনবা পোক্লবনি হায়খি (শৃষ্টাত্বম্বনবাসায়)। রামদা নিংথৌগী সিংহাসন শীন্নগদবা নুমিৎ অদুদা ভরতনা অযোধ্যাদা লৈরম্লবদি থৌদোকশিং অসি অতোপ্পা মওং অমদা চৎথরমগদবনি। করম তৌরমগদগে হায়বদুদি খন্থবদা ৱানা থোকই। অদুবু ওইখ্রিবদি, ভরতনা অযোধ্যাদা হল্লক্ত্রিঙৈদা দশরথনা রামদা রাজসিংহাসন করিগী শিন্ননিংখিবনো, অদুগা কৈকয়ীনসু ভরতনা হল্লক্ত্রিঙৈদা রামবু করিগীদমক অযোধ্যা থাদোকহন্নিংখিবনো হায়বদুদি লায়না খঙবা ঙম্মী । মরম এসিনা মসি লাইনা তম্বা হায়বদুনি, বাল্মীকিনা মশাগী পামজবা ৱাহৈ “ য়যদৃচ্ছা” হায়বসি মতাং অসিদা শীজিন্নরিবনি। মথন্তা ওইজরকপা থৌদোকশিং কাংলুপ অসিগী মনুংচল্লি।

বনদা লৈনিংবগী অপাম্বা ভরতনা হন্না হন্না ফোঙদোকই, রামগী মহুৎ শিন্দুনা হায়নখিবা মতম অদু লোইবা ফাওবা বনদা লৈনিংখি। অযোধ্যাদা হনবিরক্তুনা নিংথৌ খুবম লৌবিনবা মহাক্লা হেক য়াবমখে রামদা হায়জৈ। অদুবু অচুম্বা চৎপনা মপাঙ্গল ওইরিবা রামনদি হায়রিবা অদুদা য়াবা ঙমখিদে, মপাবুং মহারাজগী অচুম্বা শাজৎতা মশাবু কথোকচনবগী ফিদম অদু মচা খুদিংনা লৌগদবনি হায়না রামনা ভরতপু থেমজিন্নবা হোৎনৈ। মমৈদা রামনা অযোধ্যাদা হল্লক্ত্রিবফাওবা মাগী মহুৎ শিন্দুনা মাগী খুরুম অদু লৌজরগা মশানা য়ানিংনা ভরতনা অযোধ্যাদা হল্লকই।

অসুম্না রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা চহী তরামরি মপৃংফানা বনদা লৈরুনবা লেপ্লে। মতম অসিদা সীতা অমদি লক্ষ্মণনা চুম্না রামগা লোয়নবতা নত্তে, অচৌবা থৌদোক কয়াদা মরুওইবা থৌদাং কয়া মখোয়না য়ায়। লক্ষ্মণ য়াম্না হৈবা য়ুমশাবা অমনি, চিত্রকূট অমসুং পঞ্চবতীদা শাখিবা মখোয়গী আশ্রমশিং অদু মহাক্লা শাবনি। রাম অমসুং সীতাগীদমক উঁহৈ -ৱাহৈ অমসুং ঈশিং মহাক্লা হেক হেক পুরকই, অদুগা মখোয় অনীবু অহিং য়ারেক্তুনা শঙঙি। সীতানা রামবু পৃক্লিং নুংঙাইনা লৈহল্লি, মরক মরক্তা নীংথিজবা ৱাফম কয়াসু লীদুনা তাহল্লি। অনীমক্লা তৌরিবা সেবা অদু রামনা মতম পুম্নমক্তা থাগৎলি ।

রামগুম্না লক্ষ্মণসু পৃক্লিং নুংঙাইনা লৈগনবা মীতানি । রামনা সূর্পণখাঁদা ফাগি তৌবদুদা লক্ষ্মণসু য়াওশিল্লি, মমৈদদি মদুনা মখোয়গী অৱাবা কয়া পুরকই। জনস্থানগী হিংচাবা লিশিং তরামরিগা রামগা অকনবা লান তৌনরিঙৈদা লক্ষ্মণনা মীৎ-না শিংনা কথোকপগা লোয়ননা সীতাবু ঙাকশেন্দুনা লৈ। লক্ষ্মণ য়াম্না শিংঙি। মহাক্লা রামদা পৃথিবী অসিদা সনাগী শজি লৈবা হৌনদে, মারীচনা মখোয়দা নমথাক তৌনবা হোৎনরিবনি হায়জখি। সীতাগী নাক্তগী লক্ষ্মণ লাপথোকহনখিনবগীদমক রামগী মতৌতল্লিবা মারীচকী খোঞ্জেল অদুসু মানা খঙঙি। অদুবু লাইবক্লা তমখিবনা রাম অমসুং সীতানা লক্ষ্মননা হায়জরিবা অদু তাবিখিদে। লক্ষ্মণগী খ্বাইদগী চাউবা মগুণদি মতম পুম্নমক্তা মপৃক শেঙবা, কিদবা, করিগুম্বদা খরা শোয়নরবসু হায়বা

ইনবা হায়বা অসিনি। অদুবু মানা হায়রিবা অদুনা অরোইবনি হায়বদি মহাক্না কৈদৌঙৈদসু হায়দে। মীনা হায়বসু মানা লৌই। মঙোন্দা সীতানা হায়বা ইল্লু হায়না তকশিল্লক্লবদা লাইবক্না তম্বা লাক্লগনি হায়দুনা য়ানিং য়ানিংদনা অদুম য়ায়। মহাক্না রামবু মপাইবুংঙোগী মেন তাদনা য়াথং অদু ইলহন্নিংখিদে। অদুবু রামনা ৱারেপ লৌখ্রবদা, মহাক্না রামনা হায়বদু য়াখি অমসুং বনদা রামগী মতুংইনখি। ভরতনা লাল্মী ময়াম পুরক্লুনা লাকপা উবদা মানা চিংনখি। অদুবু রামনা ভরততি অদুগুম্বা মীওই নত্তে হায়রবদা মহাক খুদক্তা ঈংথৈ অমসুং উথক্তগী কৃমথরকই। মহাক্না পোত্থাজদ্রিবদি ময়াম্বগীদমক খ্বাইদগী হেন্না ৱাখল খঞ্জবা অদুদগীনি। অশেঙবদি, মহাকাব্যগী হৌবদগী লোইবা ফাওবদা, পোকপদগী পুন্সিগী অরোইবা স্বর হোনবা ফাওবদা রামগা নকশিন্ননা অমসুং থানদনা লৈখিবদি লক্ষ্মণ মথন্তনি। মরম অসিদগী বাল্মীকিনা মহাকপু শান্তি অমসুং নুংঙাই য়ায়ফবা পীবা ঙম্বা মীশক হায়না শীংথায় (লক্ষ্মীবর্ধন)।

রাবণনা সীতা হুখ্রবা মতুংদা রামগী পৃক্লিং ফাথবিনবা মীওই লক্ষ্মণ মথন্তা ঙায়খি, রামগী পাঙ্গল, লৌশিং অমসুং ৱাখলগী ঙাক্লৌ পীখিবসু মহাক্তনি। সীতাগী লৈফম তাকউ হায়বা য়াদবগীদমক মরাল লৈজদ্রবা চীংশিং, তুমীন্না লৈথোক্লিবা তুরেলশিং অমসুং করিশু তৌজদ্রবা পাম্বীশিং—ৱাখল চোইরক্লদুনা রামনা মাঙহন্নবা হোৎনরক্লবদা লক্ষ্মণনা খামজিল্লী, সীতাগী লৈফম শোয়দনা খঙগনি হায়জৈ, মী অমনা অরানবা তৌরগা লেংলি-পাল্লিবা পূম্নমক্তা তাইনফম থোক্তে হায়না থেমজিনজৈ। রামনা লক্ষ্মণবু মাগী খ্বাইদগী অথোইবা মরুপ (প্রধান মিত্রম্) হায়না খনখ্রিবসি মরম অসিদগীনি। অশেঙবদি, খঙহৌদনা সীতা লৈতবদগী রামগী পৃক্লিংদা হাঙলিবা মফম অদু লক্ষ্মণনা মেনশিঞ্জনবা হোৎনরিবনি। হনূমান লাকপদগীদি অহাঙবা অসি খরা হেন্না মওং তানা মেনশিল্লী, লক্ষ্মণদসু অৱাবা খরা কোকহল্লী। সুগ্রীবনা রামগী মরুপ অমা ওইনা লোইনরবসু, থবক ওইনা পাঙথোক্লরিবদি হনূমাননি।

অসুম্না রামগী খোঙচৎকী অহুমশুবা তাংকক কিষ্কিন্ধাদগী হৌরে। হনূমান অমসুং লক্ষ্মণগা লোয়ননা অহুম অমুক শুরে। পম্পা তুরেলনা দণ্ডক অমসুং কিষ্কিন্ধা শমজিন্নরে, রামগী পৃক্লিংদা মাগী চান্নবীগী নুংশিরবী ৱাহৈ ৱাতাশিং হন্না হন্না নীংশিংহল্লে। তুরেলগী ঈথক ঈপোম খুদিংনা অমসুং তোৰ্বান্দা তারিবা নূংজ্রেং খুদিংনা সীতাগী ৱাঙাং ৱাতাবু মতম পূম্বগী ওইনা নীংশিংহন্দুনা লৈরে হায়না লক্ষ্মণদা য়াম্না পৃক্লিং নৌথোকনা রামনা হায়। পম্পা তুরেল লান্থোক্লবা মতুংদা মখুৎ লোন্নদুনা থিজিন হুমজিনবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা সাধু শাদুনা লাক্লিবা হনূমানগা নিংথৌমচা অনী অসিগা থেংনরে। কিষ্কিন্ধাগী মফম তারবা নিংথৌ সুগ্রীবগী পাউ পুদুনা লাকচরিবনি হায়না হনূমাননা মখোয় অনীদা তমজরে; ঋষ্যমূক চীংথক্তা ঙাইজহৌরি হায়না খঙহঞ্জরে, মখোয় অনীগী মায়থোংদা ঈশ্বরগী লেমজরবা

শক্তম লাংলিবা অদু উজবদা য়াম্না পেঞ্জরে হায়না ফোঙদোকই । হনূমানগী নোঞ্জবা মতৌ, লৌশিংগী শাজৎ, পূক্লিংগী ৱারোল ফোঙদোকপদা নীংথিনা অমসুং নুংশিহন্না অয়ৌবীদা ফোঙদোক্লিবা অদু উবদা রামনা হনূমানবু থাগৎলি, মাগুম্বা থাজনিংঙাই ওইরবা লুচিংবা অমা সুগ্রীবনা ফংজবসি পূণ্যগী মশক্কি (বিটসচিব) হায়না শীংথায় । রামায়ণদা মসিনা হনূমান থেক্লককপগী অহানবা মতাংনি হনূমানগী মায়থোংদা নীংথিরবা মঙাল তাবা অমসুং অর্থ লৈনা খোম্থাং য়ৈরবা খোঞ্জেল রামনা হেক উবগা মশক খঙবা ঙমখি ।

হনূমানগী মগুণশিং তশেংনা খঙবা ঙম্নগসু মতম শাংনা রামনা হনূমানগা হকথেংননা ৱা ঙাংনবদি তৌখিদে । লক্ষ্মণদা পাউখুম পীননবা রামনা শীন্নে । ঋষ্যমূক চীংদোন্দা (মমিং অসিনসু তাক্লি - হৈশিংনা তুমীন লৈবা) রামগা সুগ্রীবগা উন্নবদা নাকল অনীমক্কী ৱারোলশিংদা অরুবা মতাং কয়া য়াওরি, ফিরেপতি মোংহাদবা মওংগীনি । ঋষ্যমুক চীংদোন য়ৌনবগীদমক হনূমানগী লেংজুমথক্তা নিংথৌমচা অনীনা তোংবিয়ু য়াখিবদু হনূমাননা পূণ্যগী মশক্কি হায়না খঞ্জে । অসুম্না সেবানা মাঙওইনৈ, ৱারোলনা কোল্লী । মমৈদা, হনূমান্না মবুংঙো সুগ্রীববু লাইগী গুণ চেল্লবা রামগা নকশিন্নহনল্লী, অদুগা মহাক্লা লক্ষ্মণগা ৱারী শাদুনা তোপ্না ভাবক অমগুম ইংনা লৈ । সুগ্রীবনা মরুপ-মপাং ওইবগী মতৌ উৎতুনা রামদা মখুৎ তিংথেক্লককপা মতমদা রামনা হরাওনা ওকই অমসুং কোনসু কৌন্নে, অমগা অমগা নুংশিনবা অমসুং মতেং পাংননিংবগী মতৌ উৎনৈ । হনূমাননা মরুপ মপাং ওইবগী তাঞ্জা অদু মৈ চুখৎতুনা শাক্ষী ওইনৈ ।

চিংলেমজরবা থৌদোক অসি ঋাষ্যমূকতগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈবা মালয় চীংদা পাঙথোকখিবনি । হৌজিক্তি রামগা সুগ্রীবগা হকথেংননা ৱারী শানরে, হনূমাননা তাঞ্জাগী মতুংইন্না শরুক য়াবতনি । শরুক য়ারিবা অদুসু চুম্নগী পাখোল্লোই ওইনতনি, অদুবু মহাক্তি লৌশিংগী পাখোল্লোইনি, শীললাংবা অমসুং পূক্লিং ফাজিনবগী থবক্তনি । রামগী অঙকপা শক্তিগী মতেং লৌদুনা সুগ্রীবনা ময়াম্বগা লান তৌননবা হোৎনরকপদসু হনূমাননা সুগ্রীব অমসুং রামগী মতুং ইনখিবা অদু চুম্নগী ৱা ঙাংদবা ভাবক অমা ওইনতনি । থৌদোক অনীমক্তা মহাক্লা য়াওখি, অদুবু মহাক য়াওবা তাবনা, চুম্না য়াওখিবতনি ।

তারানা মপুরোইবগী মতুংইন্দুনা শিজখ্রগে হায়দুনা চপ লেপ্তুনা লৈখ্রবা মতম অদুতদা হনূমান্না মরক থৎলি । মতমগী খোঙজেলবু কনানসু থিংবা ঙমদে হায়না ৱারোল কয়া থোক্লা হনূমাননা থেমজিল্লী । মচানুপানা শোয়দনমক মপাগী মহুৎ শিন্দুনা নিংথৌ ওইরক্কদৌরিবা অদু খনদুনা পূক্লিং ফাজিনফম থোকপনি হায়খি । অদুমকপু রাম মশামক্লা তারাদা থাজবা পোকহন্দ্রিফাওবদি তারানা হনূমাননা হায়রিবা অদুদা য়াবা ঙমখিদে । রামনা তাঞ্জা অদুদা য়াম্না ঈঙ্গিৎ য়াওরবা লোল শীজিন্নদুনা

হায়খি, হনূমাননা ঈঙ্গিৎশিং অদু লৌশিনবা ঙম্মী । বালি হাৎপা নৎত্রগা তারাবু মাগী হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনবগী মতাংদা হনূমাননা ফৈ ফত্তে করিমতা হায়খিদে। অদুবু ধর্মগী শায়োন্নি হায়না লৌনরিবা রামনা লাইগী ৱাখল তৌবিদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লক্কনি হায়বসি হনূমাননা থাজবনি । থাজবা অসিনা পুন্সিগী খ্বাইদগী হেন্না কৃপ্লবা থবক থৌরম কয়াদা রামনা লৌরিবা ফিরেপশিং হনূমাননা মমুৎতানা খঙবা ঙমখি ।

অদুবু হনূমানদি তৌথোরকপা খুদিংদা থবক্কী মীনি, ৱা ঙাংবদা য়াম্না চেকশিঞ্জবনি। পোৎলোইবা লোইরবদা সুগ্রীবনা মাগী অঙম-অথৌ য়োংশিংগা লোয়ননা রামগী য়াথং ঙাইদুনা লেপ্তুনা লৈখ্রে । মতম অদুদা হনূমানতনা রামগী মনাক্তা চংশিঞ্জবা ঙমখি, কিষ্কিন্ধাদা লেঙলগা চাউরবা লৈবাক অদুদা মতীকচাবা মীবু সিংহাসনদা ফমহনবিদুনা, হান্নগী মওংদা লৈহনবিনবা হায়জে। মহাক্না সুগ্রীবগী মিং পনখিদে, লৈবাক অদুদা মপু পালহনবিয়ু হায়জবতনি (হনূমাননা শীজিন্নখিবা ৱাহৈদি স্বামী সমন্ধম্)। খ্বাইদগী ফজবা মওংদা রামদা ৱারেপ লৌবিনবা শিন্নথোকপনি। রামনা হনূমানদা হকথেংননা মহাক্কী অহানবা ৱাফম—কিষ্কিন্ধা শহরদা চৎপগী মতাং অদুদা অহানবা ওইনা পাউখুম পী । রামনা য়াম্না থোৎনৌরবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরদুনা মপাবুংগী য়াথং ইনদুনা চহী তরামরি বনদা লৈবা তাবনা মহাক্তি শহর নৎত্রগা খুঙ্গংদা চঙবা য়াদে হায়না হনূমানদা হায় । হনূমানদা মসি হায়রবা মতুংদা রামনা সুগ্রীবদা ওনশিল্লগা কিষ্কিন্ধাগী সিংহাসন কানবা অমসুং মাগুম্না পাঙ্গল লৈরবা, লৌশিং শিংলবা অমসুং লমচৎ ফজরবা ময়াম্বগী মচানুপা অহল অঙ্গদবু যুবরাজ ওইহন্নবসু হায় । ৱারোল অসিনা কিষ্কিন্ধাগী প্রজা অমসুং অঙম অথৌ পুম্নমক্কী অপেনবা ওইখি, লাইনা মী ওইনা শায়োন তৌরকপা রামগী অচুম্বা ৱায়েল অদুদা হনূমাননা চপচানা য়ানিংবা পোকখি ।

তাঞ্জাগী মতুংইন্না হনূমাননা সুগ্রীবদা হায়নিংবা হায়বদা চিংনবা লৈখিদে। শরৎ ঋতু লাকখ্রবসু সুগ্রীবনা সীতা থিরুনবগী হায়নখিবা মতম অদু নীংশিংখিদ্রে। হনূমাননা মতমচানা নীংশিংলদুনা সুগ্রীবদা মায়গৈ কয়াদগী য়োং অঙম-অথৌশিং নীলবু কৌখৎহন্দুনা নীংথিনা থিবা হৌননবা হায়জে । হনূমাননা মতমচানা ৱাফম অসি হৌদোক্লমদ্রবদি সুগ্রীবনা তুমদুনা অদুম লৈথোক্লমগনি, মথৌ মশক খঙদবগীদমক লক্ষ্মণনা থীনা হায়রবদা মমায় থম্ফম লৈররোইদবনি । অসুম্না হনূমাননা মতমচানা নীংশিংহৌবা অসিনা মহাক্কী রাজনীতিগী হৈশিংবা উৎলি অমসুং মবুংঙো সুগ্রীবগী ঈজ্জৎ কল্লি ।

অসুম্না মতমচানা নীংশিংলবসু সুগ্রীবদা থোইদোক্না লুনা খনখিদে। লক্ষ্মণনা অশাউবগা লোয়ননা লাক্লে হায়না অঙ্গদনা সুগ্রীবদা তন্নবদা য়াম্না পঙনা নীংবা কায়বা উৎলি, কল্লকপদগী অতৈনা রামদা পংতম তমশিল্লমগনি হায়না মরাল

থৈদোকই। ফরক তানরকপা তাঞ্জা অসিদা হনূমাননা অমুকসু হন্না মবুংঙো সুগ্রীবদা মহাক্লা হান্না হায়জখিবা ব্রাদু থওইবিদবগী লক্ষ্মণনা শাউনা লাক্লিবনি হায়। হন্দক্তি হনূমাননা অকনবা লোন শীজিন্নে, সুগ্রীবনা লায়না লৌবিবা চুমদে হায়। ঙাকপিফম থোক্লবা মরাল অদুগীদমক নীংথিজনা লক্ষ্মণদা ঙাকপিনবা থুনমক হায়জবা চুম্মী হায়। লৌখৎফম থোকপা থবক অমুক্সু থিন্থরবদি তুংগী অফবা খক ওইরোই হায়নসু কিহল্লী। রামনা শীজিন্নখিবা ব্রাহে-ব্রাতাগা (সময়ে তিষ্ঠ সুগ্রীব) হনূমানগী ব্রারোলগা (রাজন্ তিষ্ঠস্বসময়ে) য়াম্না নকশিন্নরে, হায়নখিবা ব্রা ঙাকউ হায়না হনূমাননা সুগ্রীবদা হায়রিবনি। মসিনা হনূমাননা রামগা কয়া য়াম্না নকশিন্নরবগে হায়বদু উৎলি, লৈবাক্কী ঈজ্জৎ শোক্কদবা মতাং লাক্লবদা হনূমাননা কয়া য়াম্না কিদবগে অমসুং মবুংঙোদা কয়া য়াম্না মথৌ মশক খঙবা উৎপগে হায়বদু মতাং অসিনা তাক্লি। মবুংঙো সুগ্রীবনা পূকচেল চাউরবা রামগা মরুপ শান্নবগী লৈনরিবা শেংলবা মরি অদু খঙফম থোকই, লান্না লৌদুনা থওই উশিত্তবদি ফত্তে হায়না হনূমাননা হায়রিবনি। অদু ফাওবদা লক্ষ্মণবু থেমজিল্লুনবগীদমক সুগ্রীবনা তারা থাই। মমৈথংদা তারানা হায়জবদগী অমসুং থৌজাল হৈরবা রামনা য়াবিবদগী অরুবা তাংফম অদু মিনুংশি উৎপিদুনা তেশিন্নখি। থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুদগী হনূমান অসি য়াম্না ব্রাখল লৈবা, হৈশিংলবা, লৈঙাক্লোন মশক খঙবা অমসুং থৌনা লৈবা ব্রাঙাং হৈবা মীশক অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী।

থৌদোক অসি রামনা হান্নরা চেকশিন্না য়েংঙি, সুগ্রীবনা কোন্না ভাব তারক্লগা খঙঙি। মায়গৈ কয়া থোক্লা সীতা থিরুনবা য়োং অঙম-অথৌ পূম্নমক চৎহনখ্রবা মতুংদা সুগ্রীব অমসুং রাম অনীমক্লা হনূমানবু থবক অদু পাঙথোক্লবগীদমক মতীকচারবা মীশক অমনি হায়বা খঙবা ঙমখি। রামনা হনূমানবু থাজরদুনা সীতানা মশক খঙননবগীদমক রামগী মমিং থারবা খুদোপ অদু শিন্নরকপগী হনূমানগী তাঙলবা গুণ অমসুং তৌবা ঙম্বগী শক্তি অদু পন্দুপ শীনবা থুংনা শীংথারি। শীংথাবা অদু হৌজিক্তি ভাব তারক্লবা সুগ্রীবনা হান্না হৌই। হনূমানগী মরমদা খ্বাইদগী হেনবা ঙাক্তা পুখৎলক্তুনা শীংথারি — শাজৎতা, য়াঙবদা, মঙালদা, হৈশিংবদা -পৃথিবীদসু, নুংশিৎতসু, অতিয়াদসু, স্বর্গদসু, ঈশিংদসু — মফম পূম্নমক্তা শীনবা থুংনা লৈরিবা নুংশিৎ নিংথৌগী মচানুপা মারুতীগী লাম্বা লৈতে। পাঙ্গল, লৌশিং, শক্তি, মতম অমসুং মফমগী ফীভম য়েংদুনা চুশিন্নবা ঙম্বা অমসুং লৈঙাক্লোন হৈবা -পূম্নমক অসি হনূমান মথন্তদা পূল্লপ তাঙনা শাগোন্নরিবা হনূমাননি হায়, মরম অদুনা মঙোন্দা শীন্নবা থবক মহাক্লা শোয়দনা পাঙথোকলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকই।

সুগ্রীবনা হায়রিবা অদু চেকশিন্না তারবা মতুংদা রামনা হনূমান অসি সুগ্রীবনা থাজরিবা অদুদগী হেন্না থাজরদুনা থবক পাঙথোকপা ঙমগদবা মীশক্লি হায়না

লৌনরে। রামনা খুদোপ অদু হনূমানদা শীন্নরে, সীতাগী পৃক্লিংদা হনূমানবু থাজনবগী উপায় খুদোপ অদুনা ওইগনি হায়। রামনা হকথেংননা ৱা ঙাংনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীশুবনি। হৌজিক্তি খ্বাইদগী হেন্না খনগৎলবা বর ময়াম রামনা হনূমানদা পীরে - হনূমানগী কল্লবা অমসুং থবক ওইনা উৎখ্রবা পৃকচেল অমদি সুগ্রীবনা মাগী মরমদা নীংথিনা হায়খ্রিবা ৱারোলশিং অদুগা লোয়ননা হনূমাননা লেপ্লিবা ফিরেপ অদুদগী থবক মঙ্গল ওইরগনি হায়বগী মতৌ রামনা লাকশিনবা ঙম্লে। মমৈদা রামনা হায় "ঐনা নঙোন্দা অমদি মপা লৈতনা কল্লবা নহাক্কী থৌনাদা ঐগী আশা থম্লে। অদুনা, চংশিল্লো, জনক্কী মচানুপী অদুগী লৈফম খঙননবা তৌবা য়াবা পৃম্নমক তৌরুরো, ঐ নঙবু ঙাইরিবনি।" ৱাহৈশিং অসিদা অমসুং রামদগী ফংজরিবা মমল য়াম্লবা খুদোপ অদু উজবদা নুংঙাইবনা থুমহৎচরদুনা হনূমাননা খুদোপ অদু কোকথক্তা থমজরগা রামগী মখোঙ থম্বাল শেক্লদুনা মখুৎ অনী লোন্ননা খুরুমজরগা খোঙশাল্লক্লে।

মতাং অসিদগী হনূমাননা সীতা থিবগী খোঙচৎ হৌরে। মসি মঙোন্দদি খ্বাইদগী চাউরবা শীঙনবা অমনি। রামগী বরদা মপুং ওইবা আশা থমজরগা থৌনা অমসুং থাজবগা লোয়ননা শীংনবা অদু মায়পাক্লা মায়য়োক্লনবা শেমশারে। নোংপোক্তা, নোংচুপ্তা অমসুং অৱাংদা য়োং অঙম অথৌশিং হায়নখিবা থা অমগী মনুংদা সীতা থিবা খঙদ্রে হায়না মথং মথং হন্নরক্লে, সুগ্রীবদা পাউদম্লে। অঙ্গদগী লীচিং মখাদা অমসুং অহল ওইরবা জাম্ববন্ত (জম্ববান) গী লমজিং লমতাক মতুংইন্না খা থংবা মায়ঁগেরোমদা সীতাবু থিখি। অদুবু মতম হেল্লবা ফাওবদা জানকীগী লৈফমদি থিবা ফংদ্রে। লম্বীদা, মপান্দনা মম্বা মনুংদনা ইঙান ঙানবা চীঙ্গোল অমদা ধ্যান তৌদুনা লৈরিবী মতীক মঙাল চাউরবী লম্বোইবী নুপী অমগা থেংনরে। হনূমাননা মাগী মরমদা হংলুরবা মতুংদা নুপী অদু স্বয়মপ্রভা ওইরম্লে। নুপী অদুনা লাক্লিবা ময়াম অদুগী হৈ-রা অমসুং ঈশিং পুথোক্লুনা পোত্থাহল্লে, অদুগা চীঙ্গোল অদু লাম্হোকহল্লে। ময়াম অদু হৌজিক্তি নাকল অমদনা বিন্ধ্য চীংশাং অদুগা অতোপ্পা নাকলদনা প্রস্রাবন লৈরদুনা পাকচাউরবা সমুদ্র অমা উবা ফংলে।

মফম অসিদা ইমুং মনুংগী তশেংনা ওইবা অতোপ্পা সমস্যা অমা হনূমাননা অমুক থেংনরে। সুগ্রীবদা সীতা ফংদ্রে হায়না তম্লুগদবদু হঙ্গোইজরবা অঙ্গদনা মাগা চৎমিন্নরিবা য়োং অঙম-অথৌশিং অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা শেমগৎনিংবগী থৌরাং তৌরক্লে। শিদ্রিফাওবা চরা হেল্লগনি হায়না লাউথোরক্লে, মাগী মীচং খোম্বা হৌরক্লে। সুগ্রীবগী মথক্তা লালহৌনবা লাম্নীশিংগী মরক্তা তোখাই তাহন্নবা হোৎনরিবা অঙ্গদগী থৌরাং অদু খঙলদুনা হনূমাননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লে। অঙ্গদ মশামক্তা মহাক অমসুং লোয়নরিবা জাম্ববন্ত অমসুং নীলনচিংববু, সুগ্রীব অমদি অযোধ্যাগী নিংথৌমচা অনী অদুদগী তোঙান্না তাহন্নবা

হোৎনরিবা অদু মায়পাকপা ঙম্লোই, শাজৎ হৈত্রবদি রাম, লক্ষ্মণ অমসুং সুগ্রীবনা শাউরক্লবদি অফবা ওইরোই হায়খি । অশিংবা ৱারোল অসি তাদুনসু অঙ্গদনা শিদ্রিফাওবা চরা হেনগনি হায়দুনা চাদ-থক্তনা লৈবা হৌখ্রে (প্রয়োপরেশম)।

খঙহৌদনা জটায়ুগী ময়াম্বা উচেক নিংথৌ সম্পাতি য়োংয়ামগী মমাঙদা থুংলরে। সম্পাতিনা য়োং খুৎপু অমা মথং মথং চাথোক্লবগী থৌরাং তৌরকপা অদু উরবদা চরা হেল্লিবা অদু খংতোক তোক্তুনা য়োং পূম্নমক্কা লোয়ননা সম্পাতিদা কোয়শিল্লদুনা মখোয়গী ৱারী অদু লীরে । সম্পাতিনসু হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইবা তাসু তানিংবা ৱা কয়া হায়রকপদু তারে । মমৈদা, য়াম্না লাপ্না উবা ঙম্বগী শক্তি লৈরবা সম্পাতিনা য়োংয়ামদা য়োজন চাম (মাইল লিশিং অমা) লাপ্না লৈবা লঙ্কাগী অচিকপা মফম অমদা ফমদুনা লৈরিবা সীতাবু উবা ঙম্লে হায়রে । সীতা থিবগী খোঙচৎতা মসিনা লংজিল অমা পুথোকপা ঙম্লে । অসুম্না অঙ্গদনা শেমগৎলকপা সমস্যা অদু সম্পাতিনা খঙহৌদনা লাকপদগী লোইশিনখ্রে। মতাং চাদনা শাগৎলকপা অৱাবা অমা নুংঙাইনা লোইশিনখিবদা হনূমাননা পোখানিঙাই ওইবা স্বর হোঙ্ঙবা ঙমলে ।

ময়াম অদুগী মথংগী সমস্যাদি সমুদ্র অদু করম্না লানদুনা লঙ্কা য়ৌগনি, কনানা ঙম্ফম থোকই অমসুং ঙমগনি হায়বা অসিনি । মতাং অসিদসু চাউরবা থৌদাং অসি রামগী কৃপাদগী অমসুং সুগ্রীবগী বরদগী হনূমান্তনা ঙম্ফম থোকই হায়বা খঙলবসু অঙ্গদনা হনূমানবু চোংথোকহন্দনবা হোৎনৈ । য়াম্না নোক্লিংবা মওংদা অঙম-অথৌশিংনা সমুদ্র চোংবা ঙম্বগী শক্তি পুথোক্লরসি হায়খি । য়োজন তরাদগী মরিফুতরাফাওবা ঙমগনি হায়নরকই। গজ হায়বা য়োংদুনা খ্বাইদগী য়ামখিদে, জাম্ববাননা খ্বাইদগী য়ামখি। অরোইবদা অঙ্গদনা পূল্লপনা অমুক্তদা চোংবা ঙমগনি, অদুবু অনীরক্তি ঙম্লোই হায়। ময়াম অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা জাম্ববাননা ফজরবা ৱাফম অমা মখোয়গী লুচিংবা অঙ্গদদা হায়জৈ, শোয়দনমক অনীরক চোংবা ঙম্বীগনি, অদুবু অতৈদা থৌদাবিগদবা লুচিংবদা থৌদাবা হায়বসি ফজদে । ৱাফম অসিনা অঙ্গদবু তুমীন্না লৈহনখি। হৌজিক্তি অতৈ লাম্নীশিংদগী লাপ্না মথন্তা ফমদুনা লৈরিবা মবুংঙোশিংনা হায়রকপদু নীংশিংজদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াননবা ধ্যান তৌদুনা লৈরিবা হনূমানগী মফমদা জাম্ববাননা ৱা হৌদোক্লবগী থৌদাং লৌবা তারি ।

জাম্ববানগী শিংলবা ৱাঙাংনা হনূমানগী পাঙ্গল হাপখি, অতৈনা পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবদু চংশিল্লগে হায়না হনূমাননা লেপলে । পাউখুম অদু ৱাহৈনা ফোঙদোকলক্তে, তুমিন্না থবক ওইনা হৌরক্লে। মাগী হকচাং অদু চাউথোরক্লে, মমৈনা হরাওনা হাইরি । য়োং অঙম-অথৌশিংগী মমাঙদা মখোঙ অহুম্না মরোল অহুম কোনশিনবা ত্রিবিক্রমগী মতৌগুম্না খুদক্তা হনূমাননা লেপ্লে। মশাগী মপাঙ্গল

চাং য়েংলে, তৌগদৌরিবা থবক্কী পাদম লাকশিল্লে অমসুং মঙোন্দা শিন্নরিবা থবক অদু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা পোক্লে। লাকমিন্নরিবা অঙম-অথৌশিংদগী বিদায় লৌরে, মহেন্দ্র চীংদোন্দগী চোংননবা থৌরাং তৌরে। য়োং অঙম-অথৌ পূম্নমক্না মথৌনা লৈরবা হনূমানবু তরাম্না তৌরদুনা পূক্নিং থৌগৎলে, চাউরবা থৌদাং অসিদা মায় পাক্নবা মখোয়না মখোঙ নামতদা লেপ্তুনা মহাক্না হল্লক্লিবফাওবা ঙাইরমগনি হায়রে, মরমদি মখোয় পূম্নমক্কী শিবা-চঙবগী দায়িত্ব পূম্নমক হৌজিক হনূমান মথন্তনা পুরবনি।

মহেন্দ্র চীংদোন্দগী হনূমাননা চোংখিবা মীৎকুপ অদুদগী মহাক্না হল্লক্লিবফাওবা নোংমচূপ্পগী থৌদোক পূম্নমক অদুদা হনূমান মথন্তনা মপূঙনি। লঙ্কাগী মী পূম্নমক্কী মীৎয়েং চিংশিনবতা নত্তনা মহেন্দ্র চীংদোন্দগী চোংখিবদুনা করি ওইরক্কদগে হায়না থৌরাংনা ঙাইহিবা য়োং অঙম-অথৌ পূম্নমক্কী মীৎয়েং থল্লিবা থৌদোকশিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবা হনূমাননি, সীতানা পান্দমনি। তেনকাপ হৈরবা অথোইবা রামগী থৌরবা তেঞ্জৈগুম্না হাইগৎখ্রগা অতোপ্পা তোর্ব্বানদুদা স্বগগী থৱান্মিচাক অমগুম্না পোত্থাবা লৈতনা অমসুং তহা তহাদনা হনূমাননা য়ৌশিনখ্রে। সমুদ্র মথক লানবগী লম্বীদা মৈনাক চীংদোন্না হনূমানদা পোত্থাবিরনবা অমসুং অতিথি অমগী সেবা তৌজনবা ঈঙ্গিৎ তৌরকই। হনূমাননা মখুৎ শোক্তুনা তৌবিমল খঙবা উৎলম্মী, অদুগা মীৎকুপ অমত্তা পল্লমদনা চোংখি। হনূমানগী শক্তি অসি লাইয়াম্না চাং য়েংনিংলদুনা নাগশিংগী মমা সুরসা নেকখি। সুরসাগী পূক্লুংদা হনূমান চঙখি, মীৎকুপ অমগী মনুংদা নুপী অদুবুসু হাৎলমদনা অদুগা নুপী অদুনসু মহাকপু হাৎহন্দনা পূক্লুংদগী চোংথোরকই। অঙকপা সমুদ্রগী হিংচাবী সিংহিকানা অমুক মঙোন্দা অপনবা পী। মহাক্না হিংচাবী অসি হাৎখি। মমৈদা নুমিৎ তাদ্রিঁঙৈদা লঙ্কাদা থুংলে, মশক উদবা লাইয়ামশিংনা অমসুং লঙ্কাদা লৈবা জীবশিংনা অমদি মরি চৎপা উরী-ৱারীশিংনা হনূমানবু য়াম্না থাগৎলি। শহর অদু ঙাকশেল্লিবী হিংচাবী অদুনা হনূমানগী মৱা-মপাউ হংঙি, অদুবু চিংলেমজরবা খুৎথা শীজিন্নদুনা মহাকপু লাকশিনল্লী। হিংচাবী অদুনা লঙ্কা মাঙবা শোয়দ্রে হায়না মাঙজৌননা হায়খি।

হনূমাননা লঙ্কা চংলকপদা নুমিৎ তারে, অদুবু পূর্ণিমা নুমিৎ ওইবনা রামচন্দ্রগী দূত অসিগীদমক্তদি থাবল মঙালদা চৎথোক চৎশিনগী লম্বী খঙবা ঙল্লি। হৌজিক্তি লঙ্কাদা হনূমানগী মীৎকুপ খুদিংমক অর্থ লৈরবনি, অরুবা ঙাক্তনি। মরমদি কনা খঙহন্দনা মহাক্না সীতাগা উন্নবা তাবনি। অদুবু মায়গৈ পূম্নমক্তা নীংথিনা পাড়া তম্বীরবা থোঙশংবশিংনা লঙ্কাদি কন্না ঙাক শেন্দুনা লৈরি। হনূমাননা হৌদোংমুক্তা চাউনা পীকশল্লে, অদুগা শহর অদু থুনা য়েংথোক্লে। থিন্থদনা নিংথৌকোনগী লৈমকোন য়ৌরে। মহাক্না রাবণ উরে। রাবণগী ফমুংগা নকশিন্ননা থারিবা ফমুং অদুদা তূমদুনা লৈরিবী মন্দোদরী উরে। অহানবা উবদা সীতা ওইরবোই নীংলুরে,

খুদক্তা নৎত্রে হায়বা খঙলে । মহাক্না লাৎচরিবী ধর্ম চেল্লবী সীতাবু কোয়থি থিঁজে, ফংদ্রবদা নীংবা কায়জে, নৌনা অমুক থিবা হৌই, থিবা য়াবা মফম পূম্নমক থিরে, মফি কোম্না লৈরম্বী নুপী কয়া উরুবগী মরাল মশানা খঙজে । অদুবু নুপী মরক্তা নুপী অমবু থিবা তাবনা মরাল অদু লঙশিন্দবা য়াদ্রবনি হায়না খঞ্জে । অসুম্না অহিং অদু অসুম অসুম হৌখি । মমৈদা নোংঙাল্লমদাইদা হনূমাননা অশোকবন য়ৌরে । রাবণগী নুপী থোঙশঙবী কয়ানা কোয়শিল্লদুনা উ অমগী মখোঙদা সীতানা ফমদুনা লৈবা অদু উরগা য়াম্নসু নুংঙাইখি, ৱাবসু য়াম্না ৱাখি। মহাক্না থিজরিবী নুপী অদু উজবদা মহাক মথন্তা পূণ্য চেল্লবনি হায়না খঞ্জে। রামগী ফজরবা শক্তম অদু য়াম্না মান্না পৃথিবী অসিদা খ্বাইদগী মমল লৈরবী ফজবগী ধর্ম চেল্লবী মূর্তি ওইরিবী সীতা হৌজিক্তি হনূমাননা উবা ফংজরে। হনূমাননা মশানা মশাবু আশীর্ব্বাদ পীঁজে -পৃথিবীদা অসিগুম্বী নুপী অমা অমুক লৈররোই। হনূমানগী পূক্লিং খুদক্তা রামগী মনাক য়ৌখরে । নুপী অসিগীদমক অসিগুম্বা লাঞ্জাও অমা শোক্লগে হায়না রামনা খল্লিবসি তশেঙনা তৌদবা য়াদবনি হায়না মহাক্না থাজরে ।

হৌজিক হনূমানগী চপচাবা পরীক্ষা হৌরে । সীতাগী লৈফম খঙবনা মাগী থবক লোইদে । সীতাদা মহাক অসি রামগী অশেঙবা দূতনি হায়বা খঙহনবা তারি, থাজবিনবগীদমক রামনা পীরকপা খুদোপ অদু পীবা তারি, মাগী ফীভম করম তৌরিবগে হায়বদুগী ৱারী শাবা তারি — পুম্নমক অসি অমুক রামদা তম্লুবা তাবনি । হৌজিক ফাওবদা মহাক্না মশাগী মশক লোৎলিবনি । হৌজিক্তি থৌনা লৈনা অশেঙবা মশক উৎপা তারি, থেক্লেগদবা থৌদোক পূম্নমক থেংনবা তারি। অদুগা মবুংঙোশিংগী কান্নবগীদমক অমসুং লমহেল্লিবা মীশক্তুগী খুদোং চাহন্দনবগীদমক থবক থৌরমশিং অদু শীন্দোকপা তারি । লোয়ননা মশাগী মরাল করিশু লৈজদনা তমথিরবা লাইবক্কী মখা পোন্দুনা ফীভম অসিদা তাররিবী চিংলেমজরবী নুপী অসিগীসু খন্থবা তারি ।

খঙহৌদনা রাবণ চংলক্লে। সীতাগা লোয়নরিবীশিং অদুনা মাগীদমক সীতাগী পূকচেল কয়া য়াম্না হোংহনবা ঙম্লবগে হায়বদু নুংতিগী য়েংবগুম্না য়েংবা লাক্লিবনি। রামগা সীতাগা করম্বা পূকচেলদা লৈনরিবগে হায়বদু নকশিন্না খঙদোক্লবগী তাঞ্জা হনূমাননা ফংলে। মফম অদুদগী, রাবণনা নীংবা কায়না হনখ্রবদা হনূমাননা রামগী নীংথিজবা গুণশিং অদু শকশোনবা হৌরক্লে, মদুনা মহাকপু রামগী দূতনি হায়বসু তাঞ্জাদুদা খঙহনগদৌরিবনি । য়োং অমনা নীংথিজরবা ৱাঙাংশিং অদু হায়রকপা তাবদা সীতানা য়েংখৎলক্লে। হনূমান কুমথরক্লে। ৱারী শানবা হৌরে। অহানবগী চিংনবশিং অদু কোক্লবা মতুংদা জানকীনা মারুতীগা অমনা অমবু থাজবা হেঙ্গৎনরক্লে, নুংশিনা ৱারী ৱাতাই তৌদুনা ৱাখল ফোঙদোক্লরে ।

মবুংঙোগী মমিং হক্লবা খুদোপ অদু উবদা সীতাগী থম্মোয় পেঞ্জে । রামবু

হেক য়ারিবমখৈ থুনা উন্নজনিংবগী সীতাগী থৌরাংজবা অদু উবদা হনূমাননা মনঙ্গল তিংথোক্কুনা লেংখৎপিরো হৌজিকমক লেঙলসি হায়জে । অদুবু রামগী শক্তি অমসুং মিংচৎকী ৱাফম পুশিল্লদুনা ৱাফম অদুদা অয়াবা পীরক্তুবদা হনূমাননা সীতাগুম্বী অৱাংবা থম্মোয় চেল্লিবীতনা অসিগুম্বা মওং অসি উৎলিবনি হায়না থাজবা পোকলে। রামগী মফমদা হনূমাননা সীতাবু তশেংনা উন্নজরক্কে হায়জরুনবগী খুদম ওইননবা সীতাগী কোক্কী লৈতেং ওইরিবা চুড়ামণি অদু সীতাদগী নিঁজে অমসুং সীতানসু হরাওনা পীরকই ।

থৌদোক অসিগী মতুংদা, হনূমাননা ইলায় লায়না লঙ্কা থাদোকপা য়ারম্বনি। তশেংবসু সীতাগী আশীর্ব্বাদ ফংলবা মতুংদা মতম অদুগীদমক্তদি বিদায় লৌজরবনি। অদুবু মতীকলৈবা লৈঙাক্লোন নীংথিনা খঙলবা মীশক অমা ওইনা লৈবাক অদু থাদোক্লিঁৗদা লৈবাক্কী মপু অদুগা উন্নরম্বা মহাক্লা পামখি । মসিগীদমক মহাক্লা ফজরবা লৈকোল অদু নৈখায়রে, মঙোন্দা তমশিল্লকপা রাক্ষস, হাৎতোক্কে। রাবণগা উন্নরবদা মশাগী থৌইনশিন্না হৈশিংনা ইন্দ্রজিৎকী মফমদা চংজরে। রাবনগা উন্নরবদা মশাগী মশক শেঙনা তাক্কে, রামনা হায়বদগী সীতা উন্নবা লাকপনি হায়না অকিবা লৈতনা খঙহল্লে। থুনমক লঙ্কাদা রাম লাক্লগনি সীতাবু ব্যবহার লৈনা হলহল্লক্তুবদি লঙ্কা তুম্না মাঙহল্লগা সীতাবু কল্লরগনি হায়রে। ৱাঙাং অসিনা রাবণবু শাউহনখি, হনূমানবু হাৎননবা য়াথং পীখি । বিভীষননা হায়জবদগী হাৎপমক্তি হাৎহনখিদ্রে, হনূমানগী মমৈ অদু থাউদা লূপ্লগা মৈ থাদুনা চৈরাক পীবা তারে। মসিনা হনূমানগীদি অঙকপা ফংনা কান্নবা অমা ওইখি । শহর পূম্নমক মৈ থারে, চাউর-চাউরবা দলান কয়া খুদক্তা উৎ ওনখ্রে। রাম, সীতা অমসুং নুংশিৎ নিংথৌগী কৃপাদগী মাঙতাকহল্লিবা মৈ অদুনা হনূমানগী মশাদা অশোক-অপন অমতা থোকহনখিদে, অহোইনদুম চাক্লিবা মমৈ অদুদা যাচন্দন তৈবগুম থোকলে । তাঞ্জা চানা লঙ্কাগী মরু ওইবা মফম পূম্নমক মাঙহন্নবগী খুদোংচাবা হনূমাননা ফংঙি, মসিনা লান তৌনরকপা মতমদা মাগী মরুপ লান্মীশিংগী থবক লায়হনগদৌরিবনি । মমৈ অদু সমুদ্রদা লূপ্তুনা ইংথহল্লে, সীতাগী মনাক্তা লাক্লে, অমুকহন্না আশীর্ব্বাদ ফঙলে। সীতা উজরক্কে হায়বা নুংঙাইরবা পাউ অদু তম্লুনবা মহেন্দ্র চীংদোন্দা হল্লক্কে ।

রামায়ণগী শীংথানরবা ৱারী অসিদা মওং কয়ামুক্তা তোমথিন ওইনা নীংথিজরবা অঞ্জনেয়গী খোঞ্চৎ অসিগী অর্থ য়াম্না মরু ওই । রাবণগী শেরান্নবা ৱাখলদা মহাক্লা সীতা হুররে, লাই ফাওবনা চঙবা গুম্নরোইদবা মফম অমদা থম্লে, খোঙনা চৎপা অচম্বা শাজৎ চৎপা রামনা লমদম অসি য়ৌরকপা, খনবদা ওইথেক্লরোইদবা ৱাফমনি, মরম অদুনা সীতানা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মঙোন্দা চঙজরক্লগদবনি হায়না লৌরি । অদুবু খঙহৌদনা তমথিনিংঙাই ওইরবা নুমিৎয়ুংবা মতম অমদা মওং চাদনা অৱাবা অমা থোকহল্লকপা অসিনা রাবণগী লমহেল্লবা

থম্মোয়দতা নৎতনা শহর অপূম্বা নীকহনখি। থৌদোক অসিনা রাবণদদি প্রজাশিংগী মমাঙদা ইকাইবা পীরবনি, হনূমানগী মমৈনা রাবণগী মীশিংনা পীবা মচাকশিং অদু শীজিন্নরগা মৈঙাল লংনা থোকহনবগুম রাবণগী মীৎনসু মঙাল অসি উগদবনি হায়না মাঙজৌননা তমথিবা মওংদা খঙহল্লবনি। থৌদোক অসিনা লঙ্কাদা শাথিনা কিনিংঙাই ওইহল্লে, সীতাগীনা অৱাবা কোক্লবগী স্বর হোলহল্লে। হনূমাননা লঙ্কাদা লাউথোকলম্মী - মহাক্তি মায়থিররোইদবা অচুম্বদা চৎপা রামগী ইচম চম্বা মনাই অমখক্তনি, অহানবগী ওইনা য়েংথোকলুচো হায়না থারকপতনি, সুগ্রীবগী লাম্মী তেঙ্গোলদা মঙোন্দগী হেন্না থৌনা অমসুং শক্তি লৈরবা নৎত্রগা মান্নবা য়োং অকল অথৌ লাখ কয়া য়াওরি। লঙ্কাগী লাইরেম্বী লঙ্কীনীনসু শিরমদাইদা লঙ্কা পূম্মুৎ মুৎলগনি হায়না হায়রম্লবনি। হরাও-মথোই কারবা য়োং অমনা কিহল্লম্বা অদুগী মরমদা হৌজিক্তি রাবণনা খম্বুবা হৌরে, অহিং কয়া তৃমদনা লেল্লে।

কিষ্কিন্ধাদা লৈরিবা অতৈ কনা অমত্তনা পাঙথোকপা ঙম্ররোইদবা খোঙচৎ অসিগী পাউদম হনূমাননা খ্বাইদগী হেন্না নোঞ্জবা মওংদা রামদা তম্লে। মহাক্লা মায়পাকচরিবা অসি সীতা, রাম অমসুং মফম শীনবা থুংনা লৈরিবা নুংশিৎ নিংথৌগী থৌজালদগীনি হায়জৈ। চাউরবা থৌদাং অসি পাঙথোকপদা মঙোন্দা মচাক মঙামক্লা তেংবাংবিখি। লম্বীদা থেংনখিবা অৱাবা পূম্নমক্তগী ঈশিংনা অসোমগী তোর্ব্বান য়ৌবা ফাওবা কনবিখি। মৈ কৌবা লাইনা মহাকপু ইংনা থম্বী, ফৎতবমখৈ চাকথোকপি। নুংশিৎনা মৈ চুখৎপি। লৈপাক অমসুং অতিয়ানা নাকল অনীমক্তা মহাকপু শেন্নবি - অঙকপা মওংদা চোংখৎপা ঙমহল্লী, নীংথিজবা মওংদা তাবা য়াহল্লী। হনূমাননা হান্নগুম্না পাউদমগী লোল চেকশিন্না শীজিন্নে। মহাক্লা অহানবা শীজিন্নখিবা লোলদি সীতা উরে (দৃষ্টা সীতা) হায়বসিনি। কিষ্কিন্ধা পূম্বনা থৌরাংনা ঙাইনরম্লিবসু মসিনি। ৱাহৈ অনী অসিনা হনূমাননা লঙ্কা চৎলুবগী পান্দম উৎলে, তাংফম অহুমথোক্লা পাউদম্মী। অহানবদা-হেক থুংলবগা মাগী মরুপ মপাংশিংদা তম্মী, মথৎদা সুগ্রীবগী মমাঙদা রামদা তম্মী, অরোইবদা রাম মথন্তদা চীক্লা তম্মী। তাংফম অহুম থোক্লা মহাক্লা লঙ্কা চৎলুবগী পাউদম্লিবা অসিনা হনূমানবু পাউদম হৈবদা হৈথোই শিংথোই হায়বা উৎলী। থৌদোকশিং অদু তেনশিন্না অমসুং মহাক্লা চৎলুবগী ফল ওইনা রামদা মহাক্লা তমজৈ - ইবেম্মা সীতা, নুংদা য়াম্না ৱাজরবসু মহাক্কী (হহনূমানগী) ৱাঙাং তারগা শান্তি ফংবগী অমসুং নুংঙাইবগী মতৌ উৎলকই, কৈদৌনুংদা মাগী ৱাঙাংদা অৱাবগী মমি তাহন্দে। হনূমানগী পাউদমদা ফজরিবসি থৌদোক কয়াদা পোক্লকপা ঈহুলশিং থম্মোয় শেঙনা তম্বতা নত্তে, চপচাবা ৱাহৈ নীংথিনা শীজিন্নবা ঙমখিবা অসিনা হেন্না মপুংনি। রামায়ণগী মঙাশুবা তাংকক (সুন্দর কাণ্ড) অসি তশেঙনা ফজরবনি, মসিনা মরম ওইদুনা রামায়ণ 'পুম্বসু ফজরিবনি।

হনূমানগী মায়পাক্লকপা অমসুং পূক্লিংগী শাজৎ অসিদা রামনা য়াম্না পেল্লদুনা

হনূমানবু থাগৎলে, অদুগা কোনবিরে; য়াম্না চিংলেম্লবা অমসুং চমলবা খোঞ্জেলদা হৌজিকমক্কীদি মহাক্না তৌজবা ঙম্বসি মদুখক্তনি হায়খি । অরোইবা লানফমদা হনূমাননা চপ মান্ননা অরুবা থৌদাং লৌই । বিভীষননা রামদা চংজরকপা মতমদা সুগ্রীব অমসুং অতৈনা হায়নরকপদগী পুমতোপ তোপ্পা মওংদা হনূমাননা খ্বাইদগী হেন্না চুশিন্নরবা ৱাফম রামদা হঙ্গৎলি । মতাং অসিদা বাল্মীকিনা হনূমানবু খ্বাইদগী হেন্না শেঙলবা মীশক্তি (সংস্কার সম্পূর্ন) হায়না চুম্না শীংথাই । লাইশিংগী গুরু বৃহস্পতি ফাওবনা লৌশিংদা নৎত্রগা ৱাঙাংদা হেল্লরোইদবা রামদা মহাক্না পাউতাক পীবা মতীক নত্তে হায়না য়াম্না নোল্লুক্না হঙ্গৎচৈ । অদুবু য়াম্না ব্যবহার লৈনা মাগী মমাঙদা ঙাংখিবশিংগী ৱাফম য়েৎলদুনা মশাগী ওইবা মোত ওইনা পুকচেল শেংনা চংজরক্লিবা বিভীষনবু লৌশিনবিফম থোকই, তৌবগীদি রামগী অনীংবা মতুং ইল্লে হায়জে । রামগী পূক্নিংদা খল্লম্বসু মসিমক্তি । হনূমানগী ফজনা খল্লগা হায়রকপা, মরম চানা পুখৎলক্লবা অচুম্বা পাউতাক অদুদা রামগী থম্মোয়না পেঞ্জরদুনা বিভীষনবু লৌশিল্লে । মসিনা হনূমানবু রামনা কয়া য়াম্না থাজবগে হায়বদু উৎলে ।

লানফমদসু হনূমাননা চপচানা থৌদাং য়াই । ইন্দ্রজিৎকী নাগপাশনা (লীনগী কোঙ্গোই) রাম অমসুং লক্ষ্মণবু পুন্দুনা জ্ঞান মাঙনা লৈখ্রবদা, য়োং পূম্নমক মথোং মরম খঙখিদরে, অদুবু নিংথৌমচা অনী অদুগী হকচাং অদু হনূমাননা মাগা লোয়নরিবা য়োংশিংগনা ঙাকশেন্দুনা লৈখি । থুনমক গরুড় লাক্তুনা নাগপাশ লৌথোক্তুনা রঘুশাগৈগী নিংথৌমচা অনীবু কল্লরে । মথৌনা লৈরবা মচানুপা ইন্দ্রজিৎনা নিংথৌমচা অদু শোয়দনা লোইশিল্লগনি হায়না রাবণনা খঞ্জরম্বা অদু খুদক্তা অৱা মৈশা লাংখরে, থুনমক রামবু হাৎলুনবা ধুম্রাক্ষ থারক্লে । হনূমাননা ধুম্রাক্ষগা মায়য়োক্লরে, ইকুয় কুয়দনা হনূমানগী মখুত্তা ধুম্রাক্ষ মথৱাই থারে । খরা লৈরগা হনূমাননা অমুক্কসু অঙ্কপনগা লান তৌনরে, মথৱাই লৌরে । কুম্ভকর্ণ শিরবা মতুংদা রাবণনা রাক্ষস কয়া লানফমদা তহা তহা থাদোরকই, থৌনা লৈনা লান শোক্লখি । মখোয়গী মনুংদা রাক্ষস অনী দেবানতক অমসুং ত্রিশিরদি হনূমানগী মখুত্তা শাখিনা মায়থিখি ।

হাৎপগী থবক্তগীদি কনবগী থবক্তনা হেন্না হনূমাননা থৱায় য়াওই । ইন্দ্রজিৎকী শক্তিশেল অমনা জাম্ববান অমসুং হনূমান নত্তনা রাম, লক্ষ্মণ অমসুং য়োং পূম্নমক জ্ঞান মাঙহনখি । শক্তিশেল অদুগী লৌনমলাং অদু বিভীষনদি খঙবনিনা মহাক অমা জ্ঞান মাঙদে । জাম্ববাননা জ্ঞান তংখাই অমা মাঙলক্লবদা বিভীষনদা হনূমান হিংলিবরা হায়না হংঙি । অসুম্না হংলকপা অসিদা বিভীষননা ঙকই; মতৌ অদু উবদা জাম্ববাননা হায়, হনূমাননবু নীংথিনা হিংলিবমখৈদি করিশু ৱানিংঙাই লৈতে । মহাক্না হনূমানবু হিমালয়দা হিদাক পাম্বী লৌরুনবা থাখ্রে । পাম্বী অদু হৌবা চীং অদু হনূমাননা পূল্লপ ফুক্তুনা পুরক্লে । পাম্বী অদুগী মনম চিংশিল্লবা মতুংদা রাম লক্ষ্মণ য়াওনা লাম্মী পূম্নমক জ্ঞান লাক্লে ।

রাবণগী শক্তিশেলনা পান্দুনা লক্ষ্মণনা জ্ঞান মাঙদুনা লৈখ্রবা মতমদা হনূমাননা অমুকসু অসিগুম্বা চাউরবা থৌদাং লৌখি। মিহুল লেপখ্রবা লক্ষ্মণগী হকচাং কোন্দুনা রামনা কপ্পুনা লৈখ্রে। হনূমাননা শিদ-হিদাক সঞ্জিবনী পুরক্কুনা লক্ষ্মণবু হিঙ্গৎহনখি।

লান ঙমদুনা লোইরবা ফাওবদা রাম সীতা অনীমক্না হনূমানগী মতেংদি লৌদবা য়াদ্রি। লান ঙম্বগী নুংঙাইরবা পাউ অদু রামনা হনূমানতবু থাদুনা সীতাদা খঙহনখি। রামনা হায়বদগী ভরত্তবু হনূমান্না খঙহনখি। ফম্বাল কাবা মতমদসু শ্রীসীতা মহালক্ষ্মীনা হনূমানদা মহাক্কী তাঙলবা মগুণশিং, মতীক মঙাল, মোং হাদবা, মিংচৎ লৈনা হৈশিংবা, মতীকচাবা, মকোক নোঙ্না চৎপা, ৱাখল লৈবা শাজৎ, নুপা থোকপগী মতৌ, থৌনা অমসুং অৱাংবা জ্ঞান-পূম্নমক অসিগীদমক খুদোল তম্নবা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা অতিথি হনূমাননা ওইখি।

তেজো ধৃতির্যশো দাক্ষ্যং সার্মথ্য বিনয়ো নয়ঃ।
পৌরুষং বিক্রমো বুদ্ধির্য্যস্মিন্নেতানি নিত্যদা ॥

রামগা সীতাগা নৌনা অমুক থুংনবগী নুংঙাইরবা তাঞ্জা অদুদা রামনা সীতাদা খুদোল তৌখিবা লীকপরেং অদুমক রামগী অয়াবা লৌরগা সীতানা হনূমানদা খুদোল ওইনা পীবি। বৈদেহীনা রামগী নাক্তা ফমজরগা হনূমানদা খুদোল তমখিবা অসিমক মমল লৈবা খুদোলপোৎ অমনি, মরমদি হনূমাননা তৌজখিবা কৎথোকচবগী সেবা অদুগী তশেংবা মহৈ ওইবনা মঙ্গলগী তাঞ্জা অসি ফংজরিবনি।

হনূমাননা রামায়ণদা থোইদোক হেন্দোকপা পাত্র অমা ওইবতা নত্তনা রাম অমসুং সীতাগী লাই ওইবগী থাক অদু ফাওবা য়ৌনা অৱাংবা থাক্তা লৈখি। রামায়ণগী ৱারীদগী অহুম অসিবু লৈবাক শীনবা থুংনা শেঙলবা হিন্দূ পূম্নমক্না লাই ওইনা লাৎনরি। রামগী মন্দির লৈবা মফমদা হনূমানসু মখুৎ লোন্নরদুনা খুরু খুদক কুন্না ভক্তি তৌদুনা লৈবা হনূমানগী মূর্তি শোয়দনা লৈরিবনি। মশাগী তোঙান তোঙানবা ফীভমদা হনূমানগী মূর্তি লাৎপা হনূমান মথন্তগী মন্দির কয়া অমসু লৈরিবনি।

রামায়ণদা অহুম অহুমগী খুজিং শেম্লিবসি, সীতা, রাম অমসুং অঞ্জনেয় অসি সীতা রাম অমসুং লক্ষ্মণ নৎত্রগা রাম, লক্ষ্মণ অমসুং বিশ্বামিত্রগুম্বনি। সীতাগী মতাং লাকপদা অহুমগী খুজিংদগী বিশ্বামিত্র চৎখ্রে, হনূমানগী মতাং হৌরক্লিবসি মতম খরগী ওইনা রামগা সীতাগা কায়নবগী মতম অদুদগীনি।

রামায়ণদা মরু ওইবা পাত্রশিংগী মনুংদা অহুম অহুমগী খুজিং কয়ামুক য়াওরি। খুদম ওইনা অহল্যা, তারা অমসুং মন্দোদরী পূন্না চৎমিন্নে। মখোয়বু ধর্মচেনবী নুপী মহাকন্যানি হায়না খন্নে। রামনা শোক্ত শোকপদা অহল্যাগী পাপ কোকখি, তারানা রামদগী বর ফংজখি। অদুগা মন্দোদরীনা লাইগুম্লবা মী অমদগী পাপ কোকপিবা নৎত্রগা বর ফংবগী ৱা য়াওদনা অমত্তা ঙাইবী অথোইবী ওইখি।

মপুরোইবনা মশক মতৌ লৈবী নুপীদা ঙাওজরবসু মপুরোইবদা শ্রদ্ধা অদুম লৈখি, মাগী মতীক মগুণদা অদুম ব্যবহার তৌজখি, শিরবা মতমদা মিনুংশি উৎতুনা থম্মোয় শোক্লা তেংথাখি । মহাক্লা সীতাগী সতীত্ব ওইবা মতৌ অমসুং মরমচৎ ফজবগীদমক য়াম্না ব্যবহার তৌই; রামবুসু মাগী হনবা লৈতবা অমসুং অচুম্বা শাজৎকীদমক থাগৎলি, অদুমক্লসু মহাক্লা মপুরোইববু মায়থীবা পীবা ঙমলিবনি। মহাক্লা রামগী মরাল থিখিদে, থোইনদুম মপুরোইবা রাবণগী কাহেনবা শাজৎপু য়ানিংদবা উৎখি । মহাকবিশিংগী মরক্তা নিংথৌরেল ওইরবা বাল্মীকিনা য়াম্না হৈশিংনা মন্দোদরীবু ঈরাং চেন্দবী অমসুং মপুরোইবা নীংলবী নুপী ওইবগী তাঙলবী শক্তম অমা ওইনা শাগৎলি ।

অহুম অহুমগী খুজিংগী অতোপ্পা খুদম অমসু অনুসুয়া, সহারী অমসুং স্বয়মপ্রভাদা ঐখোয়না থেংনৈ । তাথি -তাওইবা নৎত্রগা খম্বন চাউবগী পুকচেল মরীক অমতা চেন্দনা পূম্নমকপু নুংশি চান্না তিন্নবা ঙম্বগী অশেঙবা মূর্তি ওইরিবী অনুসুয়ানা অহুম অসিগী মনুংদা তোমথিন ঙানবীনি । “অত্রি” গী (অহুম নৎতবা নৎত্রগা অহুমগী ৱাংমা) চপচাবী নুপী ওইদুনা মরোল অহুমগী জগৎ অসিদগী মগুণ হেন্না লৈখি । অনুসুয়ানা সীতাদা মঙ্গল পীখি , সহারীনা রামগী থৌজাল ফংদুনা জ্ঞানগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌবা ঙমজখি । হনূমাননা সীতা থিবা মতমদা মতেং পাংখিবী সন্যাসী নুপী স্বয়মপ্রভাগী মতাং অসি রামায়ণগী ছাত্রশিংনা ইখঙ-খঙদে। মহাক্তি মথন্তা ওইনা অৱাংবা থাক্তা লৈবীনি, রামায়ণদা অতৈ নুপা নুপীশিংদগী হেন্না ধর্মনা লৈতেংবী নুপী অমা বাল্মীকিনা য়াম্না ৱাংনা ঈঙ্গিৎকী মওংদা ফোঙদোকই । মাগুম্বীদি মথন্তনি, মরম অদুনা মহাকপু লায়না খঙবা ঙমদে ।

ভরত, সুগ্রীব অমসুং বিভীষণসু অহুমগী খুজিং অমনি । মনাও ওইবগী থাক অহুম মখোয়না ফোঙদোকই । বাল্মীকিনা “ভূত্রি বৎশলা” (মচিন মনাওগী মরী —– শক্লোন অমা ওইনা পুথোকপা হায়না শীংথারিবা ভরত, মনাও অহুম অসিগী মনুংদা ইতোপ তোপ্পা মীশক্লি। ৱাজরবা মনাও সুগ্রীবনা রামগী মতেং লৌদুনা তঙাইফদনাময়াম্বা হাৎতুনা নমদুনা লৌবিখ্রবী মাগী নুপী অমুক হন্না পুশিঞ্জবা ঙমখি । ময়াম্বনা য়াম্না থীনা তৌবিখি হায়বসি অচুম্বনি, অদুবু লমন খুম্বদদি অদুক থম্মোয় য়াওদবগী মতৌ উৎখিদে। থবক্লা য়ারক্লবদা চংশিনখিবনি হায়বসি সুগ্রীবসু মমৈদা খঙঙি । ফরক তারকপা ফীভম অদু রামগী অচুম্বা শাজৎনা তেমশিল্লী। বিভীষনগীনা অতোপ্পনি । ময়াম্বনা অচুম্বা শাজৎ অমসুং ঈজ্জৎ খোঙ্গাউনরক্লবদা মহাক্লা ময়াম্ববু খোঙ্গাউনৈ । ময়াম্বগী ফৎত্রবা শাজৎতগী লঙ্কা মাঙতাকপগী ফীভম লাক্লবদা মশা কঞ্জনবা অচুম্বা মায়গৈদা য়াওই । অদুবু মাগী শাগৈ নাতৈগী য়েংদনা মাগী অনৌবা মবুংঙোদা চেৎনা থাজবা থম্মী। ময়াম্বগী সংস্কার ফাওবা তৌনিংদবনি । অদুবু শিরবদি য়েংথিনবা পূম্নমক লোইরবনি হায়না মঙোন্দা রামনা হায় । মরম

অদুনা হৌজিক্তি মঙোন্দগীসু রাম মশামক্তগীসু রাবণনা হৌনবী ব্যবহার ফংফম থেক্লবনি ।

মন্থরা, সূর্পণখাঁ অমসুং ত্রিজটাসু অহৗমগী খুজিং অমনি। মখোয়গী মান্নবা শাজৎতি ফনবু নীংজরবসু নৎত্রগা কল্লকপগী ৱাখলনবু ওইরবসু রামগী খোঙচৎতা মখোয়না খুমাঙ চাওশিনবা ঙমহল্লী। মন্থরাগী ৱাখলদি কল্লক-মিহৌবা হেঞ্জিল্লকপনি। নুমিদাং অমদা, নিংথৌ ওইগদৌরিবা মী অমগী মরাইবক মথকমখা ওন্থোকপনি। বাল্মীকিনা মহাকপু "পাপদর্শিনী" (পাপকী মীৎয়েং য়েংবী) কৌই। মহাকপু কৈকেয়ীগী " সহাশিতা" (লোয়নবী) হায়নসু কৌই। মহাক্লা কৈকেয়ীগী থম্মোয়দা ফমদুনা লৈরগা তাঞ্জা ফংলবা মতমদা মহাক্কী মশক অশেঙবদু ফজদবা মওংদা চোংথোরকই। মানা তৌরিবদু মাগীদি করিগু কান্নবা নত্তে, অদুগা সূর্পণখাঁগীদি মশাগী কান্নবা লৈ, অদুবু মহাক্লা পামজরিবদু মশাগা মতীক চানদে হায়বদি মহাক্লা খঙদে। তৌবগীদি ইচম চন্বা অশোয়বা অসিমত্তংনা লঙ্কাগী চাউরবা অমাঙবা ওইখি। "লঙ্কেশ্বর" গী মীওৎ মীনৈদগী পৃথিবীবু কনখিবা অদুগীদমক্তি মাবু থাগৎফম থোকই। ত্রিজটানা ইতোপ তোপ্পী শক্তম অমনি, " রাক্ষসী" ওইবগী খেন্নবদুনি। মাগী থৌদাংদি সীতাবু ওৎপনি, রাবণদা য়ানিংহন্নবা হোৎনবনি । অদুবু মাগী মঙদা লঙ্কাবু তূম্না মাঙহল্লগা সীতাবু কোল্লদুনা রামনা মায় পাকখিবদু উরুবদগী মাগী ৱাখল পৃমওন ওনখি। লঙ্কাদদি মহাক্তি য়াম্না থোইদোক হেন্দোকপী নুপী অমনি। মহাক্লা লীবা মঙগী ৱা অদু অমরোমদা কৃপ্না য়েংলবদি "গায়ত্রী" গুম্মী (মতম পূম্নমক্কী মঙাল ওইদুনা লৈরগদবা, খ্বাইদগী ফজবা মতৌ অদু শীংথাবা শেঙলবা মন্ত্র) ।

রামায়ণদা য়াওরিবা পাত্রশিং, পুম্নমকপু হায়বা য়াই, শক্লোন য়াম্না পুবা ঙাক্তনি। তুরেল অমগী মশীং থিঙমদ্রবা ঈথক ঈপোম মরক্তা ধর্মচেনবা থম্মোয় অমখক উবা ঙম্বা ৱাখলগী লাইপোক অমনা শেম্লিবা ময়াম অসি কৃপথনা নৈনবা চুম্মী। কলাকার অমগী মীওইবগী শাজৎ হায়বদু মসিনি ।

# মী অমা ওইবগী মতৌ

বাল্মীকিনা শাগৎলিবা রামায়ণ অসি মী অমখক থিবগী খোঙচৎনি। তরু তরুনা ফোঙদোক্কুনা মী অসিদা চেল্লিবা মীওইবগী গুণনা লাই ওইবগী গুণদগী হেল্লি হায়বা উৎপনি। "আয়ণম্" অসিগী মপূংওইবা শক্তম লাংলিবা রাম - মীওইবগী চিংলেম্লবা গুণ অমসুং লাই ওইবগী মৈরিক অনী অসিনা তাঙনা তিন্নরবা লাংলোন অমনি। মৈরিক অসি মশা মথন্তদা মনুংদা থম্মী অদুগা মহাক্না মাবু কোয়শিল্লিবা জগৎ অসিদা পূম্নমক্কী ওইবা নুংশিবা, লূনা-চান্না তৌবা, মিনুংশি, নৌহৌননা শেমগৎ-শাগৎপা, হান্নগী ওইবা অফবা মওংদা লাকহনবা পূম্নমক অসিগী পূক্লিং হূরবা মনম শন্দোকই। বাল্মীকিগী রামনা অসিগুম্বা মীওইবগী নীংথিজরবা মতৌশিং অসি চীন্না শন্দোকপদগী থবক ওইনা মশানা পাঙথোকখিবনা হেল্লি। মপূং ওইরিবা মীশক অসিগী গুণশিং অসিনা রামায়ণদা য়াওরিবা অতৈ মীশকশিংদা, অফবসু ফৎতবসু পূম্নমকপু হায়বা য়াই, অফবা মমি তাহল্লি।

রামগুম্বা সিদ্ধ ফংলবা মীগীদি (বিদিতাত্মা) অফবা অমসুং ফত্তবা হায়বসি অমগা অমগা মরী লৈনবতনি। জগৎকী অমসুং মঙ্গলগী মীয়েংদগী য়েংলবদি মাগীদমক্তদি ব্রাহ্মেশিং অসিগী লেঙদবা অর্থ অমত্তা লৈতে। থৌনা, তৌফম থেক্লবা থৌদাং অমসুং মিনুংশি য়াওনা মী অমা ওইনা চংশিল্লবদি ব্রাহ্মেশিং অসিগী অর্থ ওন্থোক্লবা, হোংদোক হোংজিন, শেমদোক শেমজিন য়াবা ঙাক্তনি। শাজৎ অসিগী তুং তারকপা অমসুং পুন্সি দর্শনগী খুদম রামায়ণদা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা মরাং কায়না য়াওরি।

অফবা অমসুং ফৎতবা অনীগী মুক্লবনা রামগী খোঙচৎকী মপুং ওইবা নুংগী ঈচেলনি। মসি য়েংশিনবদা নুংঙাইরবা পাত্র মারীচ অমসুং মমা তাড়কাদগী হৌই। তাড়কা অসি যক্ষ অমা ওইরম্বনা মারীচকী হৌরকফম অফবনি। অদুবু শাপ অমদগী অনীমক রাক্ষস ওইখ্রে। মরম অসিদগী লম অদুগী সাধু সন্যাসীশিংদা ওৎ নৈবগী থবক পায়খৎখ্রে। অকিবা ফংনা ওৎ নৈবা অসি মরু ফংনা মাংহন্নবগীদমক বিশ্বামিত্রনা রামবু শীজিন্নখিবনি। বিশ্বামিত্রনা হায়বদগী য়াম্না চিংনবগা লোয়ননা রামনা তাড়কা হাৎলি। অদুবু মারীচকী মতাংদদি রামনা মীওইবী ধর্ম য়েংদুনা মথৱাই কল্লগা পাড়া তন্থীনবা হোৎনৈ। কনাবু মরুফংনা মাঙহনগদগে, কনাবু পাড়া তন্থীগদগে হায়বা মশাগী ব্রাখল শীজিন্নৈ। বাল্মীকিনা ঐখোয়দা হায়রি —

রামনা "মানবস্ত্র" (মীগী খুৎলাই) কৌবা মিত্রংগী খুৎলাই শীজিন্নদুনা মারীচনচিংবা রাক্ষসশিং তানখাইনবা হোৎনৈ, অদুগা "অগ্নেয়" (মৈগী খুৎলাই) অমসুং "বায়ুব্য" (নুংশিৎকী খুৎলাই ) অসিনচিংবা খুৎলাই মখল কয়া শীজিন্নদুনা সুবাহু অমসুং অতৈ কয়ামুক হাৎলি। রামগী মপুংওইবা ৱাখলদি মখোয়বু হাৎতোক্তনা য়ারিবমখৈ জ্ঞান তাহনবনি। মারীচকী মথৱাই কল্লগা জ্ঞান তাহনবতা নৎতনা হৌজিক্কীদি "লান মরক্তা শান্তি" থম্না হায়বদু ওইহল্লী। অহানবা খোঙজংমক্তদা রামনা তোপ তোপ্পা লাল্লোং অসি চৎথৈ, মতুং তাবদা রাবণ হিংলবদি জগৎ অসি তুম্না মাঙখিবা তাবনা মীওইবা সমাজদা নুংশি মীৎয়েং থম্নবগীদমক রাবণবু মাঙহনখিবনি।

মারীচতা থৌজাল উৎলুবদগী মহাক ধর্ম লৈবা মীশক অমা ওইহনল্লে। সীতা ফাবা লাকপদা রাবণনা মারীচকী মতেং নী। মতম অদুদা মারীচনা রাবণদা হায় — রাম অসি অচম্বা মী নত্তে, ধর্মগী অবতারনি,লানগী খুৎসু খুৎলাইগী মরমদা অঙক অঙকপা বিদ্যা কয়াগী মপু ওইবা মরম্না লানফমদা মাগী মমাঙদা কনানসু লেপ্পা ঙম্লোই। রামগী অশেঙবা ভক্ত অমা ওইনা, মপুক্লিং চপ চানা ওল্লবা মারীচনা অসিমসু হায় - দণ্ডক বন পূম্নমক শীনবা থুংনা মহাক্না রামতবু উবা ঙম্মী, অতৈ কনাসু উবা ঙমদে। মমৈদা মহাক রামগী মখুত্তা শিবা তাখি, অদুবু মহাক্নদি রাবণগী মখুত্তা শিনিংঙি। মতাং অসিদসু অমুকহন্না মী হাৎপা অমসুং হাৎতবা হায়বা বাল্মীকিনা মহাক্কী অমর ওইরবা মহাকাব্য অসিদা উৎলিবা মীওইবগী গুণ অসিদা অহুমথোক্না শীংনহল্লি। তমথিনা শীংনরক্লিবা তাড়কা, মারীচ অমসুং রাবণবু মহাক্না কন্নিংঙি, অদুবু মহাক্কী খাঙবা কনবগী অমসুং তেশিন্নবগী শক্তি লৈরক্রুবদা, মহাক্কী উপায় লৈখিদে।

লানফমদা মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা রামনা রাবণ উরবা ফাওবদা, অহানবদা রামনা রাবণবু মহাক্কী থৌনা, মতীক মঙাল অমসুং মপাঙ্গোংগী হায়নিংঙাই লৈতনা ফজবা মতৌ অদুগীদমক থাগৎলি, অদুবু মশাগী নৎতবা লন থুম অমসুং নুপীদা থম্মোয় কায়না রাবণনা চোপথখিবা অদুগীদমক ৱাদবা ঙম্বিখিদে; মমৈদা মীওইবা সমাজনা হিংবা ঙম্নবগীদমক মহাক্কী পুন্সি লোমহল্লী। রাবণসু মমৈদা, মশানা মশাবু চুমথোকচবা ঙমদ্রবা মতমদা রামগী মহাপুরুষ অমা ওইবগী মতীক মঙাল অদু খঙবা ঙমখি। রামগী মীৎনা উবা ঙমদ্রবা খুৎশু-খুৎলাইশিং অদুনা রাবণগী লাম্মী তেঙ্গোল পূম্নমক উৎ ওলহনখ্রবদা রাবণনা রামবু নারায়ণনি হায়বা খঙখি। রাবণগী পুকচেল চাউরবী মহারানী মন্দোদরীনা রামবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎখি। মহাক্কী শাথিনা নীংবা কায়রবা মতমদসু রামগী ফজরবা লমচৎ-শাজৎ অমসুং সীতাগী মীনা ঙম্নদ্রবা সতী ওইবগী গুণবু মপা লৈতনা থাগৎলি। মমৈদা, তমথিরবা

লাইবক্লা লমজিংবিখিদুনা মশাগী অৱাবা পোলোইদা চংশিনখ্রবা মপুরোইববুসু থাগৎচৈ। মতাং অসিদা ফোঙদোক্লিবা মন্দোদরীগী পৃক্লিং অসিনা মহাক্কী ওইথোকপা য়াবা লৌশিং অমসুং মোং হাদবা ৱাখলবু অৱাংবা থাক্তা থম্বতা নৎতনা, রাবণনা শীজিন্নদ্রবসু লঙ্কাদা লৈবা অফবা শাজৎ শাওংবুসু ময়েক শেঙহল্লি।

মরাইবক্লা পুবিখ্রবা মপুরোইবদা মন্দোদরীনা থল্লিবা ৱাখল অসিদা কুম্ভকর্ণসু শরুক য়াই। রাবণনা মাগী মরুপ মপাংশিংগা অথুবা সভা ফল্লিঁঙৈদা কুম্ভকর্ণ অমসুং বিভীষনগসু ৱা তান্নৈ। রাম মথন্তনা জনস্থান্দা চাউরবা লান্মী তেঙ্গোল অমা মাঙহনখি হায়বা খঙনা খঙনা সীতাবু ফারুবা অসি অশিংবগী মতৌ নত্তে, হাথু হাথু অরানবা খোঙফমদা চংশিল্লুরবনি হায়না কুম্ভকর্ণনা ফোংনা রাবণদা হঙ্গৎলি। মতুংদা রামগা লান শোক্নরুনবা মাবু হৌদেক্লেরবদা ৱাফম অসি অমুকসু হায়। অদুবু ফীভমনা য়ৌশিনখ্রবনা য়েৎনরুদুনা কান্নররোই খল্লগা মহাক্লা ঙমজবী মওংদা লান থেংনরগা ময়াম্ববু কনগনি হায়না ৱাশকলে। হায়বা ইনবা অমসুং নুংশিরবা মনাও অমা ওইনা মহাক্লা রাবণগী মায়গৈদা লেপ্পী অমসুং ময়াম্বগীদমক মথৱাই থায়। বাল্মীকিনা কুম্ভকর্ণগী চরিত্র য়েকপদা য়াম্না ফজনা য়েকই, রামায়ণ পারিবশিংনা কুম্ভকর্ণবু মথৌনা লৈবা, মথৌ মশক খঙবা, মিনুংশি অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা কৎথোকপা ঙম্বগী ফজরবা গুণশিংনা লৈতেংলবা মীওই অমা ওইনা উবা ফংঙি।

সূর্পণখাঁ ফাওবদা অসিগুম্বা অৱাংবা গুণ লৈতবা নত্তে, মাগী হায়ববু রাম অমসুং লক্ষ্মণনা করেম্নরক্তুনা শান্নরকপা ফাগী অদু মহাক্লা লৌশিনবা ঙমদে হায়বতনি। তোল্লবী নুপী অসিনা অনীগী মনুংদা অমদি মাগী ওইনিংখিবনি, হোৎনবা য়াবমখৈ হোৎনখিবীনি। অদুবু পৃম্নমক শোয়থরক্তুনা মশাগী ঈজ্জৎ মাঙলরে। পৃম্নমক য়াম্না হৈশিংনা মহাক্লা রাবণদা তম্লুরে। নুপী য়াম্না পাম্বা রাবণনি খঙদুনা, সীতাগী কাহেন্না ফজবা মশকমতৌ অদু শীংথারদুনা মবুংবু কল্লকহল্লে। মীনম্বা মচা অমা ঙাংলদুনা মবুংগীদমক সীতাবু হায়রুবদগী মহাকপু ইকাইহল্লকপনি হায়জিল্লে। মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা লৈবাকঙাকপা অমগী মতীক মগুণ সূর্পণখাঁনা শীংথারকপা খরা অদুদগী খঙবা ঙম্বদি মহাক লৈবাকঙাকপগী থৌদাং নীংথিনা খঙলবী অমনি হায়বসিনি। ৱাখল লোঙবদা অমসুং থবক ক্রক ক্রক তকশিনবদা অদুগা পামজবা উৎপদদি ইচম চমজবা চরিত্র অমা বাল্মীকিনা য়েক্লি। য়েক্লিবা মওং অসিনা তাক্লিবদি মুনি ওইরবা কবি অসিনা মীওইগী ঈজ্জৎ অমসুং শা ওইবগী তমথিবা মতৌ ওন্নতৈনবা ফিরেপ অনী অসি চাংমান্নবা মওংদা উৎপা ঙম্মী হায়বসিনি।

পৃক্লিংগী ঈথক ঈপোম হৌহন্দবা মীৎয়েং অমসুং শেম শারবা কল্পনাগা লোয়ননা বাল্মীকিনা শেমগৎলিবা চরিত্রশিংগী মনুংদা ইন্দ্রজিৎসু অমনি। মহাক্তি মায়থীহনবা ঙম্নরোইদবা থৌনাগা লোয়নরবা, লান শোক্লবদা মপৃংফানা হৈশিংলবা

অথৌবা অমনি। ইন্দ্রবু লানদা মহাক্না মায়থীবা পীখি, অদুদগী ইন্দ্রজিৎ কৌখি। হান্নদি নোং খোংবগুম্না কিনিংঙাই ওই হায়দুনা মেঘনাদ কৌরম্মী। মহাক্তি মপা য়াম্না নীংঙি, অরোইবা মতম ফাওবা মপাগী মতেং পাংঙি। মহাক্না মপাবু কৈদৌঙৈদা হন্থনা ঙাঙখিদে, মপাবু চৈরম্লগা থাদোক্নুনা চৎখিবগীদমক বিভীষণবু মহাক্না চৈ থাংঙি। লানফমদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং কয়ারক লৌই। অহৌবমক্তদা লানফমদা রাম অমসুং লক্ষ্মণবু নাগঅস্ত্র (লীনগী কোঙ্গোই-নাগপাশ) না লাক্নখিবদু মহাক্নুনি। হনূমান নত্তনা লাম্নী তেঙ্গোল পূম্নমক জ্ঞান মাঙহন্দুনা থমখিবা অদু মহাক্কী মতীক মঙাল চাউরবা মায়পাকখিবা অমনি। অৱাবা অদু অহানবদা গরুড়না কোকহনখি, অনীরক শুবদনা হনূমাননা কোকহনখি। মহাক্তি মীৎত্রংগী শক্তি লৈ, মাগী অকোয়বদা মমহনবা ঙম্মী, লান শোক্নরিঙৈদা য়েক্নবনা মহাকপু উহন্দবা ঙম্মী। মহাক্না সীতাগী অশাবা মূর্তি অমা শেম্লগা হনূমানমক্কী মমাঙদা সীতাবু হাৎলবনি হায়দুনা উৎপা ঙম্মী, হনূমাননসু থাজখি। মমৈদা অশেঙবা খঙলক্রবদা হনূমাননা মঙোন্দা লানদা নুপী হাৎহৈদে হায়। ইন্দ্রজিৎনা মহাক্কীদি য়েক্নববু বুদ্ধি লৌশিং মাঙহন্নবগীদমক হৌনবা হৌনদবা হায়বা অমুক লৈতে হায়দুনা মহাক্না তৌরিবা অদু তৌফম থোকপনি হায়না খঙহল্লী। মমৈদা, মাঙহনবা ঙম্নরোইদবা দোলাই অমসুং শক্তি লৈরবা খুৎশু খুৎলাই কয়া ফংননবগীদমক মহাক্না যজ্ঞ অমা তৌগে হায়না থৌরাংলকপা মতমদা লক্ষ্মণ, হনূমান অমসুং বিভীষণনা লোন্না মহাকপু ফায়, অদুগা লানফমদা চিংথোকই। লক্ষ্মণগী মখুত্তা মথৱাই থায়। হনূমান অমসুং বিভীষণগী মতেং য়াওরমদ্রবদি লক্ষ্মণ মথন্তনা মহাকপু হাৎপা ঙম্নম্লোইদবনি। মহাক অসি কয়া কনথৌরবা লাম্নীনো হায়ববু, মহাক হেক শিবদা রাবণ মশাদা কল্লবা খুৎলাই অমনা থোমদৎপগুমখ্রে। ইন্দ্রজিৎকী খ্বাইদগী চাউবা মগুণদি মশাগী কান্ননবগীদমক করিগুম্বা পাপ অমত্তা লঙশিনখিদে। মহাক্না তৌরিবা পূম্নমক মপাগী মতেং পাংবতনি। মায়গৈ অসোমদদি, ফৎত্রবা মপা অমগী মচা অমা ওইনা পোক্নুরবসু, দশরথকী মচাশিংগী থাক ফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

লঙ্কাদা তৌবগুম্না কিষ্কিন্ধাদসু বাল্মীকিনা য়েক্লিবা চরিত্রশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনবগী মওং অসি, ফোংনবু ওইরবসু ফোংদোক্তনবু ওইরবসু উবা ফংঙি। অহৌবদদি বালিগা সুগ্রীবগা মচিন মনাও ওইবগী নুংশিনবা উৎনৈ। পৃক্লিংগী শাজৎ মান্নদবা অমসুং বালিগী হাথু হাথুবা থবক্তগী মখোয় অনী য়েক্নরে। অদুবু মথম্মোয়দদি ফনা খন্নবা ঙাক্তনি, মশকসু য়াম্না মান্নে, মান্নমনখ্রদুনা মখোয় অনীগী অহানবা লানদা করম্বনা করম্বনো হায়বা রামনা খঙ্বা ঙমখিদে। বালিনা সুগ্রীবগা লান থেংননবা লানফমদা চৎলমদাইদা মহাক্না তারাগা শান্নখিবা ৱারী অদুদগী মখোয় মচিন মনাও অনী অসি কয়া য়াম্না অমনা অমবু নুংশিনবগে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। তারানা বালিদা সুগ্রীববু লুনা চান্না তৌবিনবা থেমজিনজৈ। বালিনা

হায়রিবা অদু য়াই, হাৎপদি হাৎলোই, মকোক্তা কন্না ফুথরগা পাড়াতমক তম্নীগনি হায়বা তারাদা পাউখুম পীরম্মী। বালিনা শাজৎ তমথিজরবসু সুগ্রীবনসু ময়াম্ববু নুংশিজবনি। বালিনা তশেঙনা শিরবদা অমসুং তারানা তেংথারক্লবদা, ময়াম্বদা মহাক্না তৌরুরিবা চাউরবা মরাল অদুনা ফোংনা নুংঙাইতবা পেক্লেক্লবদা মথন্তা শিজরগে হায়না থৌরাং তৌই। অদুবু মীগী শাসন তৌবদা মশাগী ওইনা হৈজশিংজরবা রামনা অনীমকপু শন্দাইশিল্লী, মনাওনুপাদা তৌরুরিবা ঙাকপিনিংঙাই ওইদ্রবা মরাল অদু বালিবু য়ানিংহল্লী - মরম অদুনা মহাক শিফম থেক্লবনি হায়। অরোইবা স্বর হোন্না হোন্না বালিনা মচানুপা অঙ্গদবু সুগ্রীবদা শিন্নরম্মী, মতম পৃম্নমক্তা তারাগী মরা লৌ হায়রম্মী। মনাও নুপা ওইজরবসু সুগ্রীবদা মহাক্কী মরাল পৃম্নমক ঙাকপিয়ু হায়জৈ। কায়নরমদাইগী খুদোল ওইনা মঙক্তা শিরিবা সনাগী লীকপরেং অদু সুগ্রীবদা লৌ হায়। অসুম্না বালিগী পাঙ্গল, শক্তি, মিংচৎ অমসুং লনথুম পৃম্নমক সুগ্রীবদা শিন্নরম্মী। মচিন মনাও অনীগী নুংশিনবা অসিনা মমৈথংদা মতম কুয়না কায়ননবগী মচাক ওইরম্বা পাপ পৃম্নমক কোকহল্লে অমসুং অশোয়বা পৃম্নমক মেনখৎলে।

রামগী খোঙচৎকী মতাং কয়াদা মীওইবগী গুণ শেমগৎ শাগৎপদা মশক নাইনা থৌদাং লৌখিবা চরিত্র মচা খরসু বাল্মীকিগী খুৎইদা য়াওরি। রাম পোক্ত্রিঙৈদগী হৌনা অহৌবদা সুমন্ত্র অদুম লৈরে। মগুণ লৈরবা শৃঙ্গীঋষিগী মতেং লৌদুনা মচানুপা ফংজনবগীদমক যজ্ঞ তৌসি হায়না দশরথ মহারাজদা হঙ্ৎলি। পুরাণগী ৱাফম পুথোক্তুনা মহাক্কী ৱাফমদু পুখৎচৈ, মমৈদা মহারানী অহুম্না মচানুপা মরি ফংজৈ। অসুম্না মমিং লৈরবা ইখ্বাকু শাগৈদা রাম অমসুং মনাও অহুম পোকহনবদা মহাক্না থৌদাং লৌই। মরম অসিদগী বাল্মীকিনা মহাকপু "পুরাণবিদ" অমসুং "মন্ত্রকোবিদ" (হৌজিক্কী লোনদা হায়রগা ইতিহাস খঙবা অমসুং ৱাহে শেম্বা হৈবা) হায়না কৌই। মহাক্না রামগী দোলাই থৌই, পাউ পুবা মীনি, অমসুং মরক মরক্তা কোনুংগী ৱা তান্নবা য়াবা মীনি। মহাক্না রামবু ব্যবহার য়াম্না তৌজৈ, অমসুং রামদগী আশাসু য়াম্না চাউনা তৌজৈ। দশরথকী কাদা রামবু পুশিন্দুনা সিংহাসন শিন্নবগী ৱা রামদা হায়খিবদু মহাক্লনি। কা মনুংদা ৱাজরবা মপাবুংনা জ্ঞান তংখাই অমা মাঙদুনা ৱানা লৈরবা মতমদা কৈকেয়ীনা রামবু কৌহল্লরিবা অদুদসু সুমন্ত্র থারকই। কৈকেয়ীগী য়াথং অদু সুমন্ত্রনা য়ানিংদ্রবদা, দশরথনা মথৌনা পুথোকচদুনা রামগী ফজরবা মায়থোং অদু হেক য়ারিবমখৈ থুনা য়েংজনিংঙি হায়রকই। অদু ফাওবদা সুমন্ত্রনা মপাল থেক্লুরগা নিংথৌগী মনাক্তা হজিল্লকই, অদুগা মপান্দা লৈরিবা ময়াম অদুনা দশরথ লাক্তুনা ফম্বাল কাবগী থৌরম অদু পাঙথোক্লবা খৌরাংনা ঙাইহৌরি হায়না তম্লম্মী। নিংথৌগী পৃক্লিং নুংঙাইখিদে, মহাকপু থুনমক থারকই। সুমন্ত্রনা চঙক্লদুনা ৱানা লৈখিবা মতাং, অদুগা কৈকেয়ীগী কাদগী রামগী কোনুং ফাওবা মহাক্না দোলাই থৌরকখিবা মতাং অদু বাল্মীকিনা য়াম্না থম্মোয় কায়বা

মওংদা শীংথায় । কৈকেয়ীগী কাদগী বন চৎলুরো হায়বা য়াথং ফংলগা রামনা থেক্লকপগা অযোধ্যগী হায়বা ইল্লবা নিংথৌমচা অমা ওইনা, রামনা মখোঙনা চৎকে হায়খি, দোলাই তোংঙু হায়বা য়াখিদে । ওইরক্লিবা থৌদৌ অদুদা সুমন্ত্রনা ৱাজৈ অমসুং নীংবা কায় । নিংথৌদগী বিদায় লৌননবগীদমক রামনা সীতা অমসুং লক্ষ্মণগা লোয়ননা লাকপা মতমদা কৈকেয়ীগী মমাঙমক্তদা সুমন্ত্রনা অশাউবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকপদা চিংনখিদে, দশরথকী মমাঙমক্তদা বশিষ্টনা কৈকেয়ীবু উবদা মহাকসু য়াওশিল্লী । কৈকেয়ীগী ফৎত্রবা থৌরাং অমসুং চক্রি থাংবা থবকশিং অদু য়াওজনিংদবনা রামগী মতুং ইল্লগনি হায়না অচেৎপা ৱাফম সুমন্ত্রনা ফোঙদোকই । অদুবু কৈকেয়ী মঙক কন্না অদুম লৈখরে, রাম বনদা চৎপদা তারে । লাইবক ফবদগী রামনা মপাগী য়াথং ঙাক্তুনা শহরগী মতাইফাওবা কোনুংগী দোলাই অদু তোংঙু হায়বা য়ারে । মতম অদুমক্কীদি সুমন্ত্রসু হরাওজরে, রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণ অহুমবু তোংহল্লগা দোলাই থৌখি ।

অহুম অদুনা গঙ্গা তুরেল লান্দ্রিফাওবা মতম খরা হেন্না সুমন্ত্রনা রামগা লোয়নজবদা নুংঙাইজৈ । লম্বীদা রামনা সুমন্ত্রবু য়াম্না নুংশিনা মনাক্তা কৌশিল্লকপদা সুমন্ত্রনা য়াম্না হরাওজৈ । অযোধ্যাদা লৈরিঙৈদা সুমন্ত্রনা শেন্নবিদুনা পূক্লিং চাউখৎনিংঙাই ওইবা লম কয়া কোয়মিন্নখিবদু য়াম্না নুংঙাইখি হায়না রামনা সুমন্ত্রদা তমখি । মাগী নাকোংনা রামদগী থুল্লবা ৱাহৈশিং অদু তাজবা ফংবদা সুমন্ত্রনা মঙ্গলগী মশক ওইরবা ঈথিন অদু ফোঙদোকচনবগী ৱাহৈ লাম্বা ফংখিদে। গঙ্গাগী তোর্ব্বানদা রামনা গুহগা (ভক্ত অমা) লোয়ননা নুমিদাং অমা লেনখিবা অদু সুমন্ত্রগীদমক্তা নৎতনা বাল্মীকিগী খুৎই চেকশিন্না পারিবা খুদিংমক্কী কাউবা য়াররোইদবা তাঙ্কক অমনি । রামভক্ত অনী অদুনা রামগী ফজরবা পুকচেল অদুগী ৱারী শাদুনা অৱাংবা ৱাখল পোক্তুনা অহিংচুপ্পা তুমদনা লেনখি । মদুদা লক্ষ্মণসু য়াওখি । সুমন্ত্র মশাগীদি অহাঙবা দোলাই পুদুনা অযোধ্যাদা হন্নিংদ্রবনি । অদুবু রামনা থেমদুনা হলহনখি । অদু ফাওবদা গুহগীদা নোংমা পম্থরম্মী, রাম অমুক হল্লকখিবা য়াই হায়না নুংঙাইনা আশা তৌজৈ । মহাক্লা দোলাই থৌবা হৌরকপদা শগোলশিং অদুনা হন্না চৎনিংদবগুম উই। দশরথতা সুমন্ত্রনা হল্লকপদা তম্বগী মতাং অসি খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় কায়নিংঙাইগী মশকনি । তিন্নরুবা মী খুদিংদা রামনা মীওইবগী গুণ য়েম্লোকপদু মতাং অসিদসু শাগী পুকচেল ফাওবা শুমহৎপা ঙম্মী হায়বা উৎলে । গঙ্গাদা হী তোংখৎপা মতমদা রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা ফোঙদোরকপা থম্মোয়গী মপাউ অদু মশামক্তসু থম্মোয় য়াম্না কায়জখ্রবনি, নিংথৌ মহারানী অনীদা সুমন্ত্রনা ইকায় কায়দনা তম্নবা হোৎনৈ, অদুবু মখোয়সু থম্মোয় কায়রদুনা খুদক্তা রামগী মনাক্তা চৎনিংবনি । ফীভম অদু লাকশিন্নবগীদমক মহাক্লা থেমজিল্লী । মানা হায়খি;

ন শোচ্যস্তে ন চাত্মা তে শোচ্যো নপি জনাধিপ:।

ইদং হি চরিতং লোকে প্রতিষ্ঠাস্যতি শাশ্বতম্ ।।

(মখোয়গী নৎত্রগা নশাগী নৎত্রগা নিংথৌগী করিসু ৱানিংঙাই লৈত্রে । অৱাবা অসি রামগী তাঙলবা খোঙচৎ অসিদা অসিগুম্বা ৱায়েল অমা মতাং অসিদা পীরকপদা বাল্মীকিনা মশামক সুমন্ত্রগা অমত্তা ওইরে । নিংথৌগী দোলাইথৌবা ওইনা সুমন্ত্র হৌখিবনি, মথং মথং লৈঙাক্লোন হৈবা অমসুং ৱাখল খনবা ঙম্বা মী ওইখি, মমৈদা রামগী মীওইবগী গুণ চেনবা অমসুং ধর্মগী মঙাল ফংজবদগী তুংদা থেক্লেগদবা খঙবা মী অমা ওইখি ।

রামগী "আত্মসখা" (চান্নরবা মরুপ) ওইবা গুহ হায়বসিসু বাল্মীকিনা শেমগৎলকপদা অঙকপনা তিল্লবা অতোপ্পা চরিত্র অমনি । নিশাদ (কোয়না চত্থুনা হিংবা কাংলুপকী মী) অমা ওইনা পোকপনি, অযোধ্যাগী ঙমখৈ ঙাকপা লাম্মী ওইনা লৈবা ঙাফাবা অমসুং শগোল তোংবা চাউরবা লাম্মী তেঙ্গোল অমগা লোয়ননা শৃঙ্গাবেরাপুরগী লৈঙাকপা নিংথৌনি । রামবু মহাক্কী লমদা য়াম্না নুংশিনা ওকখি, মাগী লৈবাক কৎলি অমসুং নুমিদাং অমা সেবা নীংথিনা তৌখি । রামনা মহাকপু কোল্লি, তরাম্না ওকপিবা অদুগীদমক য়াম্না তৌবিমল খঙবা উৎখি । অদুবু লক্ষ্মণনা পুরকপা অচম্বা ঈশিং নৎতনা অতৈ করি অমত্তা চাদে হায়না হায়খি । থৌরিবা দোলাই অদুগী শগোলশিং অদু নীংথিনা পিজ-পিথক তৌনবা রামনা গুহদা হায়খি, মরমদি নোংমা নিনি অসিগী মনুংদা মখোয়গসু রামনা কায়নরগদবনি । রামনা লম অদু নুংঙাই য়াইফরিব্রা, শান্তি লৈরিব্রা হায়না হংঙি । গুহনা লক্ষ্মণদসু মাগীদমক তোঙান্না শেম শারিবা ফমুং অদুদা নুংঙাইনা পোত্থানবা হায় । অদুবু লক্ষ্মণনা মহাক্কা লোয়ননা অহিংচুপ্পা ৱারী শাবনা হেন্না পাম্মী । নোংঙাল্লগা মখোয় অহুমগীদমক হী অমা থৌরাং তৌই । মফম অদুদগী মখোয় অহুমনা বনগী পুন্সি লেনবা হৌরে ।

ভরতনা অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা পুরদুনা রামবু অযোধ্যাদা অমুক পুরক্নবা লাকপদা গুহগী লম য়ৌরকপা মতমদা ভরতনা গুহগসু উন্নখি । গুহনা অহানবদা ভরতপু চিংনৈ; অদুবু অফবা ৱাখলগা লোয়ননা লাকপনি হায়বা খঙলবদা গুহনা ভরতপু থম্মোয় শেংনা ওকই অমসুং ভরতকী লাম্মীশিংনা তুরেল লাহোকপদা মতেং পাংঙি । মতাং অসিদা বাল্মীকিনা ভরতকী থম্মোয় মশক খঙনবা হোৎনরিবা গুহগীদমক য়াম্না অর্থ লৈরবা মগুণ ফোঙদোকপা ৱাহৈ শীজিন্নৈ । মখুৎ লোন্নরদুনা "গহনা গোচর" (মনুং মপান ফাওনা খঙবা অদুগা মীৎ নাসু শিংবা) ওইরবা গুহনা ভরতকী মপুকচেল খঙনবা হোৎনৈ । চরিত্র অসিগী মগুণ হাপ্পনবগীদমক ওইরম্বা য়াই, মতাং কয়াদা বাল্মীকিনা " গহনা-গোচর" হায়বা ৱাঙাং অসি শীজিন্নৈ । ভরতকী মপুকচেল অসি অতিয়াগুম্না (আকাশ ইবা নির্মল:) তশেং তশেংঙি হায়বা খঙলবদা গুহ ওম্থোক্লা হরাওজে । মখোয় অহুম্না মাগীদা অহিং লেক্লিঙৈদা লক্ষ্মণ

অসি কয়া য়াম্না মপুকচেল চাউবা, পূণ্যগী মশক ওইবা অমসুং অফবনা লমজিংবা মী অমা ওইনা মহাক্না উবা ফংবা ঙম্বগে হায়বগী ৱারী লীরদুনা ভরতকা নুংঙাইরবা অহিং অমা লেনমিন্নে। পৃথিবী অসিদা রামদগী হেন্না নুংশিবা মী অতোপ্পা অমা লৈত্রে হায়না লক্ষ্মণনা হায়বদুমক গুহনা ভরততা তম্মী। রাম, লক্ষ্মণ অমসুং সীতাগী মরমদা ভরতনা হেন্না হেন্না খঙনিংবা উৎলি -মখোয় কদাইদা তুম্মী, মখোয়না করি চায় অমসুং মখোয়না করম্না অহিং লেল্লী, মথং মথং হংঙি। গুহনা ফজনা তমখিবা মওং অদুনা ভরতকী থোৎলবা থম্মোয় কায়। বনদা রামনা লেনবগুম ভরতসু চপ মান্নবা মওংদা লেনগনি হায়না খুদক্তা ৱারেপ লৌই।

অসুম্না গুহনা অযোধ্যাগী নিংথৌমচা মরিগা, লোয়নখিবা অসি য়াম্না মরু ওই। অমরোমদা মহাক্না রামগী খোঙচৎকী অহৌবা তাঞ্জা শক্তাকপগুমলি, অদুগা অমুকসু চহী তরামরিগী মতুংদা রামবু ভরদ্বাজগী আশ্রমদা মহাক্না তরাম্না ওকখি। গুহনা ভরতপু অতিয়াগুম্না থাগৎলবদি মহাকসু মৈগুম্বা অশেঙবনি। রামবু উজবমক্তদা মশামক মাগী লৈবাক য়াওনা লৈজবা পূম্নমক মাগী থম্মোয়দা মবুংঙো অদুদা কৎথোকখিবা মীওইনি ।

রাম হায়রিবা অথোইবা মী (পুরুষোত্তম) অসিনা বনগী পুন্সি লেল্লিঙৈদা মীওইবগী মগুণ শেমগৎলক্লিবা অসি নুপা -নুপী, মুনি-ঋষি, লাই অমসুং লাইগুম্লবা মী অসিতা নত্তে , শা-ঙা উচেক-ৱায়া ফাওবদনি। জটায়ুগী মতাং মসিগী খুদম অমনি। পঞ্চবটী চৎপগী লম্বীদা চাউরবা মশা পানবা উচেক অমা রামনা থেংনখি, মী চাবা হিংচাবা অমগুম মানখিবনি। উচেক অদুনা মপাইবুংঙোগী মরুপ জটায়ুনি হায়রক্লবদা রামনা খুদক্তা ব্যবহার তৌজে। মতীক মগুণ লৈরবা পরম্পরাগী ৱারী তারবা মতুংদা অমসুং শা কৈ অমদি হিংচাবা কয়ানা তোয়না লাকপা উমং-ৱামং মরক অসিদা মহাক্না লোয়নদুনা সীতাগীদমক মহাক্না ঙাকশেন্দুনা লৈননবা থৌরাং তৌখিবা অদু উবদা রামনা নুংঙাইবা পোকখি অমসুং কোনবিখি। জটায়ুগী মমাঙদা রামনা মকোক নোল্লকপদা জটায়ুনা মমা মপাগী নুংশিবা , হৌজিক্তি ফংদ্রবা, অদু নীংশিংলকই।

রাবণনা সীতাবু পুখিবা মতমদা জটায়ুবু নীংথিনা শীজিন্নবগী তাঞ্জা লাকই। সীতানা উপাই লৈত্রদুনা মাগী অকোয়বদা লৈরিবা অহিংবা অমসুং হিংদবা পোৎশক পূম্নমক্তা মাবু নমদুনা পুরিবা অদুগী পাউ রামনা লাকপা মতমদা তম্বীনবা লাউই। মানা লাউরিবা অদু জটায়ুতনা তায়, খুদক্তা মফম অদুদা লাকই; ঙহাক্কী ওইরবসু রাবণবু লেপহল্লী। মহাক্না ঙমজবমখৈ লাম্থেংনৈ, রাবণগী দোলাই থুগাই, দোলাইথৌবা হাৎলি; অদুগা মমৈদা মথৱাই থায়। কল্লবা রাক্ষস অদুগা মহাক্না লাম্বা নত্তে হায়বা মহাক্না খঙলবসু, লানদা মায়য়োক্নে অমসুং শিদ্রিফাওবা লাম্থেংনৈ। অৱাবা অদুদগী সীতাবু কন্ননবা মহাক্না ঙম্বমখৈ হোৎনজৈ, অদুবু অৱাবা অদুদগী মথৱাই

কৎথোকচরবা ফাওবদা কনবা ঙমখিদে। অদুগা মাগী কল্লবা অনীংবগী শক্তিতনা রামনা মফম অদুদা লাক্তুনা সীতাবু থিরবা অদু ফাওবা অরোইবগী স্বর হোন্দোক্তনা লৈখি।

জটায়ুনা ঈখেং মরক্তা লৈপাক্তা তিংদুনা লৈরম্বা অদু রামনা হেক উবমক্তদা উচেক অদুনা সীতাবু শোয়দনা চাগোকখ্রমাল্লে হায়না নীংঙি। অদুবু, জটায়ুনা ৱারী পূম্নমক অদু রামদা তম্লবা মতুংদা রামগী থম্মোয় পেৎথরকই অমসুং জটায়ুবু কোল্লী। মাগী লৈবাক কায়নহল্লিবা, বনদা চৎহল্লিবা, মাগী লোয়নবীগা কায়নহল্লিবা অমসুং মরাল লৈজদ্রবী নুপী অদু কন্ননবা হোৎনরুবা উচেক অদুগী মপুন্সি লোমহল্লিবা — মাগী লাইবক অদুদা রামনা য়াম্না নুংঙাইজখিদে। খুরবা লম্বী অমদা উচেক অদুগী মনাক্তা রামনা ফম্লদুনা য়াম্না অৱাবা খোঞ্জেলদা থৌদোক অদু করম্না থোকখ্রিবনো, সীতানা মঙোন্দা করি হায়রম্বগে হায়না হংঙি। জটায়ুনা মহাক্না ৱা ঙাংবা হেক ঙম্লিবফাওবা ৱারী পূম্নমক লী অদুগা অৱাবা থৌদোক অদু "বিন্দ" গী পূংফমদা থোকখিবনা মমৈদা সীতাবু শোয়দনা ফংগনি হায়না রামবু থেমজিল্লী, মরমদি অদুগুম্বা পূংফমদা মাঙখিবা পোৎ মমৈদা অচুম্বা মপুনা ফংগদবনি হায়রম্মী। মশাদা লৈহৌরিবা মপাঙ্গল পূম্নমক ফুদোক্তুনা জটায়ুনা রাবণগী মমিং পল্লী, রাবণগী মরমদা মহাক্না হেক খঙবা অকৃপ্পা মরোল পূম্নমক মাগী অরোইবা স্বর হোন্দ্রিফাওবা রামদা তমলম্মী।

ভক্তি অমসুং য়াম্না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা রামনা জটায়ুগী অশিবা হকচাং পোৎলোয়রে। ধর্মলৈবা অচৌরা মীশিংনা ফংফম থোকপা চপচাবা মঙ্গল অদু ফংসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরে। মপা ইবুংঙোমক্কীদা রামনা তৌবা ঙমখিদবা অদু জটায়ুগী শেঙলবা আত্মাগীদমক্তদি হৌজিক ঙম্লে। রামায়ণগী মনুংদা রাম অমসুং সীতাগীদমক মথৱাই কৎপা ঙমখিবা মীওই অনীখক্তনি। অমনা দশরথনি, অতোপ্পদুনা হৌজিক জটায়ুনি। দশরথনা য়াম্না ৱানা শিখিবা অদুদগী হেন্না জটায়ুনা মথৱাই কৎথোকখ্রিবা অসি মীওইবগী গুণদগী য়েংলবদি হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। অনীমক অৱাবনা পোলোই ওইখিবনি, অদুবু অকোনবগী অসিনা রামগী থম্মোয় খ্বাইদগী হেন্না শোকখি। মরমদি মসিনা মাগী পুন্সিদা মথং মথং ওইনা থেংনখিবা অৱাবা পূম্নমক মথং মথং নীংশিংহল্লী - মাগী ৱাহৈদা অৱাবশিং অসিনা মৈ ফাওবা তুমবা ঙম্লগনি হায়খি। দশরথনা মচিন্দা রাম হায়না শোল্লগা শিবা মতমদা রাম মনাক্তা লৈখিদে। অদুবু হৌজিক্তি জটায়ুনা শিরমদাই য়ৌরবসু মচিন্দগী পূক্লিং থেমজিনৱা তপ্না তপ্না হায়রগা শিখি। দশরথনা রাম কায়নবগীদমক শিখি, জটায়ুনা সীতাগীদমক মথৱায় কৎখি।

অদুবু জটায়ুনা শিবদগী দশরথকী অৱাবনা হেন্না থম্মোয় শোকই। মরমদি সীতা লৌরুগদৌরিবা রামদা মপাউ তমজরম্বগী অপেনবদু জটায়ুনা ফংঙি। রামগী নুংশিরবা লংলবা মায়থোং অদু হেক উবা ফংখিবদগী দশরথতি অদুম ৱান্থখিবা

হায়বদু ওইরবনি । দশরথনা কৈকেয়ীদা রামগা লোয়ননা মহাক্কী উবা ঙম্বগী শক্তি পূম্নমক চৎখরে অমুক হল্লক্করোই হায়খি। মশামক্কী ওইনসু মাগী অৱাবা অদু করিনো হায়বা খঙখিদ্রে । অচুম্বা হায়বদুনা করিনো, চুমদবা হায়বদুনা করিনো হায়বগী খেন্নবা মহাক্না খঙখিদ্রবনি, মরমদি কৈকেয়ীনা মহাক্কী তমথিরবা থৌরাংদগী মখোয়না নীংজরম্বা পূম্নমক মথক মখা ওনথ্রবনি । মশাগী উপাই লৈজদবদা অমসুং মশাগী নুংগী শক্লোনমক্তদা ওন্ন-তৈননা লালহৌজরবনি । মদুনা মীওইবগী মচি ওইরবা গুণশিং- অচুম্বা (সত্য) অমসুং ফজবা লীচৎ (ধর্ম) হায়বসিদা পূল্লপ কৎথোকচরবা শাগৈ অমা অৱা-ঈপাক্তা লংথরবনি । অনী অসিগী মরক্তা শাথিরবা মূক্লবা অমা মহাক্না মাঙদা লংশিল্লক্লবনি । মশাগী অচুম্বসু থাদোকপা ঙমদে, অকিবা লৈতনা ধর্ম পাঙথোকপসু ঙমদে । নুংগী ওইবা মূক্লরিবা অসিনা মাগী ৱারবা পোলোই অদু পুরকখিবনি । অদুবু মাগী পুকচেল চাউরবা মচানুপা অনী—রাম অমসুং ভরতকী লৌশিংনা মীওইবগী গুণদা মীওইবগী থাজবা হন্না থমহল্লী। পুন্সিগী মতম পূম্নমক্কী ওইবা গুণশিং -অচুম্বা, ফজবা লীচৎ, নুংশিবা, মিনুংশি, থৌদাংদা কৎথোকপা অমসুং ইশাগীদগী হান্না মীগীদমক সেবা তৌবা - পূম্নমক অসিগী নৌনা পাঙ্গল হাপখি ।

বাল্মীকিনা য়েক্লিবা চরিত্রশিং অসি নৈনরকপদা মরুওইবা ৱাফম অমদি মীওইবগী গুণশিংনা অৱাবা নংলবতদা মীওইবগী লেমজবা হেল্লকই  হায়বসিনি। মসি য়েংবদা ওন্ন-তৈননা  থেক্লবসু মতম পূম্নমক্কী ওইনা চুল্লবা ৱাফম অসিদগী হিংলিবা জীব পূম্নমক্না থেংনরিবা লান অমসুং হিংননবা হোৎনরক্লিবশিংগী ওইরিবা অমসুং ওইরক্কদবা থৌদৌশিংগী পাম্বৈ মসিনা ওই । মহাকাব্য অসিদা য়েক্লিবা লোয়নমকপু হায়বা য়াই, চরিত্র পূম্নমক্তা বাল্মীকিনা মীয়েং চিংশিন্নিংলিবসু মসিনি।

# খুৎশেম হৈবা কলাকার

বাল্মীকিগী কলাদা খ্বাইদগী হেন্না ফজরিবসি থম্মোয়শেংনা খঙজিন উশিনবা ঙম্বা অমসুং চন্না ফোঙদোকপা ঙম্বা অসিনি। ৱাহৈ ৱাতা চঙখোল্লি, ৱারী লীবদা মাগী থম্মোয়গী ঈহুলশিং খল কায়দনা থম্মী অমসুং মহৌশাগী ওইবা মওংদা জর জর পুথবা ঙম্মী। মহাক্না ইঙাং ঙাংদে, মাগী চরিত্রশিংনা মশা মশাগী ওইনা ঙাংহল্লি। মীওইবগী শাজৎতা মশাগী ওইবা মনুং থিৎনা উশিনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ অমসুং মহাক্কী চরিত্রশিংগী শাজৎ-শাওং অমদি মশক নাইনা তৌথোরকপা থবকশিংদা মওং তানা পুথরকপদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈ শিংঙি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ৱা ঙাংবগী অঙ্ক মমূৎ তানা হৈবা মীশক্লি, অদুগা করিগুম্বদা মহাক্না তুমীন্না লৈখিবনা হেন্না অর্থ থোকহল্লি, অর্থ অসিনা অকোয়বদা লৈরিবা অরাঙবা পূম্নমকপু তুমিন লৈহল্লি। শম্না হায়রবদা, তুংদা থেক্লেগদবা উবা ঙম্বা মহাকবি অমা ওইনা মায়পাকখিবগী মরমদি পূম্নমক য়েংশিনবগী সাধনা (তপস্যা) অমসুং ফোঙদোক্তনা অখাঙ কনবগী শক্তি (স্বাধ্যায়) অসিদা লৈরে।

রামায়ণদা য়াওরিবা ৱারীগী শরুক অসি য়াম্না চম্মী, তেল্লী অমসুং নাকোইনদে। অদুবু বাল্মীকিনা শীজিন্নরিবা কলাগী খুথা অমদি মহাক্কী মশকনাইরবা থম্মোয়না ৱারী অসিবু পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা মওং অমদা শেমশাখ্রে। মথং মনাও শেম্বদা অমসুং চপ চানহনবা অমদি চাং পুবা ঙম্বগী ৱাংলবা ৱাখল্লোন শীজিন্নদুনা থৌদোকশিং পরেং চানা লেংশিনবা ঙম্বা অসিদা খুদক্তা পূক্নিং চিংশিনবা ঙম্বা খরা য়াওরি। মসিনা ৱাহৈদা অমদি ৱাখলদা অনী তূনা তাহল্লিবা মমি অসি হেন্না থোৎ নৌহল্লি (মধুরম্ মধুরাক্ষরম)।

অযোধ্যাগী পূক্নিং হূরবা দৃশ্য থাদুনা ৱারী অসি হৌই, অদুগা শ্রীরামনা অযোধ্যাদা হল্লক্তুনা কুয়না ঙাইনরবা ফম্বাল কাবগী কুম্মৈনা লোইশিল্লি। অহানবা তাঙ্কক মরিনা মপুংওইবা ৱারেংগী ৱাহৌদোক অমা ওইহল্লি, অদুগা উত্তরকাণ্ড লোয়নমক অসি হাপচিল্লকপা নৎত্রগা কোন্না ইশিনবগী মওংনি। মফম খরদা ওম্লোক ওনশিন খরা তৌখ্রে হায়বসিদি বাল্মীকিগী কল্পনা তৌরিবা পূক্নিংবু খঙনীংনা পারিবা অমনা ইলায় লায়না খঙবা ঙমগনি। বাল্মীকিনা ইরম্বা রামায়ণ অসি

তুংদা মখল কয়া থোক্লা পুথোরক্লবসু মতম কয়াগী মমাঙদগী ব্যবহার তৌনরক্লিবা মগুণ য়াওরবা অশেঙবা রামায়ণ অদুদদি মশাগী ওইবা চুশিন্নবা, ব্যবহার তৌনবা অমসুং অচুম্বা ফিরেপ অদু য়াওরি । হোংদোক্লখ্রিবা অদুনা অশেঙবা রামায়ণগী ঈজ্জৎ অমসুং চপচাহনবা ওইনা মতীক মগুন হেঙ্গৎহনবতনি ।

ৱারী অসিদা চরিত্র চামমুক য়াওরি, চরিত্র খুদিংমক মশা মশাগী তোপ তোপ্পা শক্তম লৈজে । অনীসুনা মান্নদে । পীকখ্রবা চরিত্রফাওবা য়াম্না চেকশিন্না য়েকই । রামায়ণ খঙবা তুংগী পণ্ডিতশিংনা, মরম লৈনা বাল্মীকিনা হাপলল্লিবা চরিত্র খরগী অর্থ লৈনা চৎথরক্লিবদু নীংথিনা খঙদবা য়াওই। খুদম ওইনা, বাল্মীকিগীদি অহল্যা নুং ওইনা লৈতে, শাপতগী কন্নবগীদমক রামনা মাগী মথক্তা নেৎখিদে। গৌতম মুনিনা চুম্না হায়রম্বদি মহাক্লা রাম উবা ফংদ্রিফাওবদি মীনা উবা ঙমদনা লৈগনি অসিতনি । রাম হেক উবগা অমসুং রামদগী নুংশিবা ৱাহৈ অমা হেক তাবগা মাগী হান্নগী ফীভম অদুদা হঞ্জিল্লকখিবনি । অসুম্না, পঞ্চবতীদা লক্ষ্মণনা সীতাবু মথক্তা থনম্বা মতমদা অসিদগী হেন্দোক্কনু হায়না লৈই চিংলমদে। অকোনবা রামায়ণশিংদা লক্ষ্মণরেখা হায়না খঙনবা লৈই অসি বাল্মীকিগীদা য়াওদে, অদুবু মতমগী মতুংইন্না পাম্নদুনা অসুম লৈখিবনা হৌজিক্তি মসি লৌথোক্লবা য়াদ্রে । রাবণনা সীতাবু মশম পায়দুনা চিংলগা শেগ্রাক্তা য়েপশিল্লগা ফাখি হায়বসি তুংদা লাকপা কবিশিংনা মশা মশাগী ৱাহম্থোক পুথোক্নুনা য়ানিংখিদে । অগ্নি পরীক্ষাগী হেক মমাঙমক্তদা রামনা শীজিন্নখিবা অকনবা ৱাহৈশিং অদু রামায়ণগী মরমদা ইবা পণ্ডিত কয়ানা অর্থ লৌশিনবদা হঙ্গোইমনখিদুনা অর্থ হন্দোক্তনা থম্লখি । অরোইবদা রামনা রাবণবু করম্না হাৎখিবগে হায়বগী মরমদা মওং কয়া থোক্লা ইনরিবদু বাল্মীকিগীদা য়াওদে । পূম্নমক অসি ওইদুনসু রামায়ণগী ফজরবা ৱারী অসিগী মওং-মতৌ শেল্লিবা,থৌদোক কয়া উৎলিবা অমসুং ৱাখল কয়া খলহল্লিবা অসিগীদমক্তনি বাল্মীকিনা মকোক থোংদুনা লৈরিবা ।

মুনি অনী বিশ্বামিত্র অমসুং সতানন্দগী খুৎথাংদা বাল্মীকিনা ৱারী লীবগী কলা অসি উত্নুনা তাক্লি । বিশ্বামিত্রনা রাম অমসুং লক্ষ্মণদা মাগী আশ্রমলোমদা চৎপগী লম্বীদা ৱারী কয়া লীখি । জনকনিংথৌগী কুলগুরু শতানন্দনা নিংথৌমচা অনী অদুনা মিথিলা য়ৌরবা মতমদা বিশ্বামিত্রগী ৱারী লীখি । মুনি অনীনা লীরিবা ৱারীগী খুৎলী অদুনা মথম্মোয়দা ফাওরকপা অঙকপশিং অদু নৎতনা অতৈ করি অমত্তা নিংথৌমচা অনীনা নীংশিংখিদে। মহাকাব্য অসিগী হৌবদগী লোইবা ফাওবদা বাল্মীকিনা ৱারী কয়া লীরকপদা পাঙথোক্লিবা পান্দম অদু মসিনি।

রামায়ণগী অহানবা অঙকপা ৱারীদি খ্বাইদগী হেন্না থাজদনা রামবু বনদা থাখিবা অসিনি । খম থেংবা চিদাই অমদগী অতোপ্পা খম থেংবা চিদাই অমফাওবগী মনুংদা ইখঙ খঙহৌদনা ওন্নতৈনবা থৌদোকশিং মথং মথং চৎথরকপদা, য়াওরিবা

চরিত্রশিংগী মরক্তা থুনা থুনা ফাওনহন্নবা হোৎনবা হায়বসি কবি অসিদা অরুবা মতাং অমনি । দশরথনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিনা শোকই হায়বা য়াই, মরমদি কৈকেয়ীগী তমথিরবা চৈনা অদু মঙোন্দা হকথেংনরিবনি অমসুং খুদক্তা পাল্লিবনি। মহাক উপাই লৈত্রে, কৈকেয়ীনসু রামনসু মহাক্কী অৱাবা কোকহনবা ঙমদ্রে । কৈকেয়ীনা মাগী অপাম্বা অদু হন্দোক্লম্লবদি নৎত্রগা রামনা দশরথ মশামক্না হায়বগুম্লদুনা সিংহাসন অদু মহাক্না আইনগী মতুংইন্না ফংফম থোকই হায়না তকশিনগে হায়বা য়ারম্লবদি দশরথ নুংঙাইজরমগদবনি । অদুবু ঙক কন্না কৈকেয়ীনা মশাগী ওইজবা থিরকপা অমদি রামনা য়াম্না লুবা মওংদা মশাগী ওইজবা থাদোক্লকপা অনী অসিনা ওইরম্বা য়াবদু ওইহনখিদ্রে । কোনুংগী কা মনুংদা কিনিংঙাই ওইবা মওংদা চয়েৎনরিবা অসিগী মথক্তা মপান্দা ফম্বাল কাবগী থবক পাঙথোক্লবা নিংথৌবু ঙাইরিবা অঙম অথৌশিংগী মরক্তা মফম খঙদবা চরাংনবা অমা থেক্লকখি । শহর পূম্বনদি খ্বাইদগী নুংঙাইরবা থৌদোক অদু য়েংগদবগী ঙাইরি । অঙকপা ফীভম অসিনা পূম্নমক্কী পূক্লিংদা চয়েৎনবা অমা পোকহনখি, কোনুং মনুংদা তৌরিবা অদুগা মপান্দা প্রজাশিংনা ঙাইনরিবা অদুগদি চপচানা ওন্ন-তৈনবনি । তশেঙবদি মপাবুংনা কৌরি হায়দুনা রামনা কোনুংলোমদা চংখিবা মতমদা প্রজাশিংনা রামগী মঙাল তারবা মায়থোং অদু য়েংজনবা অমসুং রামনা মখোয়দা য়েংবিরক্লগা পুণ্যগী মশক ওইহৌনবা রামগী লম্বী থংখিবনি। অসিগুম্বা তাইওন্নবা ফীভম অসি বাল্মীকিনা কল্পনাগী মতেংনা শেমশাজরগা মপুং ওইরিবা চরিত্রশিং -রাম, দশরথ, কৌশল্যা, সীতা অমসুং লক্ষ্মণগী খ্বাইদগী ফজবা মগুণশিং অদু ফোঙদোকই ।

রামবু নোংমতা ওইরবসু পন্থনবা দশরথনা হোৎনরকই, মানা হায়ই:

অদ্যত্বিদানিং রজনীং পুত্র মা গচ্ছ সর্বথা ।<br>
একাহং দর্শনিনাপি সাধু তাবচ্চরাম্যহম্ ॥

(অহিং অসিমতংদি ঐগী নাক্তা লৈখো। ঙসি চৎপগী ৱাসিদি অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু তোকখো । ঙসি নুমিদাং অসিতং নংবু য়েংলগা ঐগী অৱাবসি খাঙবা ঙম্নবা পাঙ্গল লাক্কনি ।)

তশেংবদি মাগী তমথিরবা নুপী কৈকেয়ীনা লোয়নমক অসি লৌতুনখিবনা বনদা চৎপগী ৱা অসি দশরথনা রামবু য়াহন্নিংখিদবনি । রামদা ঈঙ্গিৎ অমফাওবসু পীখি — দশরথনা মাগী নুপীগী ফৎত্রবা লাংদা থুখিবগীদমক রামনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমগদবনি অদুগা মশাগী ফংফম থোক্লবা সিংহাসন অদু মশানা লৌগদবনি। মপা ইবুংঙোগী ৱাজরবা পূক্লিংগী ৱারোল অদু মশাগী ওইনা চুমজরবসু তারগা রামনা হায়খি :

প্রাপ্স্যামি যানদ্য গুণান্ কো মে শ্বস্তান্ প্রদাস্যতি ।<br>
অপক্রমণমেৱাত: সর্বকামেরহং বৃণে ॥

(ঙসিগী য়াথং অসি খুদক্তা পাঙথোকফম থেক্লেবনি, হয়েং ফাওবা ঐনা য়ৈথেক্লেবদি ইপা ইবুংঙো, কনানা ঐবু ঙাকপিগনি। মরম অদুনা খুদোংচাবা কয়া অমদি অতৈ ৱাফম কয়া তুংওইনরগা ঐ খুদক্তা চৎফম থেক্লেবনি।)

অমরোমদা হায়রগা রামনা পাল্লিবসি ইথৌ পাঙথোকপদা তপথরবদি পাঙথোক্তবগুম্বনি হায়বসিনি। অদুবু মপা ইবুংঙোদদি ব্যবহার কায়দে। মতম খরগী অৱাবা অদুদা থোইনা খোইরাংবিদনবা মহাক্লা নোল্লুক্লা হঙ্গৎচৈ, মহাক মশামক নুংঙাইনা মতম লেল্লুগদবনা করিসু ৱানিংঙাই ওইদে হায়না থাজহল্লি। পিরাং শিন্থবিদনবা অমসুং অৱা-মৈশা লাংবিদনবা হন্না হন্না হঙ্গৎচৈ। অরোইবদা অচুম্বা পামজবা মপা ইবুংঙোনা কৈকেয়ীদা হায়দোকখ্রিবা ৱা অদু ঙাক্লা চৎপিফম থোকই, মাগী য়েংদুনা অচুম্বা লম্বী থাদোকপিদনবা হায়জে। লাই পূন্নমক পুনশিল্লগা ব্যবহার তৌবদগী মপাবু ব্যবহার তৌবনা মমল হেল্লি হায়বা মতম পূন্নমক্তা চুম্নবা পুরাণগী ৱাফম অদু পল্লদুনা রামনা মাগী ৱারোইশিন ওইখি (পিতা হি দৈবতং তাত দেবতানামপি স্মৃতম্)।

পূন্নমক অসি ওইদুনসু দশরথনা মপৃক্লিং লাকশিনবা ঙমখিদ্রে। বশিষ্ঠ অমসুং সুমন্ত্রনসু কৈকেয়ীবু চৈ, দশরথকী মমাঙমক্তদা অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নবগীদমক নোক্লে। অদু ফাওবদা কৈকেয়ীনা নুংগুম্না চপ লেপ্পুনা লৈরে। রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণগীদমক উ মকুগী ফিজেৎ পুশিল্লকই। অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা বাল্মীকিনা খ্বাইদগী হেন্না হৈশিংনা মওং কয়া অসিদা ওইরক্লিবা চয়েৎনবা অমসুং তাইওন্নবশিং অসি নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙম্মী। মখল মখা য়াম্লবা চরিত্রশিং অসিনা শানরিবা ৱারীশিং অসি য়াম্না মওং তাই অমসুং ঙাংফম থোকই, মতাং অসিদা ঙাংনরিবা পূন্নমক অসি মখোয় অমত্তনা কাউথোকপা ঙমদে অমসুং বাল্মীকি পারিবশিংনদি থাঙ্গৎশেংনমক থওইদবা য়াদবা ঙাক্তনি।

তাঞ্জা অসিদা ভরতনা লৈতবসি, মহাকপু য়াম্না নীংশিংনিংঙাইনি। মসিনসু কোনুংগী চিংলেমজবা অমসুং শাগৈগী ঈজ্জৎতা য়াম্না শোকহনখিবগী মরম ওইখি। রামনা বনদা চৎপগী ৱাফম হৌদোক্লরকপা মতমদা অযোধ্যাদা মহাক লৈরম্লবদি ৱাফম অসি শুকলৈ লৈরমলোইদবনি। অদুবু ভরত লৈতে হায়বা খঙনা, দশরথ মশাতনা খঙজবা লৈবদগী, থৌরাং অসি তহা তহানা পায়খৎখিবনি। কৈকেয়ীনসু ভরতনা অযোধ্যাদা হল্লক্ত্রিবফাওবা রামনা ঙাইদুনা লৈবা পামখিদে। তশেংবদি রামনা ভরত লাকপা ঙাইনিংখিবনি, মহাক্লা লৈরিঙৈদা ভরতনা সিংহাসন কারগা মহাক্লা বনদা চৎখিবা অদু পামজরম্বনি। অদুবু কৈকেয়ীনা চিংনবা উৎলক্লবদা, থিন্থদনা কৈকেয়ীগী অপাম্বা অদু পাঙথোক্লগে হায়না লেপখিবনি। রামনা কৈকেয়ীদগী নিজখিবসি মমা কৌশল্যাদগী বিদায় লৌনবগী মতম অদুখক্তনি। ৱা ঙাংনদবগী মতম অসিদা মপৃক মপৃক্লিংদা নীংনরিবা অরুবা ফিরেপশিং অদু বাল্মীকিনা মাগী

ওইবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা য়াম্না চেকশিন্না পুখৎলকই ।

নিংথৌদা, নিংথৌ পানবা লৈবাক অসিদা, অমসুং নিংথৌগী শাগৈদা খ্বাইদগী হেন্না ৱারবা থৌদোক অসি থেক্লবা মতুংদা, অযোধ্যাদা ভরতনা হল্লক্লবা মতমদা, রামনা বনদা চৎখিবা অদুদগী হেন্না শাথিরবা থৌদোক অসিনা অতোপ্পা চয়েৎনবা অমগী অহৌবা মতাং ওইরে । বাল্মীকিনা কলাগী ওইবা কল্পনাগী মতেংনা ফীভম অসি ফোঙদোকই। অযোধ্যাদা করি থোকখ্রবগে হায়বসি ভরততি মহাক্না হল্লক্লিংঙৈগী মমাঙদা খঙখিদে । পাউপুবশিংনা মঙোন্দা থওইনা খঙহন্দনবা শীন্দোকখ্রবনি । অযোধ্যাদা মহাক য়াম্না থুনা লাক্লবা অমসুং ফরবা পুংফম অমনা মাবু খৌরাংনা ঙাইরি - অসিখক্তং ইচম চম্না মঙোন্দা খঙহনখি । অদুবু ভরতনা কদাইদনো অমা করিনো অমা শোয়রে হায়বসি মথন্তগী ৱাখলনা লামবা ফঙডি । মমৈদা মাগী মমা ইবেম্মনা তপ্না তপ্না থাংখাং নায়না অৱাবা পাউ অদু তমলক্লবদা মহাক্না খনখিবা অদু অচুম্বা ওইরকই । মপাবুং মহারাজনা খুদক্তা থুপখিবা, রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা বনদা চৎখিবা - পাউশিং অসি তারগা ভরতকী পৃক্লিং অমসুং হকচাং অনীমক পুমচোক চোকথরে, অদুগা কৈকেয়ীদি হরাওরি, কান্নবা ফংলগনি খল্লিবা মচানুপা ভরতসু মাগা লোয়ননা হরাওফম থোকই হায়না খল্লী । মমা অমদি মচানুপা মীশক অনী অসিগী মরক্তা ওন্নতৈননা লৈনরিবা ৱাখলশিং অদু বাল্মীকিনা অমুক ময়েক শেঙনা অমসুং থম্মোয় শোক্লা পুখৎলকই । থম্মোয় ঈপোম নেমথহনবনা অচূম্বা অমসুং অফবা ৱায়েলগী মান্নবা খলদা পুরকই - মশাগী ওইজবা থিরিবী কৈকেয়ীনা অফ-ফৎত খঙদনা পামজরিবা অচুম্বা থিরি, অদুগা দশরথনা মাগী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঙথোকলল্লিবা অচুম্বা ৱায়েল -হৌজিক্লা পুকচেল চাউরবা মচানুপা ভরতনা মখা শমথরক্লি । কৈকেয়ীনা পামজরিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ভরতনা মমাগী ৱা অদু মনাদা শুপহাপ হাপখিদ্রে, মমা ইবেম্মনা মপা ইবুংঙোবু , শাগৈ নাতৈবু, সমাজবু, লৈবাকপু অমসুং মীওইববু ইম্থোকখিবা অদুগুম্না মচানুপানা মমা ইবেম্মবুসু ইম্থোক্লে । শাউবদগী (ফনা ইংতপ্পা মী ওইরবসু হৌনশানি) ভরতনা মমাদা মঙোন্দা ৱা ঙাংবিরক্লগনু হায়না হায় (না তেহম্ অভিভাষ্যাম্মী), অদুগা মমাগী ফৎত্রবা অপাম্বা অদু পাঙথোকপা ঙম্লোই হায়না ময়েক শেঙনা হায়, পাঙথোকপগী মহুত্তা অযোধ্যাদা রামবু হল্লকহন্দুনা সিহাসন মথক্তা ফমহন্নবা লৌরুগনি হায় । চৎপা তারবসু মহাক্না বনদা চৎখিগনি, অদুগা ময়াম্বদা লৈবাক অসি ঙাকপিয়ু হায়জরুগনি হায় । কোনুংগী মী অমত্তনা নৎত্রগা মপানগী মীওই অমত্তনা ভরতনা মমাগী মায়য়োক্তো কল্লবা শাজৎ অসি চৎলক্কনি হায়বসি থাজনদবনি । অদুবু রামনদি অসুম্না তৌরক্কনি হায়বসি হান্ননা খঙডি। দশরথনসু খঙলম্বা য়াই । মরম অদুনা দশরথনা রামদা মহাক্লা খোঙশানগদবা অদু খরা য়ৈথোক্লবা তক্লখিবনি, মরম অসিমক্লসু বামনা থিম্বুদনা চৎথোকনিংখিবনি ।

অদুমকপু খ্বাইদগী নকশিন্নরবা মী ফাওবনসু ভরতনা নীংলিবা অদুদা চিংনবা পোকই, মমাঙমক্তদা ৱাহং কয়া হংঙি । অযোধ্যাদা হল্লক্লবা হায়জরুনবা চিত্রকূট তান্না রামগা উন্নবা চৎপদা ৱাহং কয়া অদু মায়য়োক্লবদা ভরতকী থম্মোয়শেক্লবা পরীক্ষা ওইখি ।

ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি য়াম্না নক্লনা লৈমিন্নরিবা মীওই কৌশল্যাগুম্বনা ভরতকী মরাল লৈজদ্রবা থম্মোয়দা চিংনবগী তৈঞ্জে ময়াম কাপশিল্লকই। কৌশল্যানা হকথেংননা তকশিল্লকই, ভরতনা মকোক নোন্না, ব্যবহার লৈনা ৱাজরবী মমা অদুগী চিংনবা কোকহল্লী। কৌশল্যানা মশাগী মরাল খঙলকই অমসুং নুংশিবগী পিরাংগা লোয়ননা ভরতপু কোল্লী । রামবু অযোধ্যাদা হল্লক্লবগী থৌরাং অদুদা, চপমান্নবা মওংগী অশেঙবা অমসুং অচম্বা পূকচেলগা লোয়ননা ভরতনা মশাগী ফিরেপ অদু বশিষ্ঠ, ভরদ্বাজ অমসুং গুহদা শেঙদোকখি । ভরতনা চাউরবা লাম্মী তেঙ্গোলগা লোয়ননা লাকখিবদু লক্ষ্মণ ফাওবনা চিংনখিবনি । অদুবু ভরততি লৈবাক অদু মহাক্লা পাম্লেবদি মঙোন্দা হরাওনা লাম্থোরক্কনি হায়না চপচাবা ৱারোল অমা পীরদুনা রামনা লক্ষ্মণবু ইংথহনখি ।

মপা ইবুংঙোগী ৱাখল অমসুং মানা হায়নিংলিবা ৱা অদু কৈকেয়ীনা মাগী মহুৎশিন্দুনা য়াথং তৌরকপা - মতাংশিং অসিদা মশা মশাগী চপচাবা ফোঙদোক্লদুনা চিত্রকূটতা পুকচেল চাউরবা মীওই অনী অদুগী অৱাংবা থাক্তা উন্নখিবা তাঞ্জা অসি পৃথিবীগী মনুংদা লৈরিবা মশক নাইরবা মহাকাব্যদা অসিগুম্বা তাঙ্কক অসি চাংদম্নবদা করিসু নোপতে, হেনগদৌবতনি । মহাকবি বাল্মীকিনা মতম পুম্নমক্কী ওইনা লৈহৌরগদবা মহাক্কী কলাগী হৈথোইশিংথোইবা খুথা অসি মপা লৈত্রবা নোল্লুকপগা লোয়ননা উন্নহনবগী মওং অসিদা চপচানা মপূংফাবা হায়বদু ওইরে। অৱাংবা থাক্তা পূক্লিংগী ওইবা ৱারী শানবদা মতীকচারবা মহাকবি অসিনা তুমীন লৈহনবগী থৌদাং হাপ্লিবা মওং অসি পৃথিবীনা খনবদা ওইবা য়াবা নীংথিরবা ৱাহৈশিংদগী হেন্না মরোল হাপ্পা ঙম্মী । অহানবা নুমিদাংৱাইরমদা রাম অমসুং ভরতনা জ্ঞান লৈরবা ভাবকশিংগী মমাঙদা ফম্মীন্নবদা মী পূম্নমক্লা মচিন মনাও অনী অদুনা করি ৱারী শানবগে হায়বদু তাগদবগী খৌরাংনা ঙাইরি । মঙ্গলগী মশক ওইনা মায়থোং মকা লামনা ময়াম্বগী মনাক্তা য়াম্না নকশিন্না (উপোপবিষ্ট:) ৱাদি ঙাংদনা ফম্মী । ৱা অমত্তা ঙাংথোক্লবা ঙমদনা অহিং চূপ্পা তুমীন তুমীন লৈনদুনা লেল্লী ( শোচতামেব রজনী দু:খেন ব্যত্যবর্তত) ।

মথংগী অয়ুক্তা ৱারীদি শাবা হৌরে । নুমিৎ অদু (ভরতকী ওইরবনি), অদুগা "ভারতীয় ভাষা" গী থোইদোকপা খুদম অমা ওইরবা ভরতকী লোল অদু রামনা খঙলে । মচিন মনাও অনীনা য়েৎনরিবা পূম্নমক অদুগী নুংগী ওইনা ফজরিবদি অধিকারগী মতাংদা নত্তে, অচুম্বা অমসুং ফজবা ৱায়েলগী ৱাখলগা

লোয়ননা থৌদাং পাঙথোকপগা মরি লৈনবননি। মচিন মনাও অনীনা য়েৎনরিবা অদুদা অচুম্বা অমসুং ফজবা ৱায়েল অনীমক লৈগদবনি হায়বসি নৎতনা অতৈদি মখোয় অনীমক্কী ৱাখল খেন্নে হায়বসি য়ানরে। কাইনথংদা রামগী সনাগী খুরুম অদুনা লৈবাক ঙাকপদা রামনা হল্লক্ত্রিফাওবা মাগী মহুৎ শিনগনি হায়না ভরতনা য়ারকপা অদুনা য়েৎনরিবা অদু তাইশিন্নে। মশাগী ওইজবা থাদোকপগী থাক অনীদা য়েৎনখিবনি, অরোইবা ফাওবা ৱাখল অসি মশক নাইনা অদুম লৈখি, চহী তরামরি মপৃংফানা বনদা লেল্লুরবগী মতুংদা রামনা অযোধ্যাদা হল্লকপা ফাওবগীসুনি।

বাল্মীকিগী কল্পনাগী ফজবদি মহাক্কী মহাকাব্য অসিগী "সুন্দর কাণ্ড" (ফজবগী তাঙ্কক) হায়না মমিং থোল্লিবা মঙাশুবা তাঙ্কক অসিদনা খ্বাইদগী হেল্লি। সাহিত্য, সংস্কৃতি অমসুং ধর্মগী ওইবা মায়ৈগে পূম্নমক্তগী য়েংলগা বাল্মীকিগী কবি অমা ওইনা পীথোরকপা তোমথিন ওইবা মগুণদি মতাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না চিংলেম্বদু ফোঙদোকই।হিংচা য়াইতম্বা মীওইশিংনা পানবা ঙক্লবা লমদম অমদা হনূমাননা সীতা থিননবা হোৎনরকপা অসি তশেঙবদি ফজবদা অচুম্বা থিবা অমসুং অচুম্বদা ফজবা থিবনি। সীতানা ফজরিবসি চুম্নগী হকচাংদতা নত্তে পূক্নিংগী ওইবা য়াম্না ৱাংবা ফজবগী মওং অদুদনি। ফজবা অসি বাল্মীকিনা ফজবগী খ্বাইদগী হেনবা শক্তম অদুগা মতৌতম্বগী মওং অদুগা অনী অসি খমথেংনা খেন্নহল্লগা মগুণ হাপখিবনি। হনূমাননা সীতা থিরকপদা রাবণগী ফমুং থারিবা কা অদুগী য়েংহৈদবা কয়াগী মরক ফাওদুনা লাকখিবনি। সীতাগী তোমথিন ওইনা ফজরিবা অদুদা ধর্মগী ওইবা চিংলেমজবা মওং কয়া অদু উৎননবগীদমক বাল্মীকিনা দৃশ্যশিং অসি ময়েক শেংনা য়েক্লিবনি। অসুম্না থিরকপা অসিদা হনূমানবু অঙকপা ফংনা ৱাখলগী খল কায়হন্দনা লৈহনখিবা অসি কবিনা য়াম্না চেকশিন্না শীংথারি।

মফম অদুদা লৈরম্লিবীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফজরিবী মন্দোদরীনা গৌরীগী মতৌগুম্না সনাগী অরংবা মঙালগা লোয়ননা ঙাম্বোইদুনা লৈরম্লিবদু হনূমাননা উবদা সীতা ওইরবোই নীংঙি, ফংলেদনা হায়না খুদক্তা নুংঙাইবগী মথুম মরাঙ হৌই; অদুবু থুনমক হনূমাননা মহাক্কী অরানবা ৱাখল অদু খঙলকই। রামদা পূক্নিং হকচাং কৎথোকচরবী নুপী সীতানা মতৌ অসুম্না লৈরমফম থোক্তে হায়না মশানা মশাবু লাকশিঞ্জে, অদুগা মহাক্না থিরিবী অদু ফংননবগীদমক মখা চংথৈ। মপূক্নিংদা হনূমাননা খঞ্জরিবী জানকী ওইরম্বা য়াবা শাওংদি নাতোন তুম্নমগনি, য়া লংলমগনি, নীংথিরবী থাজগুম্না কাউঙমদনা মোমোন্নরমগনি অমসুং মক্ত্রবা মায়থোং ওইরমগনি হায়বা অসিনি, মমৈদা মহাক্না খঞ্জরিবী অদুমক থিদোকপদা মায় পাকখি।

ফজরবী নুপী অসিনা কনাগুম্বা অমত্তং লাক্কুনা পূক্নিং পেন্নিংঙাই ওইবা

আশাগী ৱাহৈ অমতং হায়বিরনবা খৌরাংনা ঙাইহৈরিবা মফম অদুদা হনূমাননা চংশিল্লকপগী মতাং, বাল্মীকিনা কল্পনা তৌরিবা অদু চাংদম্নিংঙাই লৈতনা ফজে। উমং অমদগী উমং অমা লাননা মথং মথং চৎলগা উনা মথং মথং হাইদোক্তুনা, মশাবুদি অতোপ্পনা উখিদনবা চেকশিন্না লোৎলগা য়েংলকপদা অয়ুক্কী অহানবা মঙালনা য়ৈরবা তুরেলমচা অমা উরে, অমম-অঙান লোন্নবগী মতমবু পামজবী সীতানা মফম অদু শোয়দনা য়ৌরক্লমগনি হায়বা থাজবা পোক্লে, মমৈদা অশোক পাম্বীগী মখাদা সীতা লৈবা উরে। জানকী উবদা তুজুংবা পোকই, মাগী ৱাখল খুদক্তা রামগী মনাক য়ৌখি। উবদা ঙক্তনিংঙাই লৈত্রবী পূণ্য চেনবগী মতৌ লৈজরবী নুপী অসিগী মরমদা ৱাহৈনা শীংথারিবা অসি মতম পুম্নমক্কী ওইনা সাহিত্যদা খ্বাইদগী হেন্না নীংথিজৈ হায়বা য়াই। পরেং খরা অসিনা খুদম ওইরি :-

সীতাং পদ্মপলাশাক্ষীং মন্মথস্য রতিং যথা।
ইচ্ছাং সর্বস্য জগত: পূর্ণচন্দ্রপ্রভামিব ॥
ভুমৌ সুতনুমাসীনাং নিয়তামিব তাপসীম্।
নি:শ্বাস বহুলাং ভীরুং ভুজগেন্দ্রবধূমিব ॥
শোকজালেন মহতা বিততেন ন রাজতীম্।
সংসক্তাং ধূমজালেন শিখামিব বিভাবসো: ॥
তাং স্মৃতীমিব সংদিগ্ধাং ঋদ্ধিং নিপতিতামিব।
বিহতামিব চ শ্রদ্ধাং আশাং প্রতিহতামিব ॥
সোপসর্গা যথা সিদ্ধিং বুদ্ধিং সকলুষামিব।
অভুতেনাপবাদেন কীর্তি নিপতিতামিব ॥

-------------------------

আম্নায়ানামযোগেন বিদ্যাং প্রশিথিলামিব ॥
দু:খেন বুবুধে সীতাং হনূমাননলংকৃতাম্।
সংস্কারেণ কথাহীনাং বাচমর্থাতরংগতাম্ ॥

(য়েংবদা নুজা অদো থম্বাল মনাগুম মীৎতানবীনি, নুংশিবা কৌবা লাইগী লোয়নবী রতিগুম্মী, থানিলগী মঙালনা পৃথিবী পুম্নবু নুংঙাই ঈরাং হৌহনবগুম্মী, সন্যাসী অমগুম্না নৌজরবী পাম্বোম তিংথোক্তুনা লৈমায়দা ফম্লী, লীলশিংগী মহারানীনা স্বর কন্না কাম্বগুম কাম্লী, কুণ্ডলবা মৈখুনা য়োমশিনখ্রবা মৈরীগুম্না য়ৌনা ৱাজবগী লৈচিলনা কোয়শিল্লী, চিংনবা অর্থনা থল্লবা শেঙলবা লাইরিক্কুম্না অৱাবা উৎলি, য়ৌনা ফজরিবশিং হুন্দোকপিখ্রে, থাজবা থম্বিবদো চাইখাইবিখ্রে, আশা অদো মাঙহনবিখ্রে, য়ৌফম থোকপদো থিংজিনবিখ্রে, লৌশিং অদো চয়েৎনবিখ্রে, মিংচৎ অদো ওইররোইদবা ৱাথোক্লা চেন্থহনখ্রে। মথন্তনা খঞ্জে হনূমাননা -মহাক্লা মতম পুম্নমক্তা থিজরক্লিবী অদু নুজা অসি শোয়দনা ওইগনি মরমদি মহাক অসে ,

নৈনবা ৱাৎপদগী মীওইবনা মপূং ওইবা শক্তমগী ৱাংমদা ৱাহৈনা শোন্থহল্লে, মখল কয়াগী বিদ্যানা অমগা অমগা শম্নদবগী জ্ঞানবু মগুণ হন্থরকপগুম নুজা অসিগী মতৌ ওইখরে । )

হনূমাননা সীতা হেক উরুবদা মশাগী ফিরেপ লৌরে, রামগী লেমজরবী নুপীনি হায়বা খঙলে । অসুম্না চৎথরক্লিবা ৱাখলগী মওং অসিদা বাল্মীকিগী পূক্লিং মথুম মরাঙ হৌরবা খোঞ্জেল খোম্থোক য়াওরি । রামায়ণ হায়বা পূম্নমক্লা ৱাংনা থাঙ্গৎনরবা লাইরিক অসিদা মতাং মতাংগী মতুংইন্না খুদম মরাঙ কায়না পীদুনা বাল্মীকিনা ৱাহৈগী শক্লাইরবা শক্লোন (বাক-সংস্কৃতি) শীজিন্নরি । সুর্পণখাঁগুম্বা খরা হন্থবা চরিত্রশিং য়াওনা পূম্নমক্লা মশাগী পূক্লিং-ৱা ফোঙদোকপদা হৈশিংলবা ঙাক্তনি । মখোয়না শীজিন্নরক্লিবা ৱাঙাং অদু য়েংলগা চরিত্রশিং অসিগী শক্তম লাকশিনবা ঙম্মী । চরিত্রশিং অসি বাল্মীকিনা ৱাহৈনা তাক্লবা হোৎনরি—রামবু " সত্য পরাক্রম" (অচুম্বনা পাঙ্গল ওইবা), লক্ষ্মণবু " লক্ষ্মীবর্দ্ধন" (য়ায়ফবা পুরকপা ), ভরতপু "ভ্রাত-ব্যশল" (নুংশিরবা মনাওনুপা), দশরথপু " সত্য সন্ধ" (অচুম্বদা কৎথোকখ্রবা) সুমন্ত্রবু "মন্ত্র কোবিদ" (লাইগী ৱাঙাং হৈবা), সুগ্রীববু "নিত্য শঙ্কিত" (লেপ্তনা চিংনগনবা), অমসুং রাবণবু "লোক রাবণ" (পৃথিবীবু ওৎপা) ।

বাল্মীকিনা য়াম্না পামজবা ৱাহৈ ৱাতা খরা লৈ । মখোয় অদু শীজিন্নরকপদা অখন্নবা অর্থ কয়া ফোঙদোকহল্লকই । খুদম ওইনা, মহাক্কী অহানবা শ্লোকতা "মা নিষাদ" হায়না হৌরগা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ " প্রতিষ্ঠা" হায়বগী থোইদোকপা অর্থ অসি মীওইবগী ইহিহাসতা অচৌবা যুগ অমা ওইরক্কদৌরিবা রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণনা বনদা চৎলিঙৈদা ৱাখিবশিং অদুগী মতাংদা ক্রিয়া ওইনা (প্রতিষ্ঠাস্যতি) শীজিন্নে। মহাক্না হায়রি - "ইদম হি চরিতম্ লোকে প্রতিষ্ঠাস্যতি শ্বাস্বতম" (থৌদোক অসিনা গুণগী সংসারদা কুয়না লৈহৌরগনি । অসুম্না, তাঞ্জা কয়াদা ৱাহৈ খরগী শীজিন্নবগী মওং শেম্মী । মসি খুদম অমখক্তনি । বাল্মীকিগী লোলদা, চন্নবসু অমসুং কোইথোক্রবসু, খোঞ্জেল অমসুং অর্থ পূন্না চৎমিন্নহন্দুনা পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্বা শক্তি য়াওই । মসিনা কবিগী কল্পনাবু লাকশিনবা ঙম্বা নৎত্রগা নুংগী ওইবা ফজবগী মচি অদু অচম্বা অপাবা অমদসু খুদক্তা খঙহনবা ঙম্মী । খুদম অমা য়েংসি । হনূমাননা সীতা উবা ফংলক্লে হায়না খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইরবা পাউ অসি তম্লরবদা কিষ্কিন্ধাগী মনাক্তা লৈবা খ্বাইদগী হেন্না লুনা-নাননা থমজবা বন মধুবনদা য়োংশিংনা নুংঙাইবা অদু ফোঙদোক্তুনা মথুম মরাঙ হৌদুনা নৈখায়খি। ফজরবা থৌদৌ অদু মখাগী পরেং খরা অসিনা অসুম্না শীংথারি :

ততশ্চানুমতা: সর্বে প্রহৃষ্টা কাননৌকস: ।
মুদিতাশ্চ ততস্তে চ প্রনৃত্যাতি ততস্তত: ।।

গায়ন্তি কেচিত্ প্রহসন্তি কেচিত্
নৃত্যান্তি কেচিত প্রণনমন্তি কেচিত্ ।
পতন্তি কেচিত্ প্রচরন্তি কেচিত্
প্লবন্তি কেচিত্ প্রলপন্তি কেচিত্ ॥

পরস্পরং কেচিদুপাশ্রয়ন্তি
পরস্পরং কেচিদতিব্রুবন্তি ।
দ্রুমাদ দ্রুমং কেচিদভিদ্রবন্তি
ক্ষিতৌ নগাগ্রান্নিয়তন্তি কেচিত্ ॥

(নুংঙাইজরুরো হায়বগী য়াথং ফংলদুনা য়োংশিংনা মথৱাই নুংঙাইজরদুনা, মখোয়গী লুচিংবগী অয়াবা ঈঙ্গিৎ হেক ফংবগা লৈরু লৈরুবা মফম অদুদা, জগোই শাবা অমসুং ঈশৈ শকপা হৌরক্লে । খরনা ঈশৈ শকথহৌই, খরনা নোক্তুনা লৈহৌই, খরনা জগোই শাহৌই, খরনা পূন্না নুংঙাইর্মিন্নে, খরনা হরাওনা মখাদা চোংথরকই, খরনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা অতৈদা পাউদম্মী, খরনা কোইচোং চোংঙি, খরনা ৱাচোই কয়া ঙাংঙি । খরনা অমনা অমগী মথক্তা ঙাশিল্লি, খরনা কাহেন্না ৱা ঙাংঙি, খরনা উশা অমদগী উশা অমদা চোংঙি, খরনা চীংদোন অমদা কাখৎলি, নুংঙাইমন্দুনা অমুক মখাদা চোংথরকই ।)

মীওইবগী শাজৎ উৎপদা নৎতনা মহৌশাগী দৃশ্য অমসুং ঋতুশিংগী মথং মনাও নাইনা ওইরক্লিবা ফীভম কয়া শীংথাবদসু বাল্মীকিনা য়াম্না হৈশিংবা উৎলি। গঙ্গা তুরেলগী ফজবা মফম অনীদা উৎলি -অহানবদা, বালকাণ্ডদা বিশ্বামিত্রনা তুরেল অদুগী হৌরকপগী ৱারী লীবদা, অদুগা অমুক রাম, সীতা অমসুং লক্ষ্মণ অহুমনা লানবা মতমদা । চিত্রকুট চীংজাউগী পূক্লিং হ্‌া ফজরবা অকোয়বশিং অদু য়াম্না ফজবা মওংদা অয়েকপা লাইগুম্না য়েকই। অনুসুয়ানা নুমিৎতারবা মতুংগী হোংলকপা ফীভমশিং সীতাদা তম্মী, অদুগা দণ্ডক বনদা ওইরকপা য়াবা খুদোংথিবশিং অদুগীদমক চেকশিন-ৱা হায়খি। পম্পা পাৎ অমসুং সবরীগী মতঙ্গ বন শীংথারকপদা মহৌশাগী ওইবা ফজবদগী হেন্দোক্তুনা ধর্মগী ওইবা ৱারোলশিং হাপচিল্লী। ঋতুশিং শীংথারকপদা বাল্মীকিনা নোংজুথা অমসুং শরদ ঋতুবু পূক্লিং হেন্না চিংশিল্লী । মরমদি মখোয়না রামগী ৱাখলগী হেন্না চুশিনহন্নবা পান্দম থম্মী । রাম অমসুং লক্ষ্মণ অনীমক্তা অতিয়াগী ফীভম তত্তনা পৈন্নে । পন্নরিবা অদু কৃপশিন্না নৈনরবদি বাল্মীকিনা জ্যোতিষ বিদ্যাদা করম্বা ৱাখল থল্লম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি । খুদম ওইনা, "উত্তর ফালগুনী" দা লৈবা মতমদা রাম অমসুং মনাওনুপা অহুম লুহোংখ্রিবা অদু মতম অসিদা লুহোংবা ফৈ হায়নৈ হায়না জনকনা হায়বদগীনি। রামনা লানগীদমক খোঙশানবা হৌরকপা অদু "হস্ত" (মায়পাকহনবা ঙম্বা থৱান্নিচাক কাংলুপ) থোকপা

মতমদনি । লঙ্কাদা মখোয়না চৎপা মতমদা লক্ষ্মণনা অতিয়াদা "বিশাখা" উখি, ইখ্বাকু শাগৈগীদি অফবা থৱান্নিচাকনি হায় । রামায়ণদা অসিগুম্বা মরুওইবা মতাং কয়া য়াওরি । মায়গৈ অসোমদদি মতুং তারকপা রামায়ণগী লাইরিকশিংদা কৃপ্না নৈনরকখিদ্রে ।

সুন্দরকাণ্ডদা থা অসি চরিত্র অমা ওই । হনূমাননা লঙ্কা চংলকপা মতমদা পূর্ণিমাগী থা অদু নোংপোক লাংদাইদগী থেক্লক্তুনা সীতা থিবদা হনূমানগী মতেং পাংঙি। বাল্মীকিনা মতেং পাংলক্লিবা অসিবু "সচিব্যান" (হৌজিক্কী লোনদা সেক্রেটরী) হায়না শীংথায়। হনূমানগী পুকচেল চাউরবা থবক অসিদা মতেং পাংলুনবা লাইশিংনা থারকপগুম থোকখি । বাল্মীকিনা থা থেক্লককপগী মওং-মতৌ শীংথাবদা চুম্নগী অতিয়াগী থৌদৌ অমদগী হেনজিন্না নুংগী ওইবা অর্থ য়াম্না চেলহল্লি । মহাক্না হায় — মপৃংফারবা থাজনা পাকশন্না লাক্তুনা মঙ্গলগী মশক ওইরবা নুমিদাংৱাইরম অসিগী মগুণ হাপ্লরে, নুমিদাংগী অমম্বা তাম্থোকখরে, মসিগা লোয়ননা লম অদুগী শাহিং চাবশিংগী ফৎত্রবা থবকশিং মাঙহল্লরে, রামগী শেংলবা থম্মোয়দগী লম অদুবু শেংদোকপিরগে মতাগুম শিৎলকখিবা নুংঙাইরবা অতপ্পা নুংশিৎকুম্না, লাইগী মঙাল ওইরবা স্বর্গগী অরং-অরাকশিং অদুনা সংসারগী ওইবা ঙহাক্কী নুংঙাইবদা লূপশিন্দুনা লৈখ্রবা জীব পুম্নমক্কী পৃক্লিংবু শেংদোকপিরে ।

অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা ৱারোল কয়া রামায়ণগী তাঙ্কক পুম্নমক্তবু হায়বা য়াই, মরাং কাইনা য়াওরি । অসিগুম্বা তাঞ্জা পুম্নমক্তা বাল্মীকিগী খোঞ্জেলনা, মহাক্কী মমল য়াম্লবা মীৎয়েংগী চপচাবা ফোঙদোক্লবগী উপাই ওইরি । খোঞ্জেল অমসুং মীৎয়েং অনী অসি ইৱা ৱাদনা নীংথিনা শীজিন্নখিবনা বাল্মীকিবু পৃক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মশাগী জ্ঞান অমসুং চিংলেমজবা মওংদা ফোঙদোকপা — অনী অসিগী মপালৈত্রবা থৌবু অমা ওইহল্লী ।

# তরেৎ

## পাউজেল

মহাকবি অমদা ফোঙদোকপগী মওং অমসুং পীগদৌরিবা পাউজেল অনীমক চপমান্ননা মরু ওই । অনীমক্তা, বাল্মীকিনা মপৃংফানা চপচানা ৱায়েল্লী । কলাকার অমনা মশা খঙহৌদনা খ্বাইদগী মপৃংফাবা মওংদা ফোঙদোক্লিবা মফোঙদোক অদুগুম্না হায়নিংলিবা অশেঙবা মশক অদু "খন্থরুরগা" নত্তবা "পামলক্লবা" মতমদা ৱাং চাউরবা লাই অমগুম চোংথোরকই । মসিমক বাল্মীকিদা চপচানা থোকলে । নুংশিবা অমসুং মিনুংশিগুম্বা মীওইবগী মচি ওইবা গুণশিং শন্দোক্লিবা চাউরবা কলাগী খুৎশেম অমা হায়বদি তমথিরবা তেন অমনা উচেক মতৈ মনাওবু কায়নহনখিবগী তশেংনা ৱাজখিবা অদুনা ওইহল্লক্কনি হায়বসি মহাক্না খক খনখিদবনি । অদুবু, লাক্কদৌরিবা মতম পূম্নমক্কী ওইবা অমসুং হিংলিবা জীব পূম্নমক্কী ওইবা পাউজেল মরাং কায়না য়াওরবা পৃথিবীগী তাঙলবা লাইরিক অমগী মওং ওইরকপদা মশামকসু ঙকখি ।

রামায়ণদা নৈনরিবা কয়া অসিদগী মী শেম্বা অমসুং মী হাৎতবা হায়বা মরুওইবা হীরম অনী অসি থোক্লকই । ফজনা, ইংনা তপ্পা চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেল অমসুং মপাঙ কায়নরবা মরাল লৈজদ্রবা উচেক অদুগী অৱাবা মতৌ অদু উরুবদগী মচি ওইরবা গুণ অনী অসি শন্দোক্লবগী ৱাখল বাল্মীকিদা প্লোক্লকই । থৌদোক অনী অসিনা তুংদা বাল্মীকিনা লীরিবা ৱারী পূম্নমক অসিগী লাইয়েক্লবা চেবাং ওইফম থোক্লি ।

মহাকাব্যগী কলা কৃপ্পা খঙলবা বাল্মীকিনা পাউতাক পীবা নৎত্রগা তম্বীবগী থবক খক তৌদে । মহাক্কী চরিত্রশিংনা মাগীদমক ঙাংহল্লি অমসুং থবক, ৱাহৈ অমদি ৱাখলনা মশা মশাগী ৱা ফোঙদোকহল্লি । মখোয়না ঙাংথোকপদগীদি থবক্লা হেন্না পামজবা ওইহল্লি । অদুবু অচুম্বা লমচৎ শাজৎকী মতাংদদি ময়ামগী ওইবা ৱাফম খরদি হায়বা য়াওরি । মসিমক্তি, থৌদোকশিং মশানা ওইজরকপদা হায়খিবা ঙাক্তনি । ফিদম্নিংঙাই ওইরবা চরিত্রশিং - রাম, ভরত, লক্ষ্মণ, সীতা, সুমিত্রা, সুমন্ত্র, গুহ, জটায়ু, সবরী অমসুং হনূমান - মখোয় অসিনা মীওইবগী গুণ কয়া চেল্লবা মীওই ওইহল্লি । মখোয়না অপাবশিংবু লাউহল্লি : "অসিদা লৈরে ফিদম্নিংঙাই

ওইরবা মচানুপা অমা, নুংশিঁহৈরবা মপা অমা, নুংশিরবা মনাওনুপা অমা, পূক্লিং অনী লোঙদ্রবা নুপী অমা, কৈদৌনুংদা ৱাকৎপা হৈত্রবী মীগী মতেং পাংনবগী মতম পূন্বদা শেম শাদুনা লৈরবী জ্ঞান লৈরবী নুপী অমা, লৌশিং লৈরবা পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইরবা ৱা তান্নবা য়াবা মীশক অমা, কান্নরমদাই মতমগী মরুপ অমা, মশাগী পুন্সিদগী মবুংঙোগী পুন্সিনা হেন্না মমল লৈনা খঞ্জবা থোঙঙাকপা অমা, অশেঙবা মঙ্গলগী মশক নত্তনা অতৈ পামজদ্রবী সন্যাসী অমা, হায়নিংঙাই লৈতনা ভক্তি লৈরবা অমসুং মথৌদা কথোকচরবা থবক্কী মপৃংফারবা মীশক অমা।"

রামায়ণদি মপুং ওইনা ইমুং অমগী মহাকাব্য অমনি। ইমুং অমনা সমাজগী য়ায়ফবা, মীওইবগী চিংলেমজবা অমসুং পূম্নমক্কা মচিন মনাও ওইবগী য়ুম্ফমনি হায়না মহাকাব্য অসিনা লৌই। মহাকাব্য অসিদা মচিন মনাও মখল অহুম উৎলি -রাম অমসুং ভরত, বালি অমসুং সুগ্রীব, রাবণ অমসুং বিভীষণ। মখল কয়াগী মহৎশিন্দুনা য়ুম্বাল্লিবা মতৈ মনাও অহুম য়াওরি। রাম অমসুং সীতানা থম্মোয় অনী মপৃংফানা তিন্নবগী শক্তম লাংলি, বালিগা তারাগদি কয়া মান্নদে, রাবণগা মন্দোদরীগনা মখোয়গী মশাগী পান্দম পামজবা ৱাখল-মখলদা খেন্নজরবসু অমনা অমবু থাগৎচবা অমসুং নুংশিজবা নত্তনা অতৈদি ইমান মান্নদে। সীতা, তারা, মন্দোদরী নুপী অহুম্মক মপুরোইববু য়াম্না নীংজে। অহুম অসিগী মনুংদা সীতাবু খ্বাইদগী হেন্না থাগৎনৈ, অদুবু সংসারগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নংখি। তারানা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইখি অদুগা মন্দোদরীনা খ্বাইদগী হেন্না নোল্লুকই। পৃথিবী শীনবা থুংনা নুপা নুপী পূম্নমক্না মখোয়গী হৌন-লোনচৎ, লমচৎ শাজৎ অমসুং ৱাখলগী পান্দম তমজনিংঙাইনি। হিন্দু ধর্মবু চেৎনা থাজবা ইমুং অয়াম্বনদি সীতা অমসুং রামবু ফিদম্নিংঙাই ওইবা লাই মতৈ মনাও ওইনা ইরাৎ পূজা তৌনৈ, অদুগা মতৈ মনাও অমত্তনা মখোয়না লেনখিবা পুন্সি মরেল অদুদি পাম্নদে, মসি ওন্ন-তৈনবা মওং অমনি। মসিনা তাক্লিবদি মীওইবগী অৱাবা চরিত্র অনী অসিনা ফজবা থাক্তা পুখৎলি। পূম্নমক্কী য়ায়ফনবা ওইরবদি অৱাবা হায়বসি তপস্যা ওইরকই। বাল্মীকি মুনিনা মহাক্কী মহাকাব্য রামায়ণদা পীরিবা পাউজেল অদু মসিনি।

ইমুং কয়ানা, সমাজ কয়ানা অমসুং জাতি কয়ানা ৱাখলগী ঈথক-ঈপোমশিং চাং মান্নবা মওংদা থল্লগা শাথিনা কিনিংঙাই ওইরবা অৱাবা কয়াদগী নাম্থোকপা ঙম্মী হায়বসিসু রামায়ণনা শন্দোক্লা তাক্লি। কৈকেয়ীনা শন্দোক্লকপা তূম্না মাঙনিংঙাই ওইবা ফীভমদগী রাম অমসুং ভরতনা অযোধ্যা কনখি। বিভীষণনা তুংদা থেক্লক্কদৌবা ফীভম উবদগী লঙ্কাবু কনখি, অদুগা হনূমাননা রাজনীতিগী লৌশিং অমসুং মায়গৈ কয়া ফাংনা উবা ঙম্বা মীৎয়েংগী মপান্না কিষ্কিন্ধাদা অমুকহন্না আইন চৎপা লৈবাক

ওইহনখি। লৈবাক ঙাকপদা হৈশিংলবা—জনক, দশরথ, ভরত অমসুং রামগুম্বনা মী করম্না লোয়নগদগে অমসুং শেমগৎকদগে হায়বগী মতাংদা পৃথিবী শীনবা থুংনা লৈরিবা লৈবাক ঙাকপশিংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা লমজিং পীরি। রাবণ অমসুং বালিগুম্বা ফত্তবা লৈঙাকপশিংনা লান্না চংশিনখ্রবা অমসুং তহা তহানা পাঙথোকখিবা থৌশীলগী ফৎত্রবা ফলশিং অদুদগী মীয়াম্না করম্না নাম্থোক্কদগে হায়বগী মশক নাইবা পাড়া তম্ফম ওইরি। অসুম্না, শান্তি অমসুং য়ায়ফবা পুরক্কদবা অমসুং ঙাকশেল্লগদবা কয়াগী মী শেমগৎনবগী অপূনবা শক্তম য়াওরবা লাইরিক অমসু রামায়ণনা ওইরি।

রামায়ণগী পান্দম অসি মপাম্থোংগী ওইবা সংসার অসিগী ৱাংমদা হেন্না ৱাংবা পান্দম অমসু য়াওরি। মসিনি ধর্মগী মীৎয়েং। বেদগী মীৎয়েং অমসুং মহাকাব্যগী মফোঙদোক গুণ অনী অসিনা লৈতেংলবা বাল্মীকিনা রামায়ণগী মতেংনা মীওইবদা বেদগী পাউজেল অমসুং পাউতাকশিং য়েম্থোকপিরম্লিবনি হায়না থাজনৈ। হৌজিক ওইরিবা পুন্সিগা তুংদা ওইরক্কদবা পুন্সিগা অনী অসিগী মরক্তা জগৎকী ওইবা মরী অমা থম্লিবা বেদগী মন্ত্র মানবা ৱারোল কয়া মশীং থিঙমদনা রামায়ণদা য়াওরি। সুন্দর কাণ্ড অসি অসিগুম্বা ৱারোলশিংগী পূক্কৈনি। অযোধ্যাদগী চিত্রকূট ফাওবদা লাক্লিবা মুনি ঋষিশিং লাম্মীশিং, মমাশিং, মচিন মনাওশিং অমসুং মরৈবাক নীংলবা প্রজাশিং - পুম্নমক অসিগী চিংলেম্লবা সভাদা রামনা ৱা ঙাংখি। ঙাংখিবশিং অদু তেল্লবসু অসিগুম্বা ৱারোলশিং ঙাক্তনি। মহাকাব্যগী মওংদা লীরিবা মপূং ওইবা ৱাখলগী ঈচেলগা লোয়নরবা ৱারোলশিং অসি কৃপ্না নৈননিংবা মীওইশিংগীদি রামায়ণ অসি মখা য়াম্না নৈননিংঙাই ওইরবা মশক নাইরবা লাইরিকনি।

অচম্বা মী অমগী ফাওবা বাল্মীকিনা মচু তারবা ৱাহৈশিংনা খুদম কয়া পীরি অমসুং পুন্সিগী নোংম নোংমদা থেংনরিবা ফীভম কয়াদা মখোয়গী চন্নফম পীরি। বাল্মীকিনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংদি বাক্যজ্ঞ, বাক্য বিশারদ, বাক্য কোবিদ, বাক-সার্থি, বাগবিদামবর—মখোয়শিং অসিনা নুতিগী ওইবা পুন্সিদা ৱাহৈগী অর্থ চেৎশিনহল্লি। ৱাখল নীংথিনা ফোঙদোকপদা ৱা ঙাংবগী মরুওইবা কলা অসি ফজনা শীজিন্নরবদি য়ুমগী, সমাজগী অমদি পৃথিবীগী ওইনা ফাওবা অরুবা ৱাফম

কয়া লায়থোকহনবা ঙমগনি । ধর্মচেল্লবী সীতানা রাবণদা মতাং অমদা হংখি - লঙ্কাদা মহাকপু শাজৎ চুম্না চৎলু হায়বিনবা কনাসু লৈত্রবরা, নৎত্রগা অচুম্বা পাউতাক পীরবসু অদুম তাশিন্নদ্রবা জাৎলা ? দায়িত্ব লৈরবা মী খুদিংমক্না মশামক্তা হংজগদবা, মতম পূম্নমক্কী ওইরবা ৱাহং অমনি । অসিগুম্বা মচু তারবা ৱাহৈশিং বাল্মীকিগী রামায়ণদা য়াম্না ফজনা য়াওরি ।

চাউরাক্না হায়রবদা, রামায়ণদা সংস্কৃতিগী মশকনাইবা শক্লোন অনী য়াওরি - লন তানশিনবা অমসুং লোইশিনবগী শক্লোন অমা, অদুগা খাঙবা কনবা অমসুং মোং হাদবগী শক্লোন অমা। অহানবা অসি রাবণদগী হৌরকপনি, রাবণবু "দশমুখ" মমায় তরাপানবা ওইনা য়েক্লি । অনীশুবা অসিনা দশরথতগী হৌরক্লি, মহাক্না দোলাই তরা তোংদুনা মায়গৈ তরা তম্না থৌই । অঙ্ক অনীগী সংস্কৃতি অসি মতম পূম্নমক্তা অমগা অমগা তায়য়োন্নবনি, পৃথিবীগী শান্তিদা সমস্যা ওইহল্লি। রামায়ণনা সমস্যা অসিদা খল থম্নবা থৌরাং তৌই । সমস্যা অসিমক্কী খেন্নরবা তাংফম অহুম - লঙ্কা, কিষ্কিন্ধা অমসুং অযোধ্যানা ওই । মফম অহুম্মক অসিদা রাম, ভরত, সুগ্রীব অমসুং বিভীষণগুম্বা জ্ঞান তারবা মীশিং অসিনা খল মওং চানা থম্মী । সংস্কৃতিগী ওইবা মূরুবা অসিনা সমস্যা ওইহনবতা নৎতনা মীওইবগী মাঙতাক্তবা অমসুং য়ায়ফবদা অকিবা অমা পোকহল্লি, রামায়ণনা মসিদগী কোক্লবা উপাই পীরি ।

রামায়ণদা বেদগী সংস্কৃতিদগী লাঙজাগী সংস্কৃতি ফাওবা অতৈ মখল কয়াগী সংস্কৃতিগী শক্লোন য়াওরি । অদুবু ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি বাল্মীকিনা লাঙজা ফাওবা (জটায়ু অমসুং সম্পাতি) মশাগী ওইজবা থাদোকহন্দুনা কথোকপগী ৱাংলবা থাক্তা পুখৎলি । মীগী সংস্কৃতিদগী হেন্দোক্তুনা বাল্মীকি মুনিনা মহৌশাগী সংস্কৃতি ফাওবা য়োকখৎলি । ভূত মঙা- অতিয়া, নুংশিৎ, মৈ, ঈশিং অমসুং লৈপাক - রামায়ণদা মীগী মওং লৌহল্লি । ইখ্বাকুশিং-লানফমদা চোংথোকখিবা সূর্যদেবগী শাগৈনি, রামবু মায় পাকহল্লী । সুগ্রীবসু সূর্য্যদেবগী মচা মশুনি হায়, অদুগা বালিনা ইন্দ্রগী মচানি । নুংশিৎ নিংথৌ বায়ুনা হনূমান পোকখি । লঙ্কাদা সীতাগী অগ্নি পরীক্ষা মতমদা রাম অমসুং তিল্লিবা মীয়াম মমাঙদা অগ্নিদেব চোংথোরকই, সীতাবু সতীনি হায়বা প্রমাণ তৌই। সমুদ্রনা মী ওইনা রামগী মমাঙদা লেপ্লে, মতেং পাংবা ঙমদবগীদমক ঙাকপিনবা হায়জরৈ অদুবু ঈশিং লান্থোক্তুনা চৎননবগী লম্বীদি ঈঙ্গিৎ তৌরম্মী । লৈপাক্তগী ফংখিবী সীতাগী মমা পৃথ্বীমাতানি, অরোইবদা সীতা লৈপাক্তা তিনখি । বাল্মীকিনা ভূত মঙা অসি অউবা অমসুং উদবা চরিত্র ওইনা মহাক্কী কবিত্ব শক্তি পুথোক্তুনা অপাবশিংদা মীগা মহৌশাগা লৈনরিবা মরীগী কান্নবা অদু খঙহল্লি ।

রামায়ণনা মীওইবদা পীরিবা পাউজেল অসি য়াম্মী । মায়গৈ অমদগী হেক্তা

য়েংবদা, থাগৎনরবা লাইরিক অসিনা হায়রিবা অসি য়ামখ্রে - নুপা নুপী, শা উচেক অমসুং হিংলিবা জীব পৃম্নমক্লা মঙোন্দগী আশা তৌরিবা অদুদগী য়াম্লা হেল্লী । মতম অমসুং মফম নাইদনা মতীক মঙাল য়াওনা চুশিন্নদুনতা লৈরগদবা মহাকাব্য অমা ওইরবনি । মায়গৈ পৃম্নমক্তা মরী লৈনরবা মতম পৃম্নমক্কী ওইনা লেঙদ্রবা গুণশিংনা লৈতেংলবা জগৎকী ওইরবা মহাকাব্য অমনি ।

Indian I...
117837
21/12/04
SHIMLA

## মরী লৈনবা লাইরিকশিং


১। শ্রীমদ বাল্মীকি রামায়ণ : (মূল) গীতা প্রেস, ২০২০ (বিক্রম সম্বদ)

২। স্তদিজ ওন বাল্মীকিজ রামায়ণ : জি, এস, আলেতকর, ভন্দারকর ওরিয়েন্তেল রিছার্চ ইনস্তিট্যুদ, পুনা, ১৯৮৭

৩। রাম কথা : রেভ কামিল বল্কে, হিন্দি পরিষদ প্রকাশন, প্রয়াগ, ১৯৬২

৪। দি রামায়ণ পোলিতি : পি, সি, ধর্ম, ভারতীয় বিদ্যা ভবন, বোম্বে ১৯৮৯ (অনীশুবা ইডিসন)

৫। লেকচর্স ওন দি রামায়ণ : দি রাইট হোন, রেবল ভি এস শ্রীনিবাস শাস্ত্রী, এস, বিশ্বনাথন প্রাইভেৎ লিমিটেদ, মাদ্রাজ (অহানবা ইডিসন, ১৯৪৯, রিভাইজদ ইডিসন, রিপ্রিন্ত, ১৯৭৭)

৬। রাম ভক্ত সখা : রামনিরঞ্জন পাণ্ডে, নবীন পব্লিকেসন্স, হায়দরাবাদ, ১৯৬০

৭। বাল্মীকি চরিত্রম : রঘুনাথ নয়কুদু (১৬০০-১৬৩১) সম্পাদক বি রামরাজু, অন্ধ্র প্রদেশ সাহিত্য একাদমি, হায়দরাবাদ

৮। মহর্ষি বাল্মীকি : চলাসনি সুভরাও, মচিলিপত্নম, ১৯৮৮

৯। থোটস ওন রামায়ণ : আই পাণ্ডুরঙ্গরাও, অক্ষর ভারতী কলিকতা, ১৯৯২

১০। শ্রীরাম তরঙ্গিনী : পোলুরি হনুমাজ্জনাকিরম শর্ম্মা, নেল্লোর, ১৯৮৭

১১। শ্রী রামায়ণ দর্শনম : পোলুরি হনুমাজ্জনাকিরম শর্ম্মা, শ্রী সাই শ্যাম ত্রস্ত, নন্দ্যাল, ১৯৯৩

১২। রাম কথা নবনীত : আই পাণ্ডুরঙ্গরাও, ভারতীয় জ্ঞানপীঠ, নিউ দিল্লী, ১৯৯১

১৩। ৱোমন ইন বাল্মীকি : আই পাণ্ডু রঙ্গরাও, অন্ধ্র মহিলা সভা, হায়দরাবাদ ১৯৭৮

১৪। রামায়ণ পরমর্থম : আই পাণ্ডুরঙ্গ রাও, যুব ভারতী, সিকণ্ডরাবাদ, ১৯৮০ রিপ্রিন্ত বাই টি, টি, দেবাস্থনম, তিরুপতি, ১৯৮৫

১৫। অনুদিন রামায়ণম : আই পাণ্ডুরঙ্গরাও, তেলেগু বিশ্ববিদ্যালয়, হায়দরাবাদ ১৯৯১

১৬। শোদাসি : জি সেশেন্দ্র শর্ম্মা, জ্ঞান বাগ পেলেস, হায়দরাবাদ

লাইরিক অসিবু ইরিবা ডাক্তর ইলাপাবুলুরি পাণ্ডুরঙ্গ রাও—টেলেগু, হিন্দী অমসুং ইংরাজী লোল অহুম্মক্তা মরাঙ কানা লাইরিক ইরবা অইবা অমসুং পণ্ডিতনি। ১৯৯৪ ফাওবদা লাইরিক য়াম্খৈমুক ইদুনা ফোঙখ্রে। মহাক্না থব্রায়তানা নৈনরিবদি-সাহিত্য কয়াগী চাংদম্নবা লাইরিকশিং অমসুং ভারতকী দর্শন শাস্ত্রনি। মরুওইনা, ভারতকী লোল কয়াদা লৈরিবা "রামায়ণ" অসিবুনি। মশক নাইরবা আলোচক অমনি। ভারত অমসুং ভারতকী ব্রাংমদা রামায়ণগী মতাঙদা য়াম্না তোয়না ব্রা ঙাংলুরবনি।

ইংরাজী লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লি বা শ্রীরাজকুমার মণি সিংহ (১৯৩৭-) মণিপুরী সাহিত্যগী শক্লাইরবা অইবা অমনি। মহাক্কী ব্রারী মচাগী লাইরিক "ময়াই কারবা শামু" গীদমক মণিপুর ষ্টেট কলা অকাদেমিনা ১৯৯০ দা অমসুং ভারতকী সাহিত্য অকাদেমিনা ১৯৯৪ দা সাহিত্যগী মনা পীখি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী লাইরিক তরামুক ফোঙখ্রে। ব্রারীমচা ইবদা নৎতনা সাহিত্যকার অসিনা—রচনা, অঙাংগী সাহিত্য, অনুবাদ, সম্পাদন তৌবা অমসুং মণিপুর অমসুং মপানগী সাহিত্যগী সংস্থান কয়াগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ায়।

Library IIAS, Shimla
MN 891.202 092 V 245 R
00117837

মমল : লুপা ২৫

ISBN : 81-260-1118-1